
# বঙ্কিমচন্দ্র চেট্টর্জী


সুবোধচন্দ্র সেনগুপ্ত



MN
891.440 92
C 39 S

ভারতকী
সাহিত্য শেম্‌বা

MN
891.440 92
C 39 S



INDIAN INSTITUTE
OF
ADVANCED STUDY
LIBRARY, SHIMLA



এন্দপেপরদা নর্মলিবা স্কপচর অার্সদা বুদ্ধগী অপোকপী মায়াগী মঙ নিংথৌ সুদ্ধোধনগী মফমদা তুংগী ৱা খঙবা-উবা নুপা অহুমনা অর্থ হনবা উৎপর্নি। মখোয় অহুমগী মখাদা মখোয়না হল্লিবা অর্থ অদু ইশিনবা ম মা ফর্মলি। ভারত্তা লাইরিক-লাইগু ইবগী লমদা অয়েকপা লাই ওইনা ফংবা ইহান হানবা রেকোর্ড মসিনা ওইবা য়াই।

নাগার্জুনকোন্দদগী ( খৃষ্টগী অনীশুবা চহীচা ) ফংবা

নেশনেল মিয়ুজিয়ম, নিয়ু দিল্লীনা য়াম্রিবদগী

ভারতকী সাহিত্য শেমৃবা অইবশিং

# বঙ্কিমচন্দ্র চেট্টর্জী

সুবোধচন্দ্র সেনগুপ্ত

হন্দোকপা

এ. শ্যামসুন্দর সিংহ

সাহিত্য অকাদেমি

*Bankimchandra Chatterjee* : Manipuri translation by A. Shyam Sundar Singh of the same title in English by Subodh Chandra Sengupta. Sahitya Akademi, New Delhi, 1991.

SAHITYA AKADEMI
REVISED PRICE Rs. 15.00

Library IIAS, Shimla
MN 891.440 92 C 39 S
00117839

© সাহিত্য অকাদেমি

অহান্‌বা ফোংবা ১৯৯১

ISBN 81 7201 076 1

সাহিত্য অকাদেমি
রবীন্দ্রভবন, ৩৫ ফিরোজশাহ রোড, নতুন দিল্লী ১১০ ००১

লাইরিক ফংফম :
'স্বাতী' মন্দির মার্গ, নতুন দিল্লী ১১০ ००১

অফিস মশা :
জীবনতারা ভবন, ২৩এ/৪৪ এক্স, ডায়মণ্ড হারবার রোড, কলিকাতা ৭০০ ০৫৩
২৯ এলডামস্ রোড, তেয়নামপেট, মাদ্রাজ ৬০০ ০১৮
১৭২ মুম্বাই মারাঠী গ্রন্থ সংগ্রহালয় মার্গ, দাদার, বোম্বাই ৪০০ ০১৪

SAHITYA AKADEMI
REVISED PRICE Rs. 15.00

Indian Institute ... SHIMLA
117839
21/12/04

অনম্বা :
প্রদীপ হাজরা
শ্রীমুদ্রণ
৪০ শিবনারায়ণ দাস লেন, কলিকাতা ৭০০ ००৬

MN
891.44092
C 39 S

# ৱাহৈ খরদং

অনৌবা ভারতকী সাহিত্যগী লময়ানবশিংগী মরক্তা বঙ্কিমচন্দ্রনা তোপ তোংপা ফীদা অমা কনখি। মহাক্কা পোকখিবগী চহি ১০০ শুবা কুমওন ইং কুমজা ১৯৩৮ দা পাংথোকখি। ১০০ শুরকপা চহিগী পালন অসি হৌজিক্কী মতমদদি চৎনবী অমসুং ফজনবী অমা ওইনা পংপাংদা পাংথোক্লরকলে. অদুনা কাবক-শাবক্কী অইবা শিংবুসু নীংশিংবা ওইনা উৎসব কয়া পাংথোক্লরি। অদুনা মহাক্কী ইহান হানবা বেঙ্গলীদা ইবা উপন্যাস "দুর্গেশনন্দীনি" (লানবনগী মমোমলোয়) গী চাই ১০০ শুরকপা কুমওন ইং কুমজা ১৯৬৫ দা পাংথোকখিবা অসিবু করিগীনো হায়বসি হংনিংঙায়নি। ইং কুমজা ১৮৬৫ দা বাঙ্গলা লোন্দা ইবা উপন্যাস "দুর্গেশনন্দীনি" নত্তনা ভারতকী অতৈ লোন্দা, মসিগী মমাংদা অসুক ফজবা লাইরিক অমত্তা ইবা লৈখিদ্রি হায়বা অসি কাওদ্রগদি, কুমওন অসি পাংথোকপদা করিস্থু কায়বা লৈতে হায়বসি য়াবা তাবনি। "দুর্গেশনন্দীনি" পুথোরকলে; ইরোয়ননা বেঙ্গলী উপন্যাস মপুং ময়ৈ ফাবা অমা হায়বদু ওইরে।

লাইরিক অমগী চহি চাম্মা শুবা কুমওন পাংথোকপা, খুদম ওইনা,—The Folio of Shakespear—গী চহি ১০০ শুবা কুমওন পাংথোকখিবগী মতাংদি ঐখোয় তাখে অমসুং থেংনখে; অদুবু অখন্নবা "ঈশৈ" অমবু অসুম্না ইকায় খুম্নবা উৎপা, সিমদি ঐখোয় থেংনখিদ্রি। অদুবু বঙ্কিমচন্দ্রগী উপন্যাস "দর্গেশনন্দীনি" দা য়াওবা "বন্দে মাতরম্" হায়বা ঈশৈ অসিবু মরৈপাকনিংবা মীওই, কবিতাবু নুংশিজবা মীওই অমসুং ঈশৈ-নোংমায়দা মথবায় লুপচবা কয়ানা ঈশৈ অসিগী ১০০ শুবা চহি কুমওন পাংথোকখি। তোঙান তোঙানবা লোন লোনবা, তোঙান তোঙানবা ধর্ম্মদা থাজবা, অমসুং তোঙান তোঙানবা লমশিংদা লৈবা মীওই খুদিংমকপু "ঈশৈ" অসিগী মতেংনা অমত্তা ওইনা পুনশিনহন্দুনা, মখোয় ময়ামদা নিংথাতম্বা লাঞ্জংগী মৈরী চুখৎখি। হৌজিক্তি ঐখোয় নিংথা তমলে; অদুগা মনিংতম্বা—লৈপাক অমা ওইরবনিনা হেন্না ফবা পুন্সি নাওং অমদা ঐখোয় চংশিনবা ঙমলগনি। অদুগা মসিমক্তি বঙ্কিমচন্দ্রনা

মহাক্কী মমদ্বৎতানা য়েংবা মিৎয়েং অমসদ্বং ইথিলগা লোয়নবা খদ্বৎই কয়াগী মহৈনি।

বাঙ্গলাগী লময়ানবশিংগী মরমদতা ঐখোয়গী মিৎয়েং অসি থম্বা তারবদা, ভারতকী নৌনা য়াকায়রকপা (Renaisance) অসি তাংকক অনিথোক্লা খায়দোকপা য়াই। অহানবা তাংকক্লা, রামমোহন রোয়না লদ্বচিংদদ্বনা পারি পদ্বরীগী ওইবা ব্যাকরণনা পদ্বন্দদ্বনা থম্বা অদদ্বগী নান্থোকপা; অন্ধ-বিশ্বাস অমসদ্বং দর্শণ শাস্ত্রগী লদ্বরবা কয়া অদদ্ব থাদোকলে হায়রগা, নোংচুপলোমগী বিজ্ঞান অমসদ্বং ন্যায় বিচারনা পদ্ববা মাইকৈরোমদা চংশিনবা। অনিশদ্ববা তাংকক্তনা, নোংচুপলোমগী ঈথিলদা হেন্না চংশিনবনা অকায়বা পদ্বরক্কদবা কয়া অদদ্বগী, তুং-মাং, অমাং-অতোং কয়া অদদ্ব চোয় চাং ওন্দদ্বনা য়েংলগা, অরি অনৌ অনি পদ্বন্না চৎমিন্নবা। হায়র্বদি হৌজক্কী বিজ্ঞানগী ওইবা পোৎলম কয়া অমসদ্বং থাইনগী মদ্বনি ঋষিশিংনা চৎলম্বা, তাকপিরম্বা কয়া অদদ্বদা য়দ্বম্ফম ওইরগা, পদ্বন্সি দর্শণ অমা শাগৎপা অসিনি। অকোনবা তাংকক অসিগী খদ্বৎমাবদি বঙ্কিমচন্দ্রনি, মহাক্লা সংস্কৃতিদা য়দ্বম্ফম ওইবা ধর্ম্ম অমা শাগৎখি—মসিদা গীতাগী লাইনিং অমসদ্বং আগস্ট কোমদ্বটে (August Comte) গী শোকঙম উঙম্বা দর্শণদা য়দ্বম্ফম ওইবা (Positivism) হায়বা অনি পদ্বংবা চানা য়ানশিনহল্লে।

বঙ্কিমচন্দ্রনা ৱারেংগী ওইবা উপন্যাস অমা সাহিত্যগী পদ্বকৈদা খদ্বদোল তম্বতা নত্তনা, জোভ (Jove=নদ্বমিৎ কৌবা লাই) গী মকোক্তগী মিনারভা (Minerva=কলাগী লাইরেম্বী) চোংথোকরকপগদ্বমদ্ব, মহাক্কী শোয়নায়দ্রবা খোর্জে থোরকখি, অদদ্বগা সাহিত্যগী মহাও য়াম্না লৈবা, কল্পনাগী পোথোক কয়া পদ্বথোরকখি। মহাক্কী উপন্যাসশিং অমসদ্বং রচনাশিং অদদ্ব মহাক্লা ফোংবা হৌখিবা "বঙ্গদর্শন" কৌবা পাউজেল-চেʼদদ্বদা, তাকক নাইনা ফোংখি বেঙ্গলী চেফোংশিংগী মনদ্বংদা "বঙ্গদর্শন" অসি ইহান হানবা চেফোং অমা হায়বদদ্ব নত্রগসদ্ব; মগদ্বণদা য়েংলদ্বরবদি, হান্না ফোংলম্বা সাহিত্যগী ওইবা চেফোংশিং (Periodicals) দগী থোয়দোক হেন্দোকখি; অমসদ্বং তুংদা ফোংলকপা চেফোংশিংনসদ্ব মমিগা লাম্বা তৌবা ঙমখিদে। চেফোং অসিগী মরদ্ব ওইবা মগদ্বণদি পান্দমফম অমা থম্বা হায়বা অসিনা ওইখিঃ অৱাংবা থাক্কী ৱাখলগী

f
খুৎই, য়াম্মা পাণ্ডিত্ব ওইবগী মওং, মরিক চুন্না জবা ধুৎই, রচনা অমসুং Review পুম্নমক মীচং শঙ্গল নাইদবনা ওইখি।

মরম কয়ামুক' সিনা, "বন্দে মাতরম" হায়বা পাউজেল অসি পিনবীখিবা, বঙ্কিমচন্দ্রবু মগুণ লৈবা উপন্যাসকার অমনি হায়না খংনবতা নত্তনা, নত্রগা "ঋষি" হায়বা মিংথোল অসি পীবত নত্তনা, "সাহিত্য সম্রাট" ( সাহিত্যগী নিংথৌরেল ) হায়বা মিংথোল অসি মঙোন্দা খুদোল তমখি। হায়রিবা মিংথোল অসিদি, বঙ্কিমচন্দ্রগীসু হেন্না মচাক লৈনা ইবা, ভারতকী খুনাইদগী ইকায় খুম্ননিংঙায় ওইরবা, রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর ফাওবা ফংবা ঙমখিদে। বঙ্কিমনা থুপখৎবা তুংদা "বঙ্গদর্শন" কৌবা পাউজেল চে নৌনা অমুক হিংগৎহন্দুনা রবীন্দ্রনাথনা সম্পাদক ওইদুনা ফোংখি ; অদুবু "বঙ্গদর্শন" বু-পোকখিবা নিপা অদুনা হাপলম্বা থরাই অদুদি নৌনা অমুক হাম্পা ঙমখিদ্রে।

মতাং ওইনা, মাগা লাম্বা পাবদা চোপলোয়দবা মীশক অমত্তং থিবা তারবদি Great Cham নত্রগা Dictator of Literature হায়না খংনবা Dr. Johnsonদং থেংনগনি। মীওই অনি অসিগী মান্নবা অমসুং খেন্নবা নৈনবা অসিমকু পুকনিং লৌশিং ওইনিংঙায়। অৱাংবা থাক্কী কল্পনানা মশাগী মগুণ ওইবা বঙ্কিমনা অৱাংবা থাক্কী পোথোক কয়ামরুম থম্বীরম্মী। অমরোমদনা Johnson গী মগুন্না সধারণ জ্ঞান (common sense) চেনবা অসিনা ওইরম্মী অমসুং মহাক্কী মৎল রোয়দবা সাহিত্যগী খুদোলদি creative ওইবা ঙাক্তা নত্তনা অতে অতৈদসু খুৎ-থারম্মী খুদম ওইনা মাগী Dictionary, Edition of Shakespear অমসুং Lives of the Poets ( কবিশিংগী পুন্সি রারী )। অকোনবগী অসিনা মগুণ লৈরিবা অসিদি কবিশিংগী পুন্সি রারীদু নত্তে অমরোমদা মখোয়গী মরমদা তৌবা সমালোচনা অদুনি। খেন্নবা অসি ফমনক লৈদুনসু—অদুগা বঙ্কিমচন্দ্রনা সমালোচনা তৌবা মীশক অমা হায়বদু ওইজরবসু—মখোয় অনিমক্না পুন্সি অমসুং সাহিত্য অনি অসি খুৱক-উচনগুম্না মরী লৈনৈ হায়রবসিদা য়াই অনিমক্কী খুৎইদা অচুম্বা অমসুং লৈপাক মচা-তাবগী পরিং রাংমা লান্দে, মহাও লৈনা অমসুং রাখল পংশোয় নাইদনা (Sound judgement) ই অদুগা অনিমক্না কল্পনা (imagunation) গী থবক খুদিংমক নিংথিজবা পুন্সি অমা লেন্নবা পাম্বৈনি হায়না লৌই।

অচৌবা মীশক অমগী পুন্সিবু তেনখুবা মওং অমদা ইজবা অসিগীদমক্তা ঙাকপীগনি হায়জবগা লোয়ননা মতাং অসিরাইদা লৌইশিঞ্জনবা তৌজরগে ; অদুগা অসুম্বা খুৎই অসিদা করম্বা খুদোংচাদবা কয়াগা মায়য়োক্লবা তাবগে হায়বদুদি ইর্জারিবা মশাতনা খংজগনি। ঐগী মতম অমগী ছাত্র, Presidency College, Calcutta গী প্রোঃ অশোক কুমার মুখাজী না কুম্না শেন্নবীরমদ্রবদি অশোয়বশিং অসি হেন্না ময়েক লারমগনি।

পোন্দিচারীদা নৈবা Sri Aurobindo আশ্রমম্না, শ্রীঅরোবিন্দনা ইংরেজীদা হন্দোকপা “বন্দেমাতরম” অসি নৌনা ফোংজনবগী অয়াবা পিবিরকপা অমসুং অয়াবা অসি, ঐগীদমক্তা থুনা ফংনবা হোৎনবীখিবা কলিকাতাগী Sri H· K. Niyogi গী মফমদা তৌবীমল খংবা উচ্চরি।

সেপ্টেম্বর, ১৯৭৬। সুবোধ চন্দ্র সেনগুপ্ত

# পন্দুপশিং


| | | | |
|---|---|---|---|
| রাহৌদোক | ... | ... | ১ |
| অহানবা পন্দ্দপ | ... | ... | ১৩ |
| অনিশদ্বা পন্দ্দপ | | ... | ২৪ |
| অহুমশ,বা পন্দ্দপ | ... | ... | ৪৪ |
| মরিশ,বা পন্দ্দপ | ... | ... | ৫৪ |
| মঙাশদ্বা পন্দ্দপ | ... | ... | ৬৩ |
| হাপচিল্লকপা | ... | ... | ৬৭ |
| ইশৈদ্দ | ... | ... | ৭৪ |
| "বন্দেমাতরম্" | | ... | ৭৫ |
| বঙ্কিমচন্দ্রগী অইবশিং | ... | ... | ৭৭ |

# ৱাহৌদোক

বঙ্কিমচন্দ্রনা বাংলা সাহিত্যগী জগত্তা খোঙদারকখিৰসি ন়মিৎনা আতিয়াদা খংহুন হুন্দোরকপগা চাংদম্লে। নোংঙাম্ফ়ং ঙাম্ফ়ং তৌরকপদা ম়শি-ম়শিরবা মঙাল লাকই, চীখে হ়ল্লকপদগীদি ন়মিৎকী মঙাল কংলকই, লোয়ননা অকোয়বদা খিঙ়-খিঙ় লাউবা মতৌ উরকই। বাংলা সাহিত্যদা নওনা ভারতকী সাহিত্যসি অনম-অহা চুবগী মওংদা লৈরম্মী। ১৮৬৫ দা দ়র্গেশনন্দিনী প়থোরকখিবা, মদ়গী মতুং তাথরকপদা কপালকুণ্ডলা অমসুং অতোম্পা উপন্যাস কয়া থোরকপদগী মতম কুইনা তম্ম়রবা তুংদা সাহিত্যগী জগত্তা মিকপ থোরকখি, মদ়গা লোয়ননা বন্দে মাতরমগী পাউজেল মীপ়ম খ়দিংগী মচিন্দা য়োহনখি।

অদ়ব় মিকপ় থোক্লকপদ খংথোক থোক্লকপগ়ম্লা তৌখিবা নত্রা? মদ়গী মরম অমদি ইংরেজী লোলনা অফিসকী লোল ওইরকপা অমসুং শিক্ষাগী মর় ওইবা বিষয় অমা ওইনা লৌশিনখিবা চহিদগী মতুং চহি অহুম লৈরগা হারবদি ১৮৩৮ গী জ়নগী তাং ২৬,—ওইরোই হায়না খল্লম্বা কয়া অমা ওইরকখিবা মতমসিদা বঙ্কিমচন্দ্র পোকখি। ১৮৫৫ দা কলিকাতাগী হিন্দ় কলেজ হায়বদ় প্রেসিডেন্স কলেজ হায়না ওনখি, ১৮৫৭ তা বিশ্ববিদ্যালয় অহুম লিংখৎখিরম্মি; ১৮৫৮ দা বঙ্কিমচন্দ্রনা কলিকাতা বিশ্ববিদ্যালয়গী অহানবা গ্রেজ়য়েট ওইখি। ব্রিটিশনা হাই-হুম্না পাল্লকপা অমসুং নোংচুপ্লোমগী প়ন্সি মরেল অমদি ৱাখল কয়া শাফ়কন্না চঙশিল্লক—খিবদ়গী মাইয়োক্তা অকনবা—ঈহৌ অমা হৌরকখি, হায়বিবাসিগী খ়দম ওইনা সিফাই-লালহৌ নত্রগা ১৮৫৭ কী নীংতম-লাল হায়বদ়নি। অসিগম্ম়বা চিরবা মিকুপ তাঙ্গাসিদা মম়ৎতানা খঙহন্দ়না চৎফম থোকপা লম্বীদা চৎনবা লমতাকপিখিবা নিপাসি বঙ্কিমচন্দ্রনি।

বঙ্কিমচন্দ্র ১৮৫৮ দা ডিপ়টি ম্যাজিস্ট্রেট ওইনা সরকারগী থবক্তা চংখি, অদ়গা মতমদ়দদি বেঙ্গলগী মন়ংচন্না লৈরম্বা ওয়েষ্ট বেঙ্গল, ইষ্ট-বেঙ্গল অমসুং উড়িষ্যাগী তোঙান-তোঙানবা জিলা কয়াদা থবক প়হনখি—অদ়গা মহাক ১৮৯১ দা থবক্তগী পোত্থাখি। অফিসকী থবক্তা মহাক্কী হৈ-শিংবা, মপ়কচেল চেৎপা অমসুং-মীন়ংশি খঙবা মতৌনা লৈপাক ৱায়েলগী অর়বা ৱাফম কয়া

মায়োক্নখিবগীদমক মাবু মীপুম খুদিংমক্কা শকখঙনখি। মাগী তুংগী পুন্সিদা মীরৈবাক্কা খুদুম চনবদগী থোরকপা ফত্রবা ফল অমা ওইরিবা—লমদমসিগী মীয়ামগী শাগোন্নজরকপা মশা-মশাগী হৈ-শিংবা কয়া উচ্চনবগী তাঙ্গা ফংখিদবদগীদমক বঙ্কিমচন্দ্রনা তত্তনা তেংথাখিরম্মি। তরামাপলশুবা শতাব্দাগী ময়ায় চল্লকপদা খনায়দগী মবুন্থ মরোশিং লৈবা মীশক অমনা ওইবা-য়াবা ফমসি বাংলা সরকারগী এসিষ্টেণ্ট সেক্রেটরী ওইবা ফাওবতনি হায়বসি খল্লুবদা খোয়দো চাক্লিংঙাইনি। বঙ্কিমচন্দ্রনা থবক্তগী পোত্থাখিবা চহি ১৮৯১ অসি মতাং চাবা ওইনা ভারত জাতীয় কংগ্রেস লিংখৎখিবা চহি তরুক শরুকপগী অদুৱাইদা, মহাকসি বাংলা লৈপাক্তদা নওনা ভারত পুম্বগী ওইনা সাহিত্যদা শকনাইবা—মীশক অমা হায়বদু ওইরকখি অমসুং মাগী লাইরিক কয়া ইংরাজী লোলু অমদি অতোপ্পা লোল কয়াদা অর্থ হন্দোকখিরম্মি। তৌইগুম্বাসুং মশামক্কা তাঞ্জরম্বা তুংগী পুন্সিগী নুংঙাইবা মহৈদুদি মতম শাংনা চাজবা ফংখিদে। থবক্তগী পোত্থাবা মতমদগী হৌনা মশাদু ফৎলক্তবনি ; ১৮৯৪ গী হৌগৎলকপা অদুৱাইদদি য়াম্না কন্না নাখিরম্মি অমসুং চহি অদুমক্কী এপ্রিলগী তাং ৮ দা মহাক্কী অরোইবা য়াহিপ তানখি।

বঙ্কিমচন্দ্রগী সাহিত্যগী থৌদাংদা শৈরেংগী শরুকমখৈ থাদোক্লম্লগা উপন্যাস তরামরি ( ইংরাজীদা অমা ) অমসুং মখল-মথেলগী লাইরিক কয়া'মা ইরাম্মি—মসিবু ঐখোয়না তাঙ্কক অনি নত্রগা অহুম থোকা খায়দোকপা য়াই। বঙ্কিমচন্দ্রগী অঙনবা মতমগী সাহিত্যগা খেন্নবা পীরদুনা অরবিন্দনা অস্মুন্না হায়, "অঙনবা মতমগী বঙ্কিমচন্দ্রাদি শুপ্নগী কবি অমা অমসুং ৱাহৈ ৱাত ফজবা শিজিন্নবদা হেন্না পুক্নিং থিংজিনবা মীশক অমা ওইরম্মি অথেঙবা মতমগী বঙ্কিমচন্দ্রদি ঋষিনি অমসুং জাতিবু শেমগৎ-শাগৎপা মীশক অমনি।" অঙনবা মতমদা শুপ্নগী কবি অমা অমসুং ফজবা ৱাহৈ শিজিন্নবা পাম্লবা মীশক অমা ওইরম্বা বঙ্কিমচন্দ্র, মাগী মতুং তারকপা উপন্যাসশিংদা শেমজিন শাজিনবগী পাঙ্গল অস্মুম অস্মুম হন্থরকপগা লোয়ননা অচুম্বগী মায়কৈদা হেন্না হেন্না নকশিল্লকপগী মতৌ মীপুম খুদিংনা শোয়দনা থেংনগনি। প্রতিভা লৈবা লেখক অমনা তৌরম্বা থবকশিংদু নৈনগে হায়রবদি মায়কৈ কয়াদগী য়েংবা তাবনি। মতাং অসিদা চেষ্টরটন (Chesterton) গী তায়োন্নবা ওইনা তা-বা ৱাঙাঙু—অফবা মখলগী খুৎশেম

পাউতাক ৱারীমচাদি (Fable) পাউতাক্কী মর্শাক্কি, অদুম ওইনমক ফত্তবা মখলগী খুৎশেম ৱারীদা পাউতাক্তি অদুম য়াওই,—মসি ঐখোয়না খক মীরায়রোইদবনি। অদুবু মচা খায়না লৈনবা খুদোংচানবগী দমক অহান অকোনগী মায়কৈদা অশোয়বা লৈজরবস্মু বঙ্কিমচন্দ্রবু নিংথিনা মায় পাকখ্রবা উপন্যাসকার অমনি হায়না খন্নাদ্রিঙৈগী মমাংদা মহাকপু, হেঞ্জিন্না উশিনখিবা অমসুং ৱাখল খনবা মী অমা ওইনা লৌদুনা চথবা তাবনি। মরম অসিদগী মহাক্কী নহা ওইরিঙৈ, ওল্লিঙৈ মতমগী উপন্যাসশিং পান্নখৎলিঙৈগী মমাংদা অথেঙবা মতমদগী খুদোল —অরোইবা তাঙ্কক্কী অতেনবা ৱারেংশিং অমসুং উপন্যাসশিং নৈনবনা হেন্না মপুঙ ফবা হায়বদু ওইগনি।

রাজা রামমোহন রোয়না মাঙজিন থাদুনা তরামাপলশুবা শতাব্দীদা থোকহন-খিবা মিৎকপ অদুবু বাঙ্গালাগী নোহোনবা সাহিত্য অমসুং কলাগী ঈরাং নএগা ভারতকী নোহোনবা সাহিত্য অমসুং কলাগী ঈরাং হায়না শিঙথানরি। তৌবগীদি মসিদা শিজিন্নরিবা ৱাহৈসি খরমথৈদি লান্না শিজিন্নরমদবা নত্তে। ১৪৫৩ দা কোন্সটান্টিনোপল (Constantinople) না মরাই চায়থরক্লবদা নোংচুপ লোমদা চেনখিবা অৱাংবা থাক্কী পণ্ডিতশিং অদুগী মপান্দগীনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লবসু ইউরোপকী নোহোনবা সাহিত্য অমসুং কলাগী ঈরাংদুদি গ্রীক্কী অৱাংবা থাক্কী পণ্ডিতশিংগা তোৎন-তিন্নরুবদগী থোকখিবনি হায়বদা চিংননিংঙাই মরম লৈতে। অদুগা ভারতকী মিৎকপ থোরকখিবা অসিদি অনৌবা অমসুং মীরৈবাক্কী ওইবা কয়াগা তিন্ন-তোৎনরুবদগী থোরকপা ফল ওইনা ঐখোয়গী সাহিত্যদা, দর্শন্দা অমদি সমাজগী চৎনবী কয়াদা থাজবা মাঙলকপা ওইনা থোকই। মসিগী মরমদি হেক হৌবদগী হৌনা অনৌবগা অরিবগা অমসুং লমদমসিগী ওইবা-মতৌগা মপালগীগা অনিগী—মরক্তা শাথিনা লোন্দিন্নদবা অমা অদুম লৈরকখিবননি। রাজা রামমোহন রোয়না সরকারগী সংস্কৃত কলেজ অমা লিংখৎপগী মতাংদা তশেংনা মদুগী মায়োক্তা লৈখি ; মাগী ৱাখলদা মদুনা অন্ধবিশ্বাসকী মহুম শারগনি হায়না লৌখি। অদুবু মদু লিংখৎপদি লিংখৎখিরম্মি। য়াম্না ঙক্লা থোকখিবা অমনা—মসিগী থোইদোক হেন্দোকপা পোথোক অমা ওইখিবা ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসাগর ধর্মদা রাম্না হেন্না থাজবা নোংচুপলোমগী ৱাখল চেনবা ব্রাহ্মণ অমা হায়বদু ওইরম্মি। মতমগী ওইবা অওনবা মতৌ কয়া পুরক্লবা হোৎনবদা অরিবা লাইরিকাশিংনা

শোগৎনবগী দমক মহাক্না মপান-নাইদনা লাইরিক পাবা তাখি। খৃষ্টান ধর্ম-শন্দোকপা কাঙবৃশিংনা নিংথিবা ৱারেংদা খৃষ্টান ধর্ম শন্দোরকপগী মায়োক্তা ব্রহ্মবাদ (Brahmoism) কৌবা অনৌবা ধর্ম্ম অমা ফাওগৎহল্লকখি, মসি ইসলাম ধর্ম অমদি ইউনিট্যারিয়ানিজম (Unitarianism) গী লমন তোল্লবস্থু তেশেংবমক মসিগী মমিংসিনা তাক্লিবাদি উপনিষদ অমস্থুং অদ্বৈত বেদান্ত ধর্মবৃনি। ব্রাহ্ম-ধর্ম্মনা হিন্দৃশিংগী ৱাখলদা অনৌবা কয়া'মা পৃরক্লবস্থু শগৈ-জাৎ খেন্নবা লৈবা হিন্দৃ সমাজনা খেন্নবাসিদগী নান্থোকখিদবদি নত্তে অমস্থুং মসিনা লাইগী তোঙান-তোঙানবা শক্তম্বৃ লাৎনবগী চৎনবীদৃস্থু অথিংবা পিরমদে।

বঙ্কিমচন্দ্রগী ৱাখলদি—অসিগৃম্বা ৱাখলগী য়ৃক্ষম অসিগী মায়োক্তা থমগনি অমস্থুং মানা কদায় ফাওবা তোংঙান-তোঙানবা সংস্কৃতিশিংবৃ চুংশিন্নবা হোৎনখিবা কদায় ফাওবা অমত্তা ওইনা পৃনশিল্লবা দর্শণ অমা পৃথোক্লবা হোৎনখিবা অমস্থুং মতৃ পৃম্বগী কান্নবা লৌবনি হায়না শীরকপা মরালবৃ কদায় কাওবা শেংদোক্লবা হোৎনাখিবা হায়বসি উৎপা তাবনি। থাম্মোয়বৃ খৃদৃম চন্‌বা হায়বসি নৃংঙাইবা অমস্থুং অচৌবা মতৌ ফংনবগী অমত্তা ঙায়বরা পাম্বৈনি খন্দৃনা মসিদা হেন্না পৃক্লিং চঙশিনবগী মত্তং মাগী লাইরিকশিংদা তোয়না থেংনরবা ৱাফম্ল। শশিসেখর ভট্টাচার্য ওক্তবা থবক্তা হৈনরবা শাথীরবা নহা অমা ওইরম্মি, বঙ্কিম-চন্দ্রগী ইহান হানবা উপন্যাস দৃর্গেশনন্দিনীগী ৱারি থোরকপদগী মহাক পৃক্লিংগী অপাম্ববৃ খৃদৃম চনবা—ঙম্নবা সন্ন্যাসী, সাধৃ অমস্থুং লাইনিঙবা অমা হায়বদৃ ওইখি। মহাক্কী অনিশৃবা উপন্যাস কপালকুণ্ডলাদা মতিবিবি,—মোগল কোর্টতা লৈবী নৃংঙাইবতা পাম্বী নৃপী অমা ওইরম্মি, মহাক মশামক্না মশাবৃ লৈরাং অমদগী লৈরাং অমদা পাইদৃনা খোইহি চৃপচবী হয়িংখোইনি হায়না লৌজরম্মি। অদৃবৃ চহি—কয়া কায়নরৃরবা মপৃরোইবগী নৃংশিবদা লৃম্পৃবদগা মহাক্না তত্তনা তান্নরিবা নৃংঙাইবাশিংদৃ করিস্থু নৎলমদ্রে হায়বা খঙলকখি। মহাক্কী মরিশৃবা উপন্যাস বিষবৃক্ষ ( হৃপাম্বী )—থম্মোইবৃ খৃদৃম চনবা হায়বা ধর্ম্মদৃগী চপচাবা পাউতাক্লি হায়না লৌনৈ। মহাক্কী অনৌবা লাইরিকশিং—উপন্যাস অমদি অতেনবা ৱারিশিংদা য়াম্না পৃক্লিং চঙনা নৈনরিবা অমস্থুং মগৃণ লৈরবা লাইরি-কশিংদগী ৱাহৈ কয়া লৌথোক্তৃনা মীয়ামদা উৎনিংলিবসিস্থু হায়রিবা পাউতাকসিনি।

বঙ্কিমচন্দ্রবু কবি অমা ওইরম্বদগী হেন্না ঊশিন-খঙজিনবা অমসুং অফ ফত্তগী পাউতাক পিবা মীশক অমা ওইরকখিবনি হায়বদি য়ারোই। অফ-ফত্তগী মরমদা পীবা পাউতাকশিংদু হেন্না হেন্না খোঞ্জেল কনখৎলক্লবসু অমসুং শেমজিন-শাজিনবগী পাম্গল মরক মরক্তা হন্থরকপা থেংনরবসু মদুগীমপুং ফানবগী পরিংদি লেম্পা লৈতনা চথবনি হায়বসি খঙনগনি। মী ওইবনা নুংঙাইবা জয় তৌবা হায়বসি মশাগী ওইজবা থিবনদি ওইরোই, মশাগী ওইনা অথিংবা থম্বতনা ঙমগনি। অদুবু অথিংবা থম্বা হায়বসি য়ানিংদবগী চঙখোনবা মতৌনি, পুক্নিংগী ঈথিনবু নমথবদগী হেন্না ৱাংবা পান্দম অমা লৈত্রবদি থম্মোই খুদুম হায়বসি ইশাগী থৱাই অমসুং হকচাংবু পুন্না মাঙহনবনি হায়না লৌগনি ; অদুগা লোয়ননা মপান নাইদ্রবা অপেনবা মতৌবু পুমহাঙ হাঙহনবতনা পুন্সি হায়বদু ওইগনি। খৱায়দগী হেনবা মপুংফাবা মতৌদু ফংলবতদা পুন্সিগী খোৱাংবা পোক্লক্লই ; মনা য়াম্ন-পানবা গুলাপ্পা মনুংগী লৈনাদু পাক্লা-শন্না শন্দোরকপ-গুম্বনি। বঙ্কিমচন্দ্রগী দর্শণদি অনেম্বা থাক্তগী অৱাংবা পুন্সি ওইরকখিবনি হায়বা নিয়মদুগা মরী লৈনরম্মি। মসিগী মতাংদা মহাক্কী খুৎইগা ডারৱীন (Darwin) অমসুং স্পেন্সরগী (Spencer) গী খুৎইগা-য়াম্না মান্নরম্মি। পুন্সি অসি পাম্গলগী, ফজবগী অমসুং জ্ঞানগী ওইবা তোংঙান-তোংঙানবা—শরুকশিং অসি চাংমান্নরা ফগৎলকপগী মহৈ অমা ওইরিবা মীওইবগী মপুং ফাবা মতৌ ফংনবগী লেম্পা নাইদ্রবা আশানি। সীলি (Seely) না হায়, "ধর্ম্মগী মচং ওইবা ৱাফমদি সংস্কৃতনি, মদুগী মহৈনা হেন্না ৱাংবা পুন্সি অমা ফংবনি।" বঙ্কিমচন্দ্রনা মাগী অরোইবা উপন্যাস দেবী চৌধুরাণীগী পান্দম ওইনা মথক্কী ৱাফমসি পনখি।

কৃষ্ণবু লাইপুম্বাগী মকোক—ওইনা শায়োল্লকপনি হায়বগী মহুত্তা, মী মরক্তা মী অমা ওইনা লৌদুনা মশাগী ওইবা ৱারীগী মত্তং অমা পুথোক্লম্মি। মসিসু নোংপোক অমসুং নোংচুপকী খেন্নবা ৱাখলগী মরক্তা খরমখৈ য়ান্নবা মত্তংগী লংদাইনি। নোংচুপ্লোমদগী মানা লৌরক্লিবা ধর্ম্মগী চাওখৎপা মত্ অদু নোংপোক্লোমগী চাওখৎপদসু য়াওরম্মা থেংনখি—মহাভারতকী কৃষ্ণদা। মহাক্লা অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা মতাংগী হৌজিনবা ৱারিগী শরুক্তু লৌথোক্লগা মহাভারতকী মশাগী ওইবা অহানবা শরুক্তা য়াওরিবা কৃষ্ণদুবু উৎননবা হোৎনরম্মি। মহাক্কী থৌরাংসি তশেংনমক মায় পাকখিবদি নত্তে। মসিগী

কৃষ্ণাসাদি ব্রাখল অমনা মীগী মশক লোইল্লবা, মীওইবগী মতৌ য়াওহন্দনা উৎপদগীদি মী মরক্তা মী অমা ওইনা উৎপাসিনা হেন্নদ্রম নোম্পি হায়না রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা চুম্না উৎলম্মি। অদ্রবদ্র ঐখোয়না মতাং—অমিদা লেখক্কী খদ্রৎপদ্রথোকপদ্রদি মাগী ব্রাখলদনা হেন্না পদ্রক্লিং চঙফম থোকই। মহাভারত্তা লীরিবা কৃষ্ণগী ব্রারীসিবদ্র বঙ্কিমচন্দ্রনা মশক অহুম থোক্লা পদ্রথোক্লবা হোৎনখি অদ্রবদ্র হায়রিবা থাক অহদ্রম অদ্রদি মহাভারত মশামক্তা অদ্রম্মক য়াওজরবনি। অহানবা থাক্তা কৃষ্ণ মী অমা ওইবগী শাজৎ চৎলি, মঙোন্দা লাইগী ওইবা মরী থমদে ; মতুংদা মরদ্রওইনা ভাগবতকী ব্রারিদা লাইপদ্রম্মাগী মকোকথোংবা ওইনা শায়োল্লকপগী মতৌ, থোইদোক হেন্দোক্লা দর্শনগী নিয়ম কয়াগা কোন্ননা ; অদ্রগী মতুংদনা বৈষ্ণবশিংগী নদ্রংশিবা কয়া'মগা শাগোন্নবা মমিংদা লাৎনরিবা ঈশ্বরগী মশক্তা উৎলি। মী অমা ওইবগী চপ্চাবা মতৌ উৎপা, মহাভারতকী ওইবা অহানবা থাক্তা য়াওবা কৃষ্ণদ্রগী মরমদানি বঙ্কিমচন্দ্রনা লীরিবদি। মীওইবগী লৈবাকমচা তাবা মতৌনা হেক য়োবা য়াবগী—ঙমখৈ ওইরবা—মহাক্কী পদ্রক্লিংগী ওইবা পাঙ্গলশিং, হকচাংগী ফজবগী অমসুং ধর্ম্মগী ওইবা শরদ্রকশিংবদ্র হায়রিবা কৃষ্ণসিনা নিংথিনা শেমগৎখদ্রবনি। অমসুং মপদ্রংফানা শেমগৎলবা মীওইবগী মতৌসিবদ্র মহাভারতকী থোদোক কয়াদা মরদ্র ওইনা কৌরব অমসুং পাণ্ডবকী লানগী মরদ্র ওইবা ব্রারিদা থবক ওইনা পাঙথোকহনখি।

কুরদ্রক্ষেত্রগী চাউরবা ধর্ম্মগী লাম্ফমদা কৃষ্ণগী পান্দম অমসুং ফিদম করিনো ? বঙ্কিমচন্দ্রগী মত্তদি মতমদ্রগী ভারত্তি, মতমপদ্রম্বদা অমগা অমগা তক্তনা য়েংশিন্নবা নিংথৌপানবা লৈপাক মচা-মচা কয়ামরদ্রম থোক্লা খায়দোক্লাম্মি ; পদ্রম্নমকপদ্র নমথবা ঙম্বা নিংথৌ অমা হেক লৈত্রিবমখৈদি ভারত্তা শান্তি অমসদ্রং চাওখৎপা হায়বদ্র খক ওইরোই। পদ্রক্লিংদা থম্লিবা পন্থদ্রংসিবদ্র য়োহনবা তারবদি অপিকপা নিংথৌশিং ঙম্নমক মাঙহনখিবা তাবনি। নিংথৌ শাগৈ ঙম্না তুমখিবা, মতম শাংনা শোক্লখিবা লাঞ্জাও অদ্রগী মরদ্র হদ্রনখিবা মসিদগীনি। ইতিহাসকী শরদ্রক অমা ওইনা লীরিবা ব্রারি—মসিদি চুম্নগী পংশাদা শাগৎপা ব্রারিনি, অদ্রবদ্র ঐখোয়াগা হেন্না মরী লৈনরিবদি ইতিহাসগী ওইবা খদ্রদোলসি নত্তে, বঙ্কিমচন্দ্রগী দর্শননি। বঙ্কিমচন্দ্রনা অতৈ মতাংশিংদা তৌবগদ্রম্না মসিদসু মীওইবগী মথোগী মরমদা মহাক্কী মত পিরি। কৃষ্ণদি কুরদ্রক্ষেত্রগী লাঞ্জাওদা

মাঙ-তাকহনখিবশিংদ্ববু কুম্মৈ ওইনা য়েংখিবা মীশক্লি, মহাক্না মদুবু থিংনবা করিমতা তৌখিদে. তশেংবমক মদুতা থোক্লবা শীনখিবনি। মদুদি করিগীনো? বঙ্কিমচন্দ্রনা লৌরিবা মীওইবগী মথৌ হায়বসে মরম লৈতনা হেক্তা পোক্লকপা নত্তে, হৌজিক্কী মতমগী মীওই খরনা কৌনরিবা সমাজ-অর্থনীতিগী মচাকশিং হায়রিবা ম:মশিং অসিনা মীওইবগী মথৌ খরমথৈদি লেপ্পি। হায়রিবা ফিভম অসিদা কৃষ্ণ—লাইনত্তনা মী অমা ওইনা ভারত্তা শান্তি অমসুং চাওখৎপা হায়বসে মাঙহনবতনা পুরক্কনি হায়না লৌখি, মরম অসিদগীনি মহাক্কা অর্জুনগনা অনৌবা চাওখৎপা অমা পুরক্লবগীদমক্তা মাঙ-তাকহনবগী থবক্তদা মথৌনি হায়না লৌখিব্রা।

মসিদা বঙ্কিমচন্দ্রগী ব্রাখল মমাংঙৈদগী পংহোং-হোংদবগী মতৌ খরস্থু ঐখোয়না থেংনৈ। মীওইবগী মথৌ হায়বসে পুক্লিংগী ইহুল নত্রগনা দর্শণগী মশাগী ওইবা মওংনা লেপকদবা নত্তে; অশেংবা ফিভম অমদি ঐখোয়াগা য়াম্না নক্লনা লৈরিবা সমাজগী কায়াৎশিংনা লেপকদবনি। তশেংবমকস্থু, কৃষ্ণনা নুপী কয়া লুহোদুনা লৌখিবগী মতাংবু কনখৎলদুনা মহাক্কী ব্যাখ্যাসি তৌখিবনি। কৃষ্ণগী ব্রারিশিংদা হেঞ্জিনবা কয়া'মা য়াওই হায়বসিস্থু মহাক্না উৎলি; অদুবু মহাভারতকী অহানবা মতাংদা কৃষ্ণ-নুপী অমদগী হেন্না লৈ হায়বা প্রমাণ তৌজরবস্থু মদু মঙোন্দা মরাল শীগদবা নত্তে, মতমগী খোঙচৎনা মদু ওইহল্লম্থম য়াই হায়না বঙ্কিমচন্দ্রনা লৌই। মরম অসিদগীনি মালাবারিগুম্বা সমাজস্থুধারকশিংদা বঙ্কিমচন্দ্রনা শাথীবা মতৌ উৎখিব্রা। মসিমক্লা নুপী লোনবা অমদি সমাজগী ফত্তবা চৎনবী কয়াবু মানা শৌগৎপগী ব্রাদী নত্তে। চাওখৎপা হায়বসিদি ফজবা শাজৎ অমদি রাজনীতিগী মপুঙফাবা মতৌদনা ফংবা ঙমগনি অমস্থুং মতমদুদা সমাজগী ফত্তবা চৎনবী কয়াস্থু মশা মতোমতা মাঙজখিনি হায়বসি মহাক্কী ব্রাথন্নি। নিয়ম অসিবু শৌগৎলদুনা সমাজ-স্থুধারগী শেংলবা লান্দা অচৌবা শরুক লৌখিবা ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসগরগী ফত্তবা হেঞ্জিনবা মভোগী ফিদম কয়া বঙ্কিমচন্দ্রনা পুথোকখি।

ধর্মতত্ত্ব অমদি অতে লাইরিকশিংদা মহাভারতকী কৃষ্ণসি খদায়দগী ব্রাংবা থাক্কী লৈবাকমচা তাবা মতৌনা পুল্লবা মীশক্লি হায়না বঙ্কিমচন্দ্রনা উৎলম্মি। অদুবু হায়রিবা কৃষ্ণ—অসি মশাগীতা য়েংদুনা অরৈবা খুদিংমক অমস্থুং মীপুম

খুদিংবু শিজিন্নবা মশাগী ওইজবা য়াম্না তানবা অমগুম্নসু উহল্লি ; মতাং অসিদা পুক্লিংগী ইথিনপুম্বা মশাগী কান্ননবা থবক্তদা শিজিন্নবা ওইনা উবা বর্নাড শো (Bernard Show) গী সিজর Caesar) অমসুং ব্লুণ্টলী (Bluntscli) বু ঐখোয়দা নিংশিংহল্লি। অদুবু বঙ্কিমচন্দ্রনা পুন্সিগী অপাম্বাশিংবু ফংবতনা মসিগী পন্থুংনি হায়বদি য়ারমদে তৌরিবা থবক খুদিংমকসিগী মরম অমমমদি লৈগনি—মীওইবগী ফননবা, মশিংয়াম্বা—মীশিংগী ফননবতা নওে, মীওইবা জাতিপুম্বগী নত্রগা লৈশেম-নুংশেম পুম্বগীনি। কৃষ্ণবু লৈশেম-নুংশেম পুম্বগী মপুনি হায়না লৌরবদি, মদুদা মহাক য়াওই হায়বসিসু নিংশিংগদবনি ; অদুনা জীববু সেবা তৌবা হায়বসে থবায়দগী নিংথিবা মওংগী লাইনিংনি। বঙ্কিমচন্দ্র রাজনীতিগী ব্রাখল নিংথিনা লৈবা মীশক অমনি ; মহাক্কী মতপু রাজনীতিগী ওইনা অহোংবা পাম্বা কাওবুশিং অমদি বৃটিশকী শাসনবু শোগৎপা কাওবু অনিসিমক্লা পাম্মরম্মি। মহাক্কী রাজনীতিগী ব্রাখালদা তাইওন্নবা করিসু য়াওরমদে। সরকার হায়বসি প্রজাগী হিরম খুদিংদা য়াইফনবা অমসুং মরম খুদিংদা খুদোংচাবা পিনবা লৈবনি ; হায়রিবা খুদোংচাবশিং অসিবু ফংলবদি মীরৈবাক মচানা শাসন তৌবা হায়বসিসু ফত্তবা নত্তে হায়বসিদা নত্তনা ফত্তবা শুকওই ওইরোই হায়বমক য়াই হায়বসি মহাক্কী মতনি। মহাক্লা বাঙ্গালাদা পাম্লম্বা মোগলগী শাসনগা পাঠানগী শাসনগা চাংদম্নে। শাসনগী লম-মদা মোগলশিংনা পাঠানশিংদগী য়াম্না হেন্না মতিক চারম্মি, অদুম্নাদি ওইরগা পাঠানশিংগী শাসন মখাদা লমদমসিগী ওইবা পীথোরকপা কয়া য়োকখত্নুনা হিন্দুগী অনৌবা য়াওন অমা বঙ্গদেশতা পুরকখিবা, মদুগী চপ চাবা খুদম ওইনা অতৈ কয়া' মগী মরক্তা নবন্যায় (Navyanyaya) অমসুং বৈষ্ণব দর্শণ (Vaishnava Philosophy) পোক্লকখিবগুম-মোগলশিংনদি তৌখিদে। মায়কৈ অসোমদা য়েংলগা বৃটিশ সরকারগী নত্রগা লমদমসিগী নত্রগা মপাল লমগী শাসনবু ফবরা ফত্তবরা হায়বদু লেপকদবনি

প্রজাগী ফনবা তৌবা হায়বসি রঘুনাথ শিরোমনি নত্রগা শ্রীচৈতন্যগুম্বা থোইদোক হেন্দোকপা মশাগী পীথোরকপা মগুণ কয়ানা লৈতেংবা মীওই খরগীতা খুদোংচাবা পীবা নওে ; অচৌ-পিশক থিদনা, লায়র-ইনাকখুনবা খায়দনা মীয়াম পুম্বগী অধিকার অমদি খুদোংচাবা কয়া পীববু খণ্ডনগনি। মসিদা বঙ্কিমচন্দ্রগী পন্থুং অমা ঐখোয়না থেংনৈ—লৈবাক মনুংগী ওইবা

ফিদম্নফম ওইবা অওনবা অমা পুৰক্লবগী লালহো। মহাক মীয়ামগী মরক্তা মান্নবা থম্বব পাম্মা মীশক অমনি; মসিনা খেন্নবশিং মাঙহনবগী ৱাদি নওে। বর্ক (Burke) গী ৱাহৈগী ওন্নবদা মান্নবা হায়বসি চপমান্ননবা তেম্মা নত্তে হায়না মহাক্তি হায়গনি। ট্রেইলস্ (Troilus) অমসুং ক্রেসিদা (Cressida) দা ইউলাইসেস (Ulyssee) না হায়খিবগুম্না 'চাং' অমাদি লৈগনি, অদুগা সমাজ অমসুং সরকারনা মান্নবা অধিকার অমসুং খুদোংচাবশিংদি শোয়দনা ঙাক্কদবনি। বঙ্কিমচন্দ্রগী কমলাকান্তসু সো (Shaw) গী অলফ্রেড ডোলিটলগুম্না (Alfred Dolittle) লায়রবা থমদবদা শৌগৎপা মীশাক্নি। কমলাকান্তগী হৌদোংনা হায়, "ঐনা নংগী শঙ্গোম লোন্না থক্লুবগীদমক নংনা ঐবু চৈনা ফুরি—মদু কনাগুম্মা শক্লাইবা, খুদম ওইনা—মহে মশিং হৈরবা পণ্ডিত অমনা তৌরম্মা থোক্লবদি নংগী অপেনবা মতৌ উৎলমগদবনি। মদু করিগীনো? অরাম্বগী অৱাবসে ঐঙোন্দদি ৱাৎপরা?" পুক্লিংদা ফাওরিবা নুংঙাইতবা অসিনা শৌগত্তুনা য়াম্না নিংথিজরবা মত্তংগী ৱাকৎ অমা বঙ্কিমচন্দ্রনা থাঙ্গৎলি—হৌখিবা শতাব্দীগী চহি হুস্ফুতরা চঙলকপদগী, কুইরবা মতমসিবু নিংশিংদুনা—জমীন্দারী পথাপ মুখৎনবা অমসুং লৌমীদা লো—পিনবা।

নীতিশাস্ত্রগী য়ুস্ফম ওইরিবা থম্মোয় খুদুম চনবা অমসুং মীওইববু নুংশিবা মতৌ উৎপা হা বসি করিনা পুক্লিং থোংগৎকদগে হায়বসিসু হংবা য়ারিবনি। বঙ্কিমচন্দ্রদি ঈশ্বর থাজবা মীশাক্নি। ঈশ্বর লৈ হায়বসি হান্না য়ানদ্রিবমখোঁদি মদুদা নৈনরুবা অমসুং য়েৎনরুবগী কান্নবা লৈতে হায়বসি মহাক্কী মতুনি। মহাক অফ-ফত্তগী মত্ পিবা মীশক অমসু ওইরম্মি। মহাক্কী ৱাখল পরিংগী মত্তং অমসুং মচাক্তি তরানিপালশুব শতাব্দীগী ইউরোপকী দার্শনিকশিং, ইউটিলিট্যারিয়্যানিজম্ (Utilitarianism) অমসুং পোজিটিভিজম (Positivism) দগী লৌরম্মি; অদুবু ঈশ্বর লৈতে—হায়বা ধর্ম্মমত অসিগী মায়োক্তদি মহাক লৈরম্মি, অদুনা মিল (Mill) গী প্রভাবতা ইখিবা ৱারেং অতেনবা খরদি অদুস্মক নমশিন্দুনা থমখি অমসুং কমলাকান্তগী মতেংনা ইউটিলিট্যারিয়্যানি-মখোয়গী অধিকার অমসুং খুদোংচাবশিং অদুবুসু খঙবিগদবনি হায়রি—হাসিম জিশ্বু করাম চাউবা দর্শননি হায়না মতৌ তমদুনা করেম্নখি। তৌরিবা খুদিংমক ঈশ্বরদা কথোক্কদবনি হায়বসিনা মাগী অপাম্বনি; আনন্দমঠকী ৱামাং য়ানবদা মশাদা ভক্তিবু য়াওদ্রবদি মথর্দায়ফাওবা বলিদান তৌদুনসু কান্নদে হায়রি।

ঐখোয়না ঈশ্বর হায়বসি মফমপুম্বদা লৈ, মানা খুদিংমক্কী লমতাকপনি অমসুং অচুম অরানগী বিচার তৌরিবনি হায়বসি নিংশিংলবতদা ঐখোয়না মালেম্বদু, মীওইবা জাতিবু তশেংনা নুংশিবা ঙমগনি অমসুং ঐখোয়গী থবক খুদিংদা ইশাগী ওইজবা থাদোকপগী মমি তাগনি ; ঈশ্বরগা মরী লৈনবা মতাংদদি চিংনবা অমসুং য়েংনবগী মফম থম্লমদে। ঐখোয় পুম্নমক্কী মথক্তা ঈশ্বর লৈ হায়বসি য়ারবতদা ঐখোয়না তৌরিবা খুদিংমক পৃথিবীগী অফবা ওইগনি। মহাক্কী অসিগুম্বা দর্শণসিদি অচুম-অরানগী ব্রাখলদা চথবনি হায়বদি য়ারোই। মসিগা য়াম্না হেক নক্লবদি দার্শনিক খরনা কৌনবা ভলন্টারিজম (Voluntarism) নি ; মসিনা তাকপদি লন্নাইগী ওইবা নিয়ম খরদি লৈরবা, অদুগা মদু তা-নবদি শাগৎপা য়াদ্রবা নত্রগা থেংনখ্রবা অচুম্বাশিংগা চুংশিন্নদুনা য়েংবদসু য়াদ্রবা ; মতমদুদা ঐখোয়না মদু শিজিন্নদুনা ইরায়-লায়না লেপ্পি হায়বসিনি। মদুবু অমুক্তং শিজিন্নখ্রবা, মহাক্না অচুম্বা ব্রাখলগী পরিংদা হৌজিক্কী অচুম্বশিং অমসুং মমাংগৌ ইতিহাসগী মরী-থমদুনু মাগী তর্কশিংদু প্রমান তৌনবা হোৎনৈ।

মীওইববু নুংশিবনা নত্রগা ধর্ম্মদা পুক্লিংলুপ্পনা অফবা লমচৎকী লমজীঙ্ পিদুনা নত্রগা শোয়ফদ্রবা ব্রাফম ওইহন্দুনা মীওইবগী অফবা হায়বদু তশোংনমক ফংহল্লগদ্রা ? বঙ্কিমচন্দ্র মশামক্লদি খ্বাইদগী শাথিবা মত্তংদা মীওইবগী মাঙনবা তৌবা খরনসু ঈশ্বরগী অনীঙ্বদু তৌরি হায়না খঞ্জবগী ব্রাফম পল্লি। ধর্ম্মদা থাজবা ভক্তগা ধর্ম্মদা মমিৎতাঙলবা মীওইগা, ফিদম্নফম ওইবা ব্রাখলদা লুপ্পা মীগা, মবুদ্ধি শোইনাইরবা মীওইগা—মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবগী লৈই অসি কনানা চিংলগনি ? অমুক্কসু ঈশ্বরগী অঙাক্তবা মনাইশিংনা মাঙহনবদগী শরুক কয়া কয়া হেন্না মীওইবগী ফনবা তৌবনা মখোয়গী পান্দম্নি হায়না ব্রাশক লৌখ্রবো মীওইশিংনা মাঙ-তাক্লবগী লম্বীদা তক্তনা চঙশিল্লি। ব্রাকমসি বঙ্কিমচন্দ্রনা পাকথোক চাউথোকহন্দ্রবসু, য়ানিংদবসিগী পাউখুম ওইনা মীওইবগী ফনবা তৌনি হায়না বাশকপদা নওনা হাসিম শেখ অমসুং পারানমণ্ডলগুম্বা লৌমিশিং অমসুং ঙাফাবা রাম—মখোয়শিং অসিনা য়ুম্ফম ওইরগা সরকারগী মতিক চাবা চাদবা মতৌগী খ্বায়দগী ব্রাংবা চাংয়েং লৌগনি। মসিতন জাতিগী চাওখৎপগী য়ুম্ফম ওইগনি অমসুং জাতিগী থোইদোক হেন্দোকপা কয়া শাৎকায়রক্লবগী শোয়ফদ্রবা মরম হায়বদুসু ওইগনি।

মতৌ অম্মুন্না বঙ্কিমচন্দ্র, ৱাফম কয়াদা মশাগী অহোংবা লৈত্রবস্থু, হৌজিক মতমগী সমাজবাদীগী লময়ানবা হায়বদু ওইরকখিরম্মি।

আনন্দমঠ, অথোইবা রাজনীতিগী ওইবা উপন্যাসনি, মরমদি মসিনা অহানবা ওইনা মীয়ামগী খোঙ্জেলবু উৎলি। সন্ন্যাসীশিংদু সংসারগী ওইবা ৱাখল ঙন্নমক থাদোক্লবনি অদুবু মখোয় মীয়ামগা লোয়ননা, মীয়ামগীদমক্তা অমস্থুং মীয়ামগী ওইনা লৈ। মখোয়গী খোঙথাংদা মীয়ামগী অৱাবগী মমি তক্তনা তাই অমস্থুং মখোয় তশেংবা মরৈবাক নীঙ্‌বা অথোবা ঙাক্তনি; মরমদি মখোয় ঙন্নমক লমদমসিগী মচা ঙাক্তনি। সন্ন্যাসীশিংসিনা লৈবাক নিংথিনা ঙাকপা ঙমদ্রবা মপাঙ্গল শোল্লবা মুসলিমশিংগী মায়োক্তা লৈশিন্নবনি অদুগা মখোয়না তশেংনা লান্নৈংনরিবদি ইংরেজশিংগী মায়োক্তনি অমস্থুং ইংরেজশিংবু হিংসাগী পাম্মৈনা লৈবাকসিদগী তান্থোকপা পাম্মা মীশিংগীদি আনন্দমঠ অসি শেংলবা ধর্ম্মগী লাইরিক্কুম্বনি। মীয়ামগী অধিকার অমদি খুদোংচাবশিং ঙাক্লনবা, মতম অমস্থুং মফমগী মখা পোনবা লৈতনা আন্দোলন পুম্নগী পুক্নিং “নহারোলশিংগী লেংপা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা ঈথকপু কনানা থিংবা ঙমগনি?” সন্ন্যাসীশিংনা শকই অমস্থুং মসিনা মতমপুম্নগী ওইনা লৈবাক কয়াগী নহা ওইরিবা নুপী নিপাশিংগী মফমদা পীবা লানগী লাল্লাউর্নি।

মায়কৈ অসোমদা য়েংলুরগা ভারতকী সাহিত্যগী লনগৈদা খবায়দগী অথোইবা ওইরিবা ‘বন্দে মাতরম’ ইশৈবু মতিক চানা থাগৎপাতাই। বঙ্কিহচন্দ্রগী থোইদোক হেন্দোকপা শৈরেংগী পরেংপুম্মা মসিদা তিল্লরে অমস্থুং নুংশিবগী মন্ত্র ওইনা তাহল্লি। মহাক্লা ইমা মালেম্বু অম্মুন্না কৌরি—তুরেলশিংনা ইশিং চাইরিবা, উহৈ-ৱাহৈনা মরীক চুমহল্লিবা অমস্থুং মহৈ-মরোংনা শংহল্লিবা। অদুগা মহাক অসি ইমা মালেম ওইবদা নত্তে, ঈশ্বরগী খুভমস্থু ওইরিবনি। বঙ্কিমচন্দ্রনা হিন্দুগী লাইশঙদা লাৎলিবা লাইশিংবু পল্লদুনা লাইশোন শোল্লি—দুর্গা, লক্ষ্মী অমস্থুং সরস্বতী—অগস্থুং মীবু হুনবা কাঙবুনদি ইশৈ অসিনা হিন্দুগী মুর্ত্তি পুজাগী মশক্তবু তাকই হায়না নিন্দা তৌনৈ। অচুম্বা হায়বদুদি থোইনা পংলাপ লাপ্তবা ৱাফম্নি। বঙ্কিমচন্দ্র মশামক্লা উপন্যাস অসিগী লোইরমদাইদা অমস্থুং অতৈ মতাং কয়াদা অশেংবা হিন্দু ধর্ম্মদা লাই কয়াবু লাৎপগী চৎনবী অসি শেঙ্গা থুমজাগী মওংনি হায়না মরাল শীরম্মি। খৃষ্টানশিংগী শৈরেং লাইরিক্তা গ্রীককী ল্যাইশিংগী

মমিং পনবগদ্মা, কবিগী ওইবা মতৌ কয়া পদরক্লবগীদমক মদর্ত্তিশিং অসি শিজিন্নখিবনি। মরৈবাক নিঙ্বা অমগী মফমদদি কৌনিংবা মমিং কৌজরবস্থ ঈশ্বর মহাক্লা ইমা লৈবাক্কী মফম খদ্দিংদা লৈ হায়র্বাসিতনি। মসি মদর্ত্তি পজোগী অনৌবা মওং অমনি—অসিগদ্মা ব্রাকৎকয়া রবীন্দ্রনাথকী ঘরে বাইরে ( দি হোম এণ্ড দি ব্রালর্ড ) গী চরিত্র অমগী খোঞ্জেলদা থোকহল্লি—অদদবদ তৌরিবা থবক খদ্দিংমক ঈশ্বর মঙোন্দা শিন্নথোক্লবা অমসুং মীয়ামগী অফবা হায়র্বাসিনা মদগী মহৈ ওইরবা ; মরৈবাক নিঙবা হায়র্বাসিগী ধর্ম্মগী ওইবা য়দ্ফম অমা লৈগনি হায়না বঙ্কিমচন্দ্রনা খল্লম্মি। ঈশ্বরগী মশক লৌদনা ঐখোয়গী পাম্মোমগী পাঙ্গল পিরিবা অমসুং ঐখোয়গী হকচাংদা থব্রায় ফাওবা হাম্পিরিবসি মহাক্লি। অদগা কনাদদি পাঙ্গল অসি হাপ্পগে ? নিংথৌদা নত্তে, পদ্মমকী অশদ্পা মীশক্তা নত্তে কাঙবদ অমদসু নত্তে, লমদম অসিগী নদপী নিপা, মাগী মচাশিং ঙম্নমস্তনি। পাম্মোম অদতনা-ইমা মাগী দমক লান্থেংনগনি ; মসিগা মগদন চপ মান্ননা মখোয়গী কনানসু নমথবা ঙম্মবোইদবা অমসুং ময়াই কারবা খোল্লাউনা লানগী লাল্লাউ লাউগনি অমসুং জাতিগী আশা কয়া—দাবী কয়াসু ফোঙদোক্কনি। বঙ্কিমচন্দ্রগী ব্রাখল্লোনসি অসুক্কী মতিক ব্রাংখেদ অমসুং পাক শনখেদ অনসুং ধর্ম্মনা য়দ্ফম ওইবা মরৈবাক নীঙ্বগী মতৌ অমা থনম্মসিনা তরানিপালশদবো শতাব্দীদা বঙ্গদেশকী পিকথবো কাচিন অমদা লৈবা অওনবা পদরকপা পাম্মা লালহৌবগী লদচিংবা খরনা শকলম্মা ইশৈদ ভারত জাতিগী ওইবা খবাইদগী থম্মোই হদনিংঙাই মশক ওইরবা ইশৈ অমা ওইনা লৌনরে। পদক্লিংগী ইহলগী ব্রাংলবা অমসুং চেৎশিল্লবা. মশক শেংনা ফোঙদোকপা ঙম্মা, অনীঙবা কয়ানা পল্লবা মরৈবাক নিঙবা ইশৈ অসিগদ্মা অমা সাহিত্যগী জগৎতা তাঙনা থোক্লগনি।

# অহানবা শন্দুপ

## ঙল্লিঙৈ মতমগী উপন্যাসশিং

বঙ্কিমচন্দ্রগী ৱাখলগী মশাগী ওইবা মতৌ নত্রগা মওংদা মমল করিনো'মা পিগে হায়রবদি অনৌবা মতমগী ভারত্তা অহানবা উপন্যাসকার অমা ওইনা মাগী মফম ফংখিবসি শোয়দনা ওইগনি, অমসুং মশামক্তা মান্নে হায়না খঞ্জবা স্কোট (Scott) কী মতৌগদুম্না মহাক্কী মিংচত্তা মতম খরদংগী ওইনা মমহল্লদুরবসু মহাকপদু অথোইবা উপন্যাসকার অমনি হায়না লৌনগনি।

বাংলা উপন্যাসকী লৌবুক্তা খোঙদাদ্রিঙৈগী মমাংদা বঙ্কিমচন্দ্রনা ঈশ্বরচন্দ্র-গদুপ্তনা সম্পাদন তৌবা সংবাদ প্রভাকর অমসুং সংবাদ সাধুরঞ্জনদা মাগী শরুক তম্লম্মি, অমসুং মাগী খুদোলশিংসি অয়াম্বনা শৈরেংগী মওংদনি। মহাক্তা ছাত্র ওইরিঙৈ, ১৮৫৬ দা ললিতা অমসুং মানস কৌবা শৈরেং লাইরিক অনি ফোঙখি। কিশোরীচান্দ মিত্রনা সম্পাদন তৌবা ইন্দিয়ান ফিল্ড (Indian Field) হায়বা চেফোংদুদা ১৮৬৪ দা মাগী রাজমোহনগীনুপী (Rajmohan's wife) হায়না কৌবা ইংরাজী ৱারি মচা অমা মথং—মথং ফোঙখি। অদুবু মাগী সাহিত্যগী ওইবা হোৎনবশিংসিদা মাগী থোইদোক হেন্দোকপা মতৌগী মমি করিমতা তারমদে অমসুং মাগী তুংগী থবকশিংগী অহানবা মহাউ হায়বদু করিসু য়াওরমদে ; অদুনা মথোয়শিংসি কুপ্না নৈনরুবগী কান্নবা লৈতে। রাজমোহনস ৱাইফ, লাইরিক ওইনা মাগী পুন্সিদা, অদুগা তশেংনমক ১৯৩৫ ফাওবদি ফোঙখিদে হায়বসিদি পলহৌবা য়াই। মসিসু পনবদা কান্নদবদি নত্তে ; মমৈথংদা, মাগী মিংচৎকী অৱাংবা থাক য়ৌরক্লবদা বঙ্কিমচন্দ্রনা রাজমোহন'স ৱাইফপু বাংলা লোন্দা হন্দো-কপা হৌখি অদুবু পন্দুপ তরেৎ শুরকপদা মদু তোকথোকখি। তশেংবমক মহাক্লা মদু মাগী কলমগী পোথোক্কী মতিক চারা লক্ষণা য়াওদে হায়না খনখি।

দুর্গেশনন্দিনী (১৮৬৫), বাংলা উপন্যাসতা বঙ্কিমচন্দ্রগী অহানবা থৌনা ফুদোকপা অৱাবা থৌদৌনি, অদুবু মসি অকন অথোগী বারী কৌবদি সোরান্নবা লৌবা হায়বদু থোক্কনি ; মরমদি অশোয়বা য়াওদবা নত্রবমকসু মসি খুদায়দগী

অৱাংবা থাক্কী কলাগী পোৎথোক্লি। মসি উপন্যাসকী শিঙ্‌থাবা য়াবা থোদোক অমা ওইখি। বিষ্ণুপুরদগী গরহমন্দরন ফাওবগী পাক্লবা লম্বীদুদা শগোল তোংবা নিপা অমনা চৎপা খোঙচৎকী বর্ণন্‌না মসিগী অহোবনি। মসি বাংলা উপন্যাসগীদা নত্তনা ভারতকী উপন্যাসগীসু পাক্লবা লম্বীনি হায়না মশক নাইবা সমলোচক অমনা মাগী অনীঙ্‌বা ফোঙদোকখিরম্মি। মসিগী লম্বীসিদনি মতুং তারকপা উপন্যাসকারশিংনা মখোঙনা চংখিবসু অমসুং মখোয়না অতোপ্পা লৈর-কশিংদা অমদি মতাইদা হাইদোক্লরবসু মখোয় ঙম্লমক লম্বীসিদা অমুক হল্লকখিগদবনি।

অহানবদা দুর্গেশনন্দিনী নুংঙাইনা অমসুং অচেৎপা খুৎপায়গা লোয়ননা লীখিবা ৱারিনি। শেরান্ননা পুবগী মহুত্তা উপন্যাসকারশিংসি তুসিতলস (tusitalas), ৱারি শিংবুম লীরিবা ৱারিলীবনি হায়রবসি কাউরোইদবনি। ৱারিদুনা চরিত্র নত্রগা মী অমগা মরী লৈনবা হিরমদা তেংবাংবসু য়াই অদুগা মতমপুম্বদা মদুদি অদুম লৈরগদবনি। অনিশুবেদা, মদুদা পুক্লিং-লাঙবা মতৌ য়াওই নত্রগা পুক্লিং লাঙবা মতৌদু মরু ওইনা অনিসু ওইবা য়াই নত্রগা মপুং ওইবা পুক্লিংগী লাঙতক্লবা মতৌ শিং (Predominant passions)'—নুংশিবা অমসুং থৌনা ফবা,—উপন্যাসকী খুদায়দগী কুইনা চৎলবা হিরম অনি অমসুং য়াম্না হে শিংনমক নত্রবসু শক্তি লৈনা—য়েক্লবা চরিত্রশিংদা হায়রিবা পুক্লিং লাঙবা মতৌশিং অসি লোয়নগনি। মরক মরক্তা ওইবা য়াদবা কয়া, মরী লৈনদবা থোদোকশিং অমসুং হেনজিনবা থোদোক অমা নত্রগা অনি য়াওজরবসু অৱানুংঙাই, অধিকার থাদোকপা অমসুং নুংঙাইবা ৱারিগী পুক্লিং খোয়দাবদুদি মখোয়না মাঙহনবা ঙম্মোই। মীওইবগী থবক-থানাশিং অসিগী তুংদা উবা-ঙমদবা লাইবক্কী মমি অমা তাবসু ঐখোয়না পুক্লিংদা ফাওই ; মসি মপুঙ ওইনা অচুম্বা ৱাখলগী পরিং ৱাংমদদি নওনা অচুম্বনা ফাগি তৌদুনা করেম্নবা, মচিং-মশোই নাইবা মওংনা য়াম্না তোয়না মীওইবগী লৌশিংবু ইকায়বা নংহল্লি।

দুর্গেশনন্দিনী অসি নুংশি-নুংঙোল অমসুং লান শোক্লবগী ৱারী ওইজরবসু মসিগী য়ুদ্ধফমদি ইতিহাসনা ওই ; মরম অসিনা মসিবু ঐতিহাসিক উপন্যাস কৌনগনি—বঙ্কিমচন্দ্র মশানদি মদুনি হায়না লৌজদ্রবসু। মানসিংহ আকবরগী লোয়শঙদা লৈবা অঙম্বা অমনি অমসুং নিংথৌরেলগী অচৌবা সেনাপতিশিংগী

মনুংদা মহাকসু অমা ওইরম্মি। মহাকপু পাঠানশিংগী মখুওগী উড়িষ্যা জয় তৌদুনা লৌশিন্নবা থারম্মি ; লান অদুদা মহাক্কী মচানিপা জগৎসিংহবু পাঠান শিংগী অচোবা লাম্মী তেঙ্গোল অমনা মায়থীবা পিবদগী মহাক লানবন অমদা চঙজফম লৌখি। মতম অসিৱাইদা পাঠানগী নিংথৌ কটলু খান শিখিরম্মি অমসুং পাঠানশিংগা মানসিংহগা সন্ধি তৌনখি। মাসিফাওবদংদদি ইতিহাসকী অশেংবা মশাক্তি ; অদুবু মসি-মহাক্লা (অইবনা) মশাগী শেমজিন শাজিনবা শক্তিনা মতুং তারকপদা লেম্পা লৈত্তনা শেমগৎলকপা লোকসাহিত্যগী কায়াৎ কয়া'মা লৌরগা মদুবু শেমদোক-শাদোকখিরম্মি। মহাক্লা ইতিহাসগী ওইবা থৌদোক অদুবু জগৎসিংহ অমসুং লুচিংবগী মচানুপী তিলোত্তমা অনিগী নুংশি নুংঙোলগী ৱারিদা ওনশিনখি ; মায়থীবা অদুসু তম্বা ঙমদবা থৌদোক অমগী অশোয়বদগী ওইনা উৎলি, গরহমন্দরনগী লানবন অদু খংলো লৌশিনখি ; লুচিং-বদুবু লানফা ওইনা পুরক্লগা মঙক কন্তুনা হাৎখি, অমসুং কটলু খানবুনা লম্মন খুন্নিংবগী মৈনা চাক্লবী, লুখ্রাবীদুনা থাঙনা য়ান্দুনা হাৎখি। নুংশি-নুংঙোলগী ৱারিদু ইতিহাসগী লানগী ৱারিগা শমজিন্নে ; মরমদি লানবন অদুদা জগৎ সিংহনা লৈরিঙৈ অমসুং লুচিংবদুগী মচানুপী তিলোত্তমাগা উন্নসি হায়নবা অহিং অমদা লৌশিনখিরম্মি। অনিশুবা তম্থায়দা বন্দী ওইরবা জগৎ সিংহনা কটলু খানগী মচেগী মচা অমসুং সেনাপতি ওইরিবা ওসমান্না থেম্মিবা কটলু খানগী মচানুপী আয়েষাদা পোকখিবা পুক্লিংগী ইথিন্দুনা অমুক্কা হেন্না চমন্নহল্লি। ওসমান হায়বসি ইতিহাসকী ওইবা মীশক অমা ওইরবসু আয়েষাদি নত্তে ; অমসুং নুংশি-নুংঙোলগী লমদা ওসমান অমসুং জগৎসিংহ অসিগী মরক্তা লৈনরিবা ক্রক-ক্রক য়েংশিন্নবা মতৌদুদি তশেংবমক হেঞ্জনবা ৱা নত্রগা পংশাদা-শাগৎপা ৱারিনি।

বঙ্কিমচন্দ্রনা মনীঙ তৌবা মতৌ কয়া উৎলবসু মহাক্লা ইতিহাসগী মরুওইবা অচোবা থৌদোকশিংবুদি শাগোন্নে-পাঠানগীলান, জগৎসিংহ মায়থীবা অমসুং শান্তি—অমসুং মহাক্লা ওইবা—য়াবা ফিভমশিং অমসুং মতৌদা হেন্না পুক্লিং চঙশিল্লি। মহাক্লা লুচিংবদুগী হৌখিবগা আগ্রাদা লৈবা মানসিংহগী কোনুংগা মরী থমদুনা লানবনগী থৌদোক্তুদা তোপ তোম্পা মতৌ-পী। মসিগী পাকথোক চাওথোকহনবা অমসুং ৱারি অমদগী অমদা খুরক-উচন্ চনবসিদি ইতিহাসগা মরীলৈনদবা, মহাক্কী খুৎশেম অমসুং "ওইবা য়াবা চরিত্র—লুচিংবদুগী নুপী বিমলাগী মপান্না শীনখিবনি। ৱারিগী মপুঙ ওইবা হিরম ওইরিবা জগৎসিংহ

অমসুং লৈচিংবদুগী মচানুপী তিলোত্তমা অনিগী মরক্ত লৈনরিবা নুংশি-নুংঙোলগী ৱারিদুদি শোল্লপ থোকই। ইতিহাসদা য়ু য়াম্না থকপা মীশক অমা ওইবা জগৎসিংহবু নায়ক ওইনা লৌরে, অদুগা মহাক্না তৌথোরকপা থবকশিং অমসুং ঙাঙথোরকপা ৱাহৈশিংদি থোইদোকপা মতৌ পিবদগী হেঞ্জিনবা মতৌ উৎপনা হেল্লি। উপন্যাসকী মমিং ওইরিবা, লৈচিংবগী মচানুপী অদুসু অয়েকপা লাইফদিবীদগী খরদানি মহেল্লিবা। অদুবু বিমলাদাদি মদু থোক্তে; মহাক্কী অকিবা পোক্তবা মবুদ্ধি মরোশিং, মহাকপু ফোংনা মাগীনি হায়না খঞ্জবা ঙমখিদবা মপুরোইবগী মফমদা লৈবা মাগী ভক্তি, মাগী ফাগি য়াম্না হৈবামওং—চিরবা মতাংদফাওবা থাদোকপা ঙমখিদবা; মদুনা উপন্যাসকী অহানবা শরুক্তা তশেং-তশেংবা মতৌ অমদি লিংজেল পী; অদুবু ৱারিদু অনিশুবা তংখায়দা মমৈ ককখে মরমদি অথুম্পা মফমদা থমখে।

অনিশুবা মতাংদদি ইতিহাসকী ওইবা নত্তবা কটলুখানগী মচানুপী আয়েষানা মরু ওইবা চরিত্র ওই; বঙ্কিমচন্দ্রনা মহাকপু নাপী মরক্তগী মনিনি হায়না উৎলি অদুগা মহাকপু মশাগী থম্মোয় খদুম চল্লবী অমসুং থাদোক্লবী অমা ওইনা মশক উৎনবগী মহাক্কী অহানবা থৌরাংনি। মহাক অসি ইতিহাসগী ওইনা অরাবা চরিত্রদি নত্তে; মরমদি নৱাবকী মচানুপী অমনা রাজপুত নিংথৌমচা অমবু সেবা তৌবা অমসুং য়েক্লবা অমবু হারেমদ থম্বগী ৱারিসিদি ঐখোযগী থাজগনবা মতৌ থম্বা তাগনি। স্কোটকী আইভানহো (Ivanhoe) দা য়াওরিবী য়িহুদী গী মচানুপী রেবেকা (Rebecca) গা মান্ননা য়াম্না হৈ-শিংনা চিংননিংঙাই লৈতবা মত্তংদা উত্তে। মহাক্কী থম্মোই খুদুম চনবা মতৌদুদি য়াম্না থৌনা ফবগী মওংনি অদুবু মহাক্কী নুংশি-নুংওলগী মতাংদদি মহাকী তুমিন লৈবা মতৌদু খজিক্তুং কোমথোরকপদা লীলাগী মওং মাল্লি। মাগী মফমদা নিঙবা কায়রবা। মাবু কন্না থেমজবা মন্দোনগী মচানুপা ওসমানগী কল্লক মিহৌবদুসু মদুগা চপ মান্নে। মিংচৎকী ঙমখৈ য়োদ্রিঙৈদা মহাক ৱারীদগী পোত্থাখরে। শুপ্পগী অরোইবা পরেংদা মহাক্কী হুয়াওবা খুদোপ লংথোকখিবা মতমদুদং নত্তনা মহাক অমুক উখিদ্রে; তাইবংনা য়োঙমদবা শেংলবা ৱাখলগী লংলানা শান্নবা লাইফদিবী অমগুম্না মশামক্লা মঙোম্দা মপুঙ ওইরিবা থৌদোক অদু হিঙ্গৎহন্নবগী করিগুম্বা লংজীন অমা ফাওবা পীবা ঙমখিদে। মঙোন্দগী লাপথোক্লবদা ওসমানগী চরিত্রদি য়াম্না পুক্লিং পেন্নিংঙাইনি অদুবু

মহাক্তা খজিক্তং হেক নর্কশিন্নর্বদা মহাক মেছিনগ্নি অমসুং নমথনা থম্মিবা পুক্রিংগী অশোনবা মতৌবু মফম-মরাং খঙদনা ফোঙদোকখি।

কপালকুণ্ডলা ( ১৮৬৬ ), বঙ্কিমচন্দ্রগী অনিশুবা উপন্যাস অসিদদি হায়রিবা অশোয়বশিং অসিদগী কোমথোকচরে। মসি মপুঙ ফারবা কলাগী পোত্থোক অমনি ; ৱাখলদা অমসুং থবক ওইনা পাঙথোকপদা চপমান্নানা থোইদোক হেন্দোকপা মতৌ-লৈ অমসুং পৃথিবীগী অৱাংৱা থাক্নী উপন্যাসশিংগী মরক্তা মসিসু চিংখৎপা য়াই। পুক্রিংদা নুংঙাইবা পোকহল্লিবদি মনোবৈজ্ঞানিক ওইবা সমস্যানি, অমসুং খর'মদি অচুম্বগী ওইবা। মহৌশানা মীওইবগী পুম্সিদা করি মমি তাহনবগে ? পিশক পিক্লঙৈদগী হৌনা নুপীমচা অমা সমাজদগী লাপ্না মহৌশাগী তম্পাক্তা চাউরক্লে হায়না খল্লসি, নিপা-নুপী ওইবা মরীগী খুকৌদুদা মহাক্লা করম্না পাউখুম পিগনি ? প্রকৃতিদি নিপা-নুপীগী অৱোনবা মরী অদুমক্লি, মচা ধারা শন্দোকপগী পাঙ্গল লৈবনি হায়না লৌবা য়াই ; অমসুং নিপা-নুপীগী ওইবা ইহুল অদুদি সমাজদা য়োকখৎলকপগী তঙায়ফদবা কন্নসু লৈতে। মরম অসিদগী কালিদাসকী শকুন্তলা অমসুং সেক্সপিয়ারগী মিরান্দানা (Miranda) শাহৌদা শুমহৎনিংঙাই ওইবা "নিপা" অমা হেক উবমক্তদা নুপী-নিপা ওইবগী অৱোনবা ইহুলদু ফাওরকই।

বঙ্কিমচন্দ্রগী ৱাখলনা শকুন্তলা অমসুং মিরান্দাদগী য়াম্না চাউনা খেন্নরবা নুপীগী চরিত্র অমা য়েক্লি অমসুং মহাক্নী ৱারিবু বঙ্কিমচন্দ্রনা চা-নবা য়ুম্ফম অমদা শাগৎনবা হোৎনৈ। মহাকসু মিরান্দাগুম্না সমুদ্র মপান্দা চাউরকখি কপালিকনী খাংপোকশঙ অদুসু মহৌশাগী ওইবা মওং-মতৌদা প্রোসপেরো (Prospero) গী কাখুদুদগী কন্নসু তোঙান্দে। অদুবু কপালিকতি য়াইফহন্নিংবগী ৱাখল চেনবা প্রোসপেরো অমসুং কন্ব মুনিগুম্বা ওজা নৎলমদে। মহাক্তি তান্ত্রিক সন্ন্যাসীনি, মখোয়গী অকিবগী মশক ওইরবা ধর্ম্মগী চৎনবী মতুংইন্না অসিবা হকচাংদা ফম্মদুনা মী মকোক্নী পাত্রনা ঈ কোৎল-কোৎলদুনা মহাক্নী—পুজা পাঙথোক্লম্মি। ধর্ম্মদা পুক্রিং লুপ্পবা অমসুং শাথীরবা মীহাৎপাসিগী শকফম নুংতি নুমিৎ খুদিংগী উরকপদগী মী ওইববু নুংশিবা মতৌগা মশাগী অপাম্বা ৱাখল অমদা পুক্রিং চপয়ুংনা লেপখিবগা পুনখিদুনা অমসুং তঙায়ফদ্রবা ফিভম অমদা কপালকুণ্ডলানা মমিৎ-মনা চেজেৎ উইশিন্দুনা

চঙজখি। বঙ্কিমচন্দ্রগী অতৈ উপন্যাসশিংদা থোক্লগদক লাইব্বকপ—হায়বা অদ্গন্না মসিদদি তৌদে। মসিনা মীওইবগী লমচৎকী শরুক অমা হায়বদ ওইরকই। অসিগন্নবী নুপী অমনা শকুন্তলা, পেরডিটা (Perdita) অমসুং মিরান্দাদগী তোংঙান্না তারবদা করিসু ঙক্লিংঙাই লৈতে। পেরডিটাদি মরম্নাই থোকচরকপা প্রকৃতিগী মনা-মশিংশিং উরুরগা নুংঙাইবনা হরাউ-তুজংলম্মি ফনা ফজরবসু খুৎশেন্না 'য়োক্লকপা' লৈশিংবুদি য়ারমদে। ময়ুমপান্দ্রিবী লৈশাবী ওইদুনসু শকুন্তলানা উরি-ৱারি, লৈ-শু অমসুং শাশিংবু মচাগুন্না নুংশিখি, কপালকুণ্ডলাদদি মদু থোকখিদে। মঙোন্দদি প্রকৃতিগী শাথিরবা অমসুং অৱা-অনা ফাওদবা মতৌদুনা শুমহৎলম্মি। সমুদ্রগী খোঙবান অদুসু লৈঙোইগী চিংদুমশিংনা পিক থল্লম্মি অমসুং অকোয়বদা হৌরিবা মোংশোংশিং অদুনা পুন্সিবু মমল য়ামহন্নবগী করিগুম্বা খুদম অমতম্ম পীদে। মিরান্দানা 'থৌনা ফবা' হায়বা বিশেষণসি অমুত্তগী হেন্না শিজিন্নখবো নিপাগী মতৌদুনা উনিংবা অমসুং ধারা শন্দোক্লিংবগী ইহুল মঙোন্দা, পেরডিটা (Perdita) অমসুং শকুন্তলাদা পীখি অদুবু কপালকুণ্ডলাদদি অৱাবা তারবা নিপা অমগী মতৌ উরুবদগী অৱা-নুংঙাইতবা পোকখি। মরম অসিদগীনি মানা অকি-অথং লৈতনা নবকুমারগী মথক্লাই কন্নবা হোৎনখিবো, অদুবু মহাক্কী থেংনরকপা জ্ঞান্না মশাগী মপুন্সিদদি থৌশাদবা পোকহনখি।

মহাক্কী মপুক্লিংদা ফাওবা মতৌনা অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা ফিভমগী মতেংদ নত্তনা মথং মথং ঙালহল্লকপা খেন্নবগী মতৌনা বঙ্কিমচন্দ্রনা কপাল-কুণ্ডলাগী মশক তাক্লি। মহাক্কা ক্রক-ক্রক য়েংনরিবা—মহাক্কী নিপাগী অহানবা নুপী পদ্মাবতী নত্রগা মতিবিবি—মহাক্কুম্না অঙকপা ৱারী অমসুং খঙবদা ৱারবা মতৌ কয়া'মনা থল্লি। পদ্মাবতীগী মপাদু ইসলাম ওনখি, আকবরগী লোয়শঙদা মচিন চৎপা অঙম্বা অমা ওইরক্লম্মি; অমসুং লুৎফউন্নিসা নত্রগা মতিবিবি হায়না মমিং নৌনা অমুক থোনখবী মহাক্কী মচানুপীনা মোগল লোয়শঙগী তোংঙান—তোংঙানবা মওং অমসুং য়াম্না নকশিন্নবা মশাগী ওইবা জ্ঞান কয়া অমা পোকখি—অপাম নুংশি শাগোন্নবা, ৱা—ঙাংনবদা হৈশিংবী ওইখি। নুংঙাইবা অমসুং শক্তিবু য়াম্না পামজবী নুপী অমনি—কপালকুণ্ডলানা অনিমকপু হৈনিংবা পোক্তবা অদুমুক। মহৌশাগী ওইবা মতৌদগীদি তোপ-তোপ্পা নত্তনা অঙকপা মওংদা অনিদুগী পুন্সিদু তোংঙান-তোংঙনবা মওং অমমমদা চৎহল্লি। মতিবিবিগী

পদ্মন্সিদি নিংথৌগী লোয়শঙদা থেংনরিবা নদ্পী-নিপা লোন্দিন্নবগী অপাম্বা অমস্তুং অরোন অথদ্পকী ওইবা নদ্বংশি-নদ্বংঙোলগী থৌদোক কয়ানা চোকথহল্লবনি ; কপালকুণ্ডলাগা লদ্বহোংখবা মাগী মমাংঙৈগী হিন্দদ্ব মপদ্মরোইবদদ্বা হেনজিন্না নদ্বংশিবা পোক্লকখিরম্মি ; অদদ্ব্ব য়াম্না হেন্না নদ্বংঙাইবা ৱাফম অমনা মখোয় অনিমক মানা মানা থোকপা মওংদা ঙম্নমক মরাইবক্তা তম্নকখর্বনি হায়না লৌনরম্মি। লদ্বহোংবতা ঙায়রিবা মপদ্মরোইবগা লোয়ননা কপালকুণ্ডলানা কপালিক্কী মনাক্তগী চেল্লমদাইগী মতমদা ভবানীগী মফমদা উ-না কৎলম্মি, অদদ্ববা উন্নাদদ্ব লাইগী মদ্মর্ত্তিদগী তারকখিরম্মি—মহাক্না খঙজবগী মতুংইন্না লাইরেম্বীনা মাগী খদ্মদোল অদদ্ব লৌবিদ্রে অমস্তুং মবান্নিগী লদ্বহোংবদদ্ব ঈশ্বরনা মঙ্গল পিবিদ্রে হায়না লৌজখিরম্মি। ধর্ম্মদা লদ্মপ্লবী কপালকুণ্ডলানা লোয়নবী অমা ওইনদি মাগী তুংগী পদ্মন্সিদা খদ্মদোংথীবা থোক্কনী হায়বগী মাঙজৌনন্না পীবা খদ্মদাম্ন হায়না লৌখি। থম্মোইদা ফাওরিবা পদ্মক্লিংগী ইথিনশিংসিনা মহাকপদ্ব তাইবংগী ওইবা ৱাখল য়াওদবা, পদ্মক্লিং লৈতাদবা অমস্তুং তুমিন্না অৱাবা খাঙবগী মতৌদদ্ব পোকহনখি। মর্তিবিবিগী মফমদদি লাইবক্তা তম্বা হায়বসি—খদ্মদিংমকপদ্ব মদদ্বগী দমক্তা থাদোক্কে খল্লিবা অপাম নদ্বংশি হায়বদদ্বগী পাঊখোংনি হায়না লৌরম্মি। কপালকুণ্ডলানা তাইবং লোনচৎকা লোন্দিন্নদ্রবদি, মর্তিদি তাইবং লোনচক্তা পদ্বংলদ্বপ লদ্মপ্লবীনি। মহাক্কী নৌনা পোক্লক্লিবা অপাম নদ্বংশিগী ৱাখলসিনা মশামকপদ্ব লোয়শঙদগী থাদোকহজবা তারবদি, মদদ্বনা লোয়শঙগী নদ্বংঙাইবপদ্মম্বদদ্বা শাথিনা নদ্বংঙাইতবগী চৈনা ফাওহল্লর্বনি। কপালকুণ্ডলানা মদদ্বগী পন্থিং ওইদদ্বনা লৈরবদি, মহাকপদ্ব লৌথোকখিবা তাই—মথৱাই মাঙহন্দদ্বনা নত্তে, মরমদি অদদ্বগদ্মম্বা কথোকপদদ্ব মফমসিদা কান্ননিংঙাইতে, পদ্মন্সিগী ওইনা লোই থাখিবা নত্তনা।

গীতিকাব্যগদ্মম্না হকচাংগী নত্রগা পদ্মক্লিংগী অকনবা চৈনা পিবা—গ্রীক নাটক অমগদ্মম্বা কপালকুণ্ডলাস্তু য়াম্না চেৎনা পদ্মমশিন—খোমজিল্লবা অমনি। মসি শিংথানিংঙাই ওইরবী নদ্পী অনিগী ৱারিনি ; অহৌবমক্তদা, মহৌশানা অমদি মহাক্না ফংলকপা শিক্ষানা তাইবংগী ৱাখলদগী তোংঙালহল্লবী নদ্পী অমা। মসি ঐতিহাসিক উপন্যাস অমা নত্তে, অদদ্বব্দ ঙাক্লিংঙাই ওইবা অমনা শেমজিনশাজিনবা ৱারী—তশেংবমক ময়ামদগী তোংঙাল্লবা ৱারী অমবদ্ব অচুম্বা মতৌদা চাশিন্ননা পদ্মশিল্লক্লবগীদমক ইতিহাসস্তু শিজিন্নে। য়াম্না থৌনা ফনা লীজরবস্তু থৌদোক অমদি মপদ্মঙ ওইবা ৱারীদগী তোংঙান্না চোংথোক্তদ্বনা লৈবগদ্মম উই, মদদ্বদি

মতীবিবি অদুগা মেহেরউন্নিসা,—মমৈথংদা ইতিহাসতা নিংথিনা শক খঙনরবী সম্রাজ্ঞী নুরজাহান, অনিগী উনবনি। মপুরোইবদা থমজবা মাগী নুংশিবা অমস্তুং যুবরাজ সেলিমনা মঙোন্দা পিরিবা কোক্লাইদবা মচুনা শঙখ্রবা ৱাখল—অনিসিগী পুক্লিংগী কল্লবা ইহুলনা ওৎলবী নুপী অমগী অৱাববু বঙ্কিমচন্দ্রনা ৱাখলগী মিৎয়েংনা তোংঙান-তোংঙান্না উবা য়াবা মওংদা থনম্মি। তৌইগম্মসুং থোদোক অসি মহাক্না য়াম্না হৈ-শিংনা ৱারীসিদা পুশিল্লকখি; মসিদা পল্লিবা অনিগী চাংয়েংনবাসনা—মতীবিবিগী পুক্লিংগী অরেম্পা মতৌ অমা থম্মদা মতেং ওইখি অমস্তুং মতমপুম্বগী ওইনা আগ্রাগী লোয়শঙ থাদোকখি। মতৌ অস্তুম তৌনা ভারত ইতিহাসতা খরায়দগী চমম্লবা মওংদা শুমহৎনিংঙাই ওইরবী নুপী অমবু মাগী পংশা-শাগৎপগী তাইবং অমদা পুশিল্লকখি অমসুং মতুংদা অমুক হন্না মাগী ৱা মখা তাদনা তোকখি। ঐখোয়না উপন্যাস অমবু মশাগী ওইবা ৱাখল মফোঙদোক মত্রগা চরিত্রগঠণদা হৈ-শিংবা নত্রগা শেম-শাগৎপদা য়েংদুনা অথোই অহেন নৈনবা তারবদি কপালকুণ্ডলাদগী হেনবা কলাগী মপুঙ ফাবা অমা লৈত্রি হায়না খনবা য়াই।

বঙ্কিমচন্দ্রগী অহুমশুবা উপন্যাস মৃনালিনী হায়বসি কপালকুণ্ডলাদগী হন্থরবস্থ, মশাগী ওইনদি অচৌবা থৌ অমনি। ইতিহাসগী চমম্লবা কয়াগী মনুংদা বঙ্কিমচন্দ্রবু মপুন্সিচুম্পগী ওইনা নুংঙাইতবা পিরিবসি বখ্তিয়ার খিলজিনা শুপ্লগী শগোল তোংবা লান্মী তরা তরেৎ খক্কী লুচিংবা ওইরগা মখোইনা বঙ্গদেশ জয় তৌখি হায়বা ৱাফম অসিনি। মহাক্কী অতেনবা ৱারেং কয়াদা ৱাফমসি মিনহাজউদ্দিন (Minhajuddin) গী খুৎশেম্নি, মতুং তারকপা ইতিহাসকারশিংনা মুন্না নৈনরুবা তৌদনা মদু হেক্তমক য়াখিবনি; ওইগে হায়না ওইরম্মবদা বখ্তিয়ার খিলজী অমস্তুং মাগী মতুংদা পাল্লকপশিংনা গৌরগী নত্রগা বঙ্গদেশকী মচেৎ খজিক্তং জয় তৌরম্বা য়াই হায়না উৎলি। অদুবু অইবগী মহুৎ শিনবা ওইহল্লদুনা অইবনা মপুক্লিংগী ৱাখল-মিৎয়েং পুম্বদু, কমলাকান্তনা জাতি অমবু শুপ্লগী শগোল তোংবা লান্মী তরা তরেৎ খক্তনা জয় তৌখি হায়বসি রাজনীতিগী ওইবা ৱারি-ৱাতাইদা ইকায়নিংঙাইনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা বাঙ্গালাগী রাজনীতি-ৱালাশিংবু করেম্নরম্মি। মহাক্কী য়াম্না ঙল্লিঙৈ পুন্সিগী মতাংদা, মৃনালিনীদা বঙ্কিমচন্দ্রনা ইতিহাসকী অচৌবা শেমদোক শাদোকপা কয়া তৌনবা হোৎনখি-অমসুং অরিষ্টোটল (Aristotle) গী লোন্দারোমদা 'তঙাইফদবা অমসুং

ওইনিংঙাই ওইবা' হায়বদ্ৰ য়েংশিনফম থোকই হায়না উৎখি। মতাং অসিদা ইতিহাসগা শৈরেংগা প্ন্রা অমতা ওইনা চৎমিন্নবা উই অমস্ৰং ঐখোয়গী প্ৰক্লিংগী মিংশেলদা ম্ৰসলিম্না জয় তৌবা মতমগী বাঙ্গালাগী নিংথিজরবা মশক অমা শাগৎপ-ঙমহল্লি—মপাঙ্গল শোল্লবা, অহল ওইরবা নিংথৌ, অন্ধবিশ্বাসকী কুয়োম্না কুপশিল্লবা লোয়শঙ, চিরোলনা মপ্ৰক থল্লবা অঙম্বশিং অমস্ৰং শাথিরবা মন্ত্রীশিংনা প্ল্লবা লৈবাক অমা।

ম্ৃণালিনী (১৮৬৯) গী ৱারী অনি লৈ—অমনা মপান্থোংদদা মালহনবা অদ্ৰগা অমনা অশেংবা নত্রগা অচুম্বা। মপান্থোংগী ওইবা মওংদা চুম্নদা উবা ম্ৃণালিনী অমস্থং হেমচন্দ্রগী ৱারীনি অদ্ৰগা মতুংদনা বখতিয়ার খিলজীনা জয় তৌখিবা, বাঙ্গালাগী প্রাইম মিনিষ্টর পশ্ৰপতি অমস্থং মহাক্কী ন্ৰংশিজরবী মরাইবক থীরবী ন্ৰপী মনোরমাগী ৱারীনি। ন্ৰংশিবদা মথম্মোয় কায়রবা মগধগী নিংথৌমচা হেমচন্দ্রনা, মহাকী লৈবাকপ্ৰ জয় তৌখ্ৰবা ম্ৰসলিম শিংগী মথক্তা লান শোক্ননবা অকল-অথোগী মওং কয়া উৎননবা হোৎনখিবশিংদ্ৰ হেঞ্জিনবা মতৌ উৎপগী খ্ৰদম্ন অমস্থং ফাগিগী মওং খরমথৈস্থ চঙ্ৰঙ। হেমচন্দ্রগা ম্ৃণালিনীগস্থ দ্ৰর্গেশনন্দিনীগী জগৎ সিংহ অমস্ৰং তিলোত্তমাগী শেংফাত্তবা মতৌগ্ৰম্না উৎলি। মখোয়গী মরক্তা চপমান্নবা, লান শোক্নিংবনা ঙাওরবা মতৌ, অপাম ন্ৰংশিগী চপমান্নবা য়োনা ন্ৰংঙাইবা মতৌ; উপকথাগী থাজনিংঙাই ওইদ্রবা কল্লক-মিহৌবা অমদি ন্ৰংঙাইবা মওংদা লোইশিল্লকপা মতৌগা মান্নবা কয়া লৈ।

অদ্ৰম ওইনমক হেমচন্দ্রদি উপন্যাসসিগী মমিংতা ওইবা নায়ক্লি। অশেংবা নায়কতি মীথিঙ্গায় পশ্ৰপতিনি; মহাক্না মিগ্ৰম্না চিরোলগী নিংথিরবা মিরাং অমা শাখিরম্মি অদ্ৰগা মশামক্নদি লান শোক্নখিদে; মাগী মতুংদা অনিশ্ৰবা গিওকোন্দে (Gioconde, the 2nd) দা ৱাওরিবী ন্ৰপাব্ৰ যাদ্ৰ মন্ত্রনা শ্ৰমহৎপা ঙম্বপ্ৰম্না শ্ৰমহৎপী যাদ্ৰ মন্ত্র হৈরবী লিওনার্দো ডা ভিনসী (Leonardo da Vince) গা মান্ননা মনোরমাব্ৰ য়েক্লি। অৱাংবা থাকী ফিদম্না ৱাখলব্ৰ চাউথোকহল্লি অমস্ৰং তুংগী লাকদবা কয়াব্ৰ মাঙজোননা উহল্লি অদ্ৰব্ৰ মশাগী ওইজবনা মদ্ৰব্ৰ পিকশিন খ্ৰাজিনহল্লি অমস্ৰং মঙালদ্ৰ ম্ৰশি-ম্ৰশিহল্লি। মরম অসিদগীনি পশ্ৰপতিব্ৰ কা-হেন্না হৈ-শিংলবা মি অমনা মশানা হাইজবা মিরাংদা থ্ৰজবদ্ৰগা চপচানা মান্নহল্লিবসে। ম্ৰসলমান শিংনা তশেংবমক শগোল তোংবা লান্মী তরাত্তরেৎতা ওইনা চঙলকখি অমস্ৰং ইরায় লায়না মর্ৰ ওইবা সহরদ্ৰ লোখি অদ্ৰব্ৰ

Indian ... n 7839 21/12/04

শমজিনবা ওইরবসু নিংথিনা তাক্লিবা মশকশিংদি লৈবাক অদু অন্ধবিশ্বাস অমসুং চিরোলগী মকোন শারম্মি, অমসুং মখোয়গী তমথীবা শাজৎ কয়ানা য়েক্লবশিংনা চঙলক্লবা মমল য়াম্লবা থোং অমা শাখি। শগোল তোংবা লান্মী তরা তরেৎ অদুগী মতুংদা শুক্লবা উমংদা লান্মী লিশিং কুনমঙাগী চাউরবা তেঙ্গোল অমদি লোত্তুনা লৈরম্মি। পলাসীগী লাম্ফমদু বঙ্কিমচন্দ্রগী মমাঙমক্তদা লৈরির্বানি, মদুবু মাগী ৱাখলনা অমুক হন্না উহনর্বানি; মহাক্লা বর্খতিয়ারগী ৱারিদু শাগৎপদা পশুপাতিগী তমথীবা শাজৎ কয়া হার্পাচিন্দুনা ইরায়-লায়না থোকখি।

পশুপতি অমসুং মনোরমাগী ৱারীসিদি মহাক মশামক্কীনি অমসুং মনোরমাসিদি বাংলা সাহিত্যদদা নওনা অতোপ্পা সাহিত্যদসু খরাইদগী চাউরবা খুৎশেমশিংগী মনুংদা অমনি। নিপা খুদিংনা উবা ফংবা নুপী খুদিংগী মশাদা লৈবা মতৌদুনি মনোরমা—মচিঞ্জাক তম্নবা, পাখৎহল্লিবা অমসুং লুমদুনা মুনগদবগী ঙাইহিরবী মুর্ত্তি অমনি। মাগী শুমহৎনিংঙাই ওইবা মতৌদুদি ফিজেৎনা চমনু ওইহনবা ঙমদ্রবা, চাহিনসু করিমতা শোকহনবা ঙমদ্রবা ক্লেওপট্রা (Cleopatra) গী শুমহৎপা মতৌদুদি নত্তে, অদুবু—মাগী অঙাং ওইবগী ইচম-চম্বা মতৌদুনদি অমরোমদা, চাহিমতাং নাইদবা ওইনা উহল্লি, নহা ওইবগী নুংঙাইরবা মঙলানশিং অমসুং মপুঙ-মরৈ ফারকপগী লৌশিং অনিমক মঙোন্দা অমতা ওইনা পুল্লি, অদুম্নদি ওইরগা মঙোন্দা তোপ-তোপ্পা অমনা মহাক্কী শুমহৎনিংঙাই ওইবা মতৌদুগা চপ-মান্ননা অকিবসু পোকহল্লি। মহাক মতম পুম্বদা মচিং-মশোই নাইবা অমসুং তংখায় অমা ঙাওবগুম্না উই, অদুম্নদি ওইরগা মাগী ৱাখলশিং অমদি থবক ঙম্নমক্তা চুম্না চখরকপা পরিং অমগী মতৌদি তশেং-তশেংনা লৈ, মাগী ইচম-চম্বা মতৌদুদি মাগী লৌশিংগুম্না মরা চেৎলম্মি। মথক্তা ফোঙদোক-খিত্রবাসিগী মতুংইন্না মহাক মীগী পুক্লিংবু ঙালহনবগুম্না মিহৌহনবা, লৌনম তৌবা অমসুং মিৎ তথকহনবা অদুগুম্বী য়াম্না শাথিনিংঙাই ওইবী নুপী অমগী চপ চাবা খুদম্নি।

মনোরমা, মীবু শুমহৎপা ঙম্বী নুপীনি অদুগা মাবুসু অমুক পশুপতিনা শুমহৎলম্মি। মাগী থম্মোইদি পাইরক্কী লৌশিংনা মঙাল পীরম্মি অমসুং মশাগী ওইবা তোপ-তোপ্পা দর্শণ অমসু পুথোক্লম্মি। অদুবু, ঙক্লিংঙাই ওইবা অমনা, মাগী নম্জা-নম্ফুগী তর্কনা পুথোক্লিবা দর্শন্দু তচুম অরানগী য়ুম্ফম য়াওদে। মায়কৈ অমরোমদগী য়েংলকপদা অনিগী তিন্নবা য়াদবা (Paradox) অদুদি

খন্নানিংঙাই ওই। বঙ্কিমচন্দ্রদি অথিংবা অমসুং মথোগী মত্ শন্দোক্লিবা, ভাব তানা অচুম-অরানগী মত-পিবা মীশক্লি। অদুবু মাগী খনায়দগী অচৌবা খুৎশেম অমা ওইরিবা মনোরমানা চুক্লি থারবা অপাম-নুংশিগী মগুণবু শোগৎলি। মহাক মশামক্লা মশাবু লুখ্রাবীনি হায়বা খঙজরম্মি, অদুগা লুহোংদুনা মাগী নুংশিবসি-মপুঙ ফাহল্লবদি মদুদা পীগদবা মমলদুস্থ মহাক খঙলম্মি। অদুবু মহাক্লা মদুগী দমক হৌশারমদে। নুংশিবা হায়বসে শেংলবা অমসুং থিংঙমদবনি হায়বদুদা চেৎনা থাজরম্মি অমসুং অচুম-অরানগী ল্লাখল অমদি অফ-ফত্তগী ল্লাখলনা মদুদা অথিংবা পিরবদি মদু ভগীরথনা পন্থিংহনদ্রবা গঙ্গাগী ইচেলবু অরেম্বদা শামু অমনা থিংনবা হোৎনবগুম্মা অপঙবা তাগনী। লোইরমদাইদা মনোরমানা মহাক অসি-পশুপতিগী মতম কুইনা মাঙখ্রবা নুপীনি হায়বা খঙলকই অদুবু মহাক্লা লৌনম্বগী য়ুম্ফমদা অমুক নৌনা য়ুম্মাল্লবী পুন্সি-অমা ওইবদি পাম্লমদে। মাসি উপকথানি, পাঙ্গী অমসুং চৎনবীদা খুদোং চাবা পীবনি। মনোরমাগী থোইদোকপা মগুন্দি অচুম-অরানগী ল্লাখল য়াওদবা নুংশিবগী থোইদোকপা মতৌদুনি অমসুং অসিগুম্বা মনা অসি ফংননবগী দমক লৈবাক অমগী নিঙতম্বা হায়বসে করিস্থ লৈতবা বলিদান নওে হায়রবদি ঐখোয়দা অঙকপা ওইনা থোক্লনি।

তরামাপলশুবা শতাব্দীদা বাঙ্গালাদা ওইরকখিবা কলা অমসুং সাহিত্যগী নৌহোনবা মতৌদু অরিবা ফিদমশিংগা অনৌবা বাখলগগী মরক্তা-ক্রক-ক্রক চিংনবগী মতীংনি হায়নস্থ উৎখে। মসিগী মতীং অসি য়াম্না পাঙ্গল থোক্লা মনোরমাগী ল্লারীদা ফোঙদোক্লি, অমসুং মতুং তারকপা উপন্যাসশিং—মরুওইনা ময়ায় ওইরকপা মতমগী উপন্যাস খরদা পারী-পুরিদগী লৈরক্লবা অচুম-অরানগী মতকা থম্মোয়দা ফাওরকপা থম্মোয়গী ইহলগা তত্তনা চাংয়েংনবা উবা ফংই। মসিমক অচৌবা সাহিত্যগী চপ-চাবা মতৌনি। মসিনা পুন্সি হায়বদু মালহল্লি, অসিগুম্বা অনিগী চাংয়েংনবসি অয়াম্বা মতমদা অরোইবা পৎখে নাইহন্দে অমসুং মখোয়গী ল্লারোইশিংদুস্থ নুংঙাইবা, হরাউ-তয়াম্না মপুঙ ওইবা উপন্যাস খরদা নত্তনা অতৈদদি তাঙনা থোকই। অসিগুম্বা মায়োক্লবা শক্তিশিংগী ক্রক-ক্রক চিংনবা মতৌদা চৎনবী অমদি উপকথাদা খুদোংচাবা কয়া পীদুনা ইবা, তোঙানবা ল্লাকৎশিংগী মশক ওইরিবা উপন্যাসশিং বিষবৃক্ষ, চন্দ্রসেখর, রজনী অমসুং কৃষ্ণকান্তের উইল শীঙথাবা য়াই।

# অনিশুবা পন্দুপ

## ময়ায় ওইবা মতমগী উপন্যাসশিং

মরিশুবা উপন্যাস বিষবৃক্ষ ( হুপাম্বী, ১৮৭৩ ) না বঙ্কিমচন্দ্রগী উপন্যাসকার অমা ওইবগী পুন্সি খোঙচত্তা অনৌবা থাক অমা লেংপ। হৌখিবা অতৈগুম্মা মসিদি অঙকপা থোদোক পরেংগী ওইবা উপন্যাস নত্তে, বঙ্কিমচন্দ্রগী মতমদা বাঙলা সমাজদা থোকপা—য়াবা থোঁদোকাশিংদু নিংথিনা উৎলবা সমাজিক উপন্যাসনি। প্লোটতি লুখ্রাবী—লুহোংবা অমসুং নিপা অমনা নুপী অমদগী হেন্না লুহোংবা, অনিসিমক্কা মরী লৈনৈ—মহাক্কী মতমদা য়াম্না কন্না য়েৎনরিবা ৱাথোকশিং। অদুবু মখোয়শিং অদু মহাক্না সমাজগী ৱাথোকশিং ওইনদি নৈনদে, অদুনা বিষবৃক্ষবু করিগুম্বা ৱাহং অমগী পাউখুম থিবা উপন্যাস কৌবদি লানগদসি। নগেন্দ্রনাথকী অনিশুবা নুপী কুণ্দনন্দিনীনা লুখ্রাবী ওইরমদুনা ময়ুম পান্দ্রবী নুপী অমা ওইরম্মবদি হিরম অসোমদা থেহৈদোক্কা মরু ওইরম্মোই। নুপী অনিদুসু য়ুমগী নুপী ওইনা পুন্না লৈমিন্নরমদে। বঙ্কিমচন্দ্রনা পুক্লিং চঙলম্মসু মাগী চরিত্রশিংগী মশা-মশাগী ওইবা মপুন্সিগী ৱারীদুনি. অমিগুম্বা ৱারীশিংসিনা সমাজগী ৱাহং কয়াগী পাউখুম থিবা ওইনদি মহাক্না লৌরমদে। কনা'মনা মসিবু পাউতাক্কী ওইবা উপন্যাসনি হায়না কৌবসু য়াই,—পাউতাক্কী মতৌদুদি উপন্যাসকী মমিং অসিমক্না তাকচরে—মসি সমাজগী ৱাহং অমগী পাউখুম থিবা উপন্যাস হায়বদুদি নত্তে।

মপান্থোংদদি নায়িকা সূর্য্যমুখীনি, মহাক্না ময়ুমদগী চেনখিবা ফাওবদি ৱারীদু মানা মপুঙ ওইবা ওইনা উই। বঙ্কিমচন্দ্রনা মাবু মরু ওইবা চরিত্র ওইনা লৌরম্মি, অমসুং পারিবা মীশিং অমদি সমালোচকশিংনসু অহানবদা ৱারীসি সূর্য্যমুখীগী ৱারী ওইনা খন্নে। অদুবু ঐখোয়দা ফাওরিবা মতৌশিংদু মুন্না য়েংশিল্লুরবদি মরু ওইবা শক্তমশিংদুগী মনুংদা মহাক্না খৱায়দগী হনথনা লৈবা থেংনগনি ; মহাক্কী মথৌদি মাগী মপুরোইবা নগেন্দ্র অমসুং মাগী অনিশুবা নুপী কুন্দনন্দিনীগী চরিত্রদা মুচু শংবনি। সূর্য্যমুখীদি 'মশাগী ৱাখলনা চৎচবা' চরিত্র নত্তে। তশেংনা হায়রবদা মহাক্না চেনখিবদু নত্তনা মাদি মশাগী

অপাম-নুংশি অমদি পুক্নিংগী ইহুলশিংনা হুমদুনা পুরমদে, সমাজদগী ফংলকপা অচুম অরানগী চৎনবী অমগী মখাদা চৎননবা হোৎনৈ। মরম অসিদগীনি মানা মঙোন্দা থাজদবা মতৌ উৎখ্রবা অমসুং মখোয় অনিগী মরক্তা অতোম্পা—নুপী অমগী মমিনা মরক খায়রে হায়বা খল্লুবা তৌদনা মপুরোইবদুদা হরাউনা অমুক হল্লক্তুনা নুংশিনা চঙজখ্রবা।

মপুরোইবা নগেন্দ্রদি 'মরক শরক্কী' মীতানি; য়াম্না ধর্ম্ম লৈবস্থু নওবা, লমচৎ মাঙথরক্লবা হায়বদুস্থু নত্তবা নত্রগা ফত্তবা শাজত্তা হৈনরবা হায়বদুস্থু নত্তবা। বঙ্কিমচন্দ্রগী মশক তাকপগী অরোনবা কয়া থেংনরিবসিস্থু মহাক্কী ময়ামগা মান্নবা মতৌসিনি। মহাক মশামক অচৌবা ওইজরবস্থু নত্রগা অপিকপা ওইজরবস্থু মহাক্না অপাম-নুংশিদা তৈরীবা মচু মতৌসিদি অমুক্কী মতিক হেনজিনখে মদুনা পোৎ অদু পোৎ—ওইহন্দ্রে। বঙ্কিমচন্দ্রনা মহাক্কী চরিত্রসী হেন্না তশেং-তশেংবা মওংদা য়েক্লম্মবদি ঐখোয়গী পুক্নিংসি অপাম-নুশিদগী থৈদোক্লম্মগনি। থিংবা-ঙমদবা অরাবগা মরী লৈনবা থোদোকশিংনা থাকশিংদু য়োরক্লবদা সোফোক্লিস ( Sophocles ) ড্রামাদা কলাকারগী ওইবা খুৎশা হৈবগী মতৌদু নিংশিংহল্লি। লাইবক্না হান্নরা মঙোন্দা চেকশিনবা তাকখ্রবনি অমসুং নগেন্দ্রদি মাগী লৈজবী থা-দুনা মাগী অপাম নুংশিগী রাখলদুগী মপু ওইনবা হোৎনখি; অদুবু মশানা মশাবু খুদুম চনবা ঙমখিদে অমসুং কুন্দনন্দিনীনা মাগী অরাবা দশাদুদগী থৈদোকপা ঙমদনা অদুম চঙশিল্লি। মতাং অ।দা খরায়দগী ফাংবা মখলগী কলাদি অফ-ফত্তগী মতনি, মরক মরক্তা ফাওরকপা ধর্ম্মগী পাউতাকশিংদু নত্তে হায়বাসি তশেংলে মরমদি মসিনা মীওইবগী অরানবা অমসুং নুংঙাইবা মতৌ-অসি খরমথৈ লাইগী নোংদমদগীনি হায়বদু নত্তে তাক্লি; মাসি সংসারগী ওইবা থোশিনগী শরুক অমনি অমসুং মওইবগী অরান-অহুইবু থিংবঙমদ্রবা মহৌশাগী পোৎলমশিংগী মাঙ-তাক্লবগী মশাক্লি হায়না উৎলি।

নগেন্দ্রনাথ অমসুং কুন্দনন্দিনীগী নুংশিনবগী থোদোকশিং পল্লকপদুদি অরাই-অখুমগী মত্তংদনি। কুন্দগী পুক্নিং অমসুং লমচত্তা থাজদনা ফগৎলকপা মতৌদুনা নগেন্দ্রগী মশাগী ওইবা মতৌদা তপ্না—তপ্না মরায় চায়থবা হৌরক্ই। অহানবদা মহাক নুপীমচা অমগী পিক্তা-পিক্লিঙৈগী মতৌদু চেল্লম্মি অমসুং অরোইবা ফাওবা মশানা মশাগী মশক খঙখিরমদে; অদুবু নুংশিবনা নুপী ওইবগী মপুঙ ফাবা মতৌদু ওইহনখি, অদুগা বঙ্কিমচন্দ্র মশামক্না মহাক্না শিববু লৈরাংনা লৈমন

চনবগা চাংদম্লে। নুংশিবা মতৌ উত্তুনা অসিগদুম্বী নুপী অমগী মশক-য়েকপা হোৎনবদা বঙ্কিমচন্দ্রনা অচুম-অরানগী মতঅদু পিরমদ্রবরা হায়বা ৱাহংসি হংনৈ। বঙ্কিমচন্দ্রনা লাল্লুরবা মীওইদা হেন্না মীনুংশি উৎলি হায়বসি মানা য়েক্লিবা চরিত্রশিংনা তাকই হায়বদা চিংনানিংঙাই লৈতে। খ্বাইদগী ৱাংবা কলাদি অচুম-অরানগী মত পীবনি হায়না মথক্তা পনখে, অদুবু অসিগদুম্বা কলাসি অচুম-অরান য়েংদবা কয়া'মগসু লোয়নরকই, মরমদি জীব পানবগী থিংবা ঙমদ্রবা পুক্লিংগী ইহুলশিংনা চত্থহনবা থবক্তা সমাজগী চৎনরোলশিংদগী হেন্না মরা চেৎনা লৈ। ঐখোয়গী পুক্লিংগী ইহুলশিংসিদি মী ওইবনা হেক লৈরকপদগী হৌনা লোয়নরক্লবনি অমসুং মথং মথং চত্থদুনা লাক্লিবনি অদুগা অচুম-অরানগী য়ুম্ফম অমদি অফ-ফত্তগী ৱাখলশিংসিদি কোন্না কাইনথংদা পোক্লকখিবনি। মসিগা মরী লৈননা ৱাফমসিনা প্রমাণ তৌবা য়াই ; মশকুশিংনা মখোয়গী মপুবোকপু ৱাররুগদ্রা ?

গ্রীক ট্রাজেডিগী মত্তং মতৌ-মসিগী গীতিকাব্যগী ওইবা মত্তং, ৱারীদা হেন্না পুক্লিং চঙাশিনবা মতৌগা—পাকথোক চাওথোকহনবা অমসুং চরিত্রদনা ৱারীদগী হেন্না মপুঙ ওইবা আধুনিক রোম্যাণ্টিক উপন্যাসকী মতৌগা অনিমক পুন্না বিষ-বৃক্ষদা য়াওই। ক্লাসিক ট্র্যাজিডিদদি লাইবক্তা তম্বা হায়বসিনা চরিত্রনি অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা অৱাবা তারবা মীদু হান্না মাঙজোননা চেকশিন ৱাহে কয়া হায়রবসু মদুদগী খক নাস্থোকপা ঙম্নদে। রোম্যাণ্টিক ট্র্যাজিডিদদি চরিত্রনা লাইবক লৌম্পি, মখোয়বু মপুঙ ফানা ফুমজিনগদৌরিবা ৱারীদু নুপী-নিপাশিংদুনা শেমজে। লাইয়স (Laius), জোকষ্টা (Jocasta , অমস্যুং ওডিপস (Oedipus) বু মখোয়গী শেন্নবশিংদা শিন্নিবগুম্না অরেম্বদা কুন্দনন্দিনীবসু শিন্নে। ওডিপস্ ট্যারেনস্ (Oedipus Tyrannus) দা চরিত্রশিংনা মশা-মশাবু কঞ্জনবা ফনা হোৎনরবসু মদুনা অসুম অসুম নুংঙাইতনা অৱাবগী পথৈখনুংদা পুরকই। মরম অসিনা কুন্দসু নগেন্দ্রনাথতা ঙাকপিশেনবীনবা চঙজফম থিরুববু হেন্না উপায় লৈতবী ওইনা থোকখি, মশাগী নোনা লুখাবী ওইবা মতৌদুদা মশানসু করিগুম্বা মতেং অমতা পীবা ঙমাখিদে। অদুগা নগেন্দ্রগী মফমদা পোকখিধা অপাম-নুংশি কয়াদুদি মরন্নাইগী ওইবা ৱাফম্নি, অদুগা মদুনা মহাকপু মরু-ফংনা মাঙহনবা তারবদি মহাক মশানা মশাগী মরাইবক লেপচবনি হায়নি।

নগেন্দ্রনা কুন্দদগী চেকশিঞ্জনবা মহৌশাগী থোঙচত্তগী থেইদোক হেন্দোকপা মিৎয়েং অমা চঙদে। চেকশিন-ৱা কয়াগী দমাক্ত মহাক মপ্নঙ-মরৈ ফারবা অমসুং হিরম খ্নদিংমক-তশেংনা উবা ঙম্মবনি, অদুগীসু মথক্তা মঙোন্দা অফবা পাউতাক পিবিনবা মী কয়া'মসু লৈ। মহাক্কী দমন্তদি, কুন্দদগীসু হেন্না মরমচৎনা মরাইবক লৈপ্পি হায়বসি চন্না থোকই। অদুগা মহাক অমসুং সূর্য্যমুখীনা শান্তি অমসুং পুক্নিংবু ফাজিনবা মতৌগা লোয়ননা মখোয়গী শাথিবা চাংয়েংদুদগী 'অপাম নুংশি ময়াম শিজিন্নথোকখিবদুনা পুক্নিংগী অঙ্গংবা মতৌ ফাওগৎলকখি হায়বসিদি ঐখোয়না আশা তৌনিংঙাই ওইদে। হিরানা মশাগী অপাম্না থুংনবা খনবগা লোয়না-লোয়ননা সূর্য্যমুখীগী নুংঙাইবা মতৌদুসু মাঙ-তাকহন্নবগী—মখোয়গী পুন্সি মরম্ভা তিল্লখি অদুবু অতৌশিংদা পিবগী মহুত্তা মশা মতোমতদা হেন্না হেন্না অৱাবা পিখি। মতৌ অসুন্না লাইবক্না তম্না হায়বসিনা মশাগী অঙকপা থৌরমশিংদু অনৌ-অনৌব মওংদা পুথোক্লবা চরিত্র শেম্বগুন্না চরিত্রনসু মীওইবগী লাইবক লৈপ্পি। মতৌ অসুন্না উপন্যাসনা মনীঙতম্না হায়না কৌবদু ক্লাসিসিজমু (classicism) না তঙাইফদবা হায়না খঙই ; অদুগা উপন্যাস অসিদদি হাররিবা অনিমক য়াম্না নকশিন্নবা মত্তংদা থমদুনা চেজেৎনা কোনশিল্লি। শেমগৎ-শাগৎ-লকপগী মাইকৈদগীসু বিষবৃক্ষদা গ্রীক ট্র্যাজেডিগী করেম কথাইনবা মতৌগা তরামাপলশুবা শতাব্দীগী রোম্যাণ্টিক নোবেলগী কোমথোকপা মতৌগা অনিমকসি পুলহল্লি।

বিষবৃক্ষগী মতুংদা বঙ্কিমচন্দ্রনা ৱারীমচা অনি'মগা ইরম্মি, অনিদুগী মনুংদা অমদি মাগী মতমগী থৌদোক লৌদুনা ইরম্মি অদুগা অতোপ্পা অদুনা হৌখিবা মতমদা মপুক্নিং থমখি, অদুগা মসিগী মতুংতাবা উপন্যাস চন্দ্রশেখর ( ১৮৭৫ ) দা মহাক্না অমুক্কা হন্না ইতিহাসরোমদা পুক্নিং চঙশিনখি। মাগী মমাংগী উপন্যাসশিংদগীদি চন্দ্রশেখরনা ইতিহাসকী হেন্না মপুঙ ফাবা মশক অমা পী, মরমদি অইবনা মতম খরগী মমাংগী অচৌবা থৌদোকশিং—মির-কাসিম্না মায়থিবা ফংখিবা অমসুং বৃটিশনা বাঙ্গলা শুপচিনখিবতা নত্তনা—মদুগী ফলনা ইচম-চমজবা খুঙ্গংগী প্রজাশিংনা মখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা অচিকপা মতৌবু থাদোক্তুনা ইতিহাসকী তৌফম খঙদবা চরাংনবা মওং অমদা লৈখিবা অসিনচিংবসু। মওংসিদা বঙ্কিমচন্দ্রবু ইতিহাসকী অশেংবা মওংদগী নাথৈদুনা পুই হায়না আপত্তি তৌনৈ, মরমদি মাগী মির কাসিম অসি মরৈবাক নীঙ্বা মীশক অমা

ওইবদগীদি শাথিনা নীঙ্বা কায়রবা অমসুং ঙাওচনবা মপুরোইবা অমা ওইনা হেন্না চঙখোন্না উৎলি, লান্দা থোৱা নৱাব অমা ওইনা মশাগী লৈজবা থোনা উত্তুনা লান্দম অমগী মতুংদা লান্দম অমা শোরুদুনা ইংরেজশিংবু তান্থোক্লবগী কান্নদ্রবা থৌরাংশিং পায়খৎলি। ঐতিহাসিক উপন্যাস অমগী মওংদাদি মসি তশেংনা লাল্লবনি, মরমদি মসিনা হৌখিবা থোদোকশিং উৎত্রে। অদুবু শরুাইবা ইতিহাসকার ট্রেবেল্যান ( Trevelyan) না অসুম্না পুথোরুদুনা উৎলি, ইতিহাসতি 'থৌরাংলবা আশা, য়াম্না চাউনা—অহোংবা অমা পুরক্লবা মাঙজোননা শেম্মবা, মতমপুম্বগী ওইনা মপুঙ ফাররোইদবা দষাদা তাবা, অদুম্নদি ওইরগা মীওইবা মশামক্তুম্না অহিংবা, চয়েৎনবা অমসুং অপাকপা মতৌ ওইগনি।' ইতিহাসদদি হায়রিবা—চয়েৎনবা অসি থোদোকশিংগী চয়েৎনবা, সমাজগী, অর্থনীতিগী অমসুং লান্মীগী শক্তিগীনি ; অদুগা উপন্যাসদদি মসিগী মহুৎ মীওইবশিংগী মরীশিং, অপাম্বাশিংগী লান্নেংনবা অমসুং চমন্মবা শাজৎশিংগী চয়েৎনবা মওং মতৌগী থবক্লা শিল্লি। ইতিহাস ইবা সৈর মুতাকহেরিন (Seir Mutaqheain) না মির কাসিম্না মাগী শক্তি লৈরবা, ৱাকৎ তোয়বা অমসুং তশেংনা থাজবা ৱাৎলবা মাগী সেনাপতি গরগিন খান (Gurgin Khan) দা হেনজিন্না চানবা মতৌ উৎলি হায়। অরমেনিয়া (Armenian) গী ফি-ললোনবা নিপাসিনা ঙাক্লিংঙাই ওইবা মওংদা হাইগৎলকখিবা নত্রগা নৱাবনা করিমতা খন্থদনা য়াম্না হেন্না নকশিন্নবা মরী থমখিবগী মতাংদা মসিনা মপুঙ ফানা শন্দোক্তুনা তাক্তে। ময়ামদগী থোইদোক্লবা মওংদা মশাগী ওইনা পীথোরক্লবা বঙ্কিমচন্দ্রনা দলানী (Dalani), গরগিনগী মচন মির কাসিমগীনা রানীদুগী চরিত্র অমা পুথোরকই। ইতিহাসগী চমন্মবদি মসিনা কোকহল্লি হায়ববু পুন্সি চমন্মবা মতৌদি অমুক্লা হেন্না লুশিনহল্লি। গরগিনদি ময়ামদগী তোপ তোম্পা মওংদা কা হেন্না আশা চাউই, য়াম্না হৈ-শিংই অদুম্নদি ওইরগা মাগী মিৎয়েংদি য়াম্না তেল্লি। ইংরেজশিং অসি নৱাব খুদিংমক্কী য়েক্লা তিংখং ওইরগনি হায়বসি মহাক্লা খঙই অদুনা মখোয়শিংসি মরুফুক্লা মাঙহনগদনি হায়বসি মাগী মতনি। অদুগী মতুংদগীদি মিরকাসিমু লায়না নাম্থোকপা ঙম্নগনি। অদুগী মতুংদনা মহাক মশাগী মমিংদা নৱাব ওইরগনি অদুগা দলানিবু অনিশুবা নুরজহান ওইহনগনি হায়দুনা মোইথেম তৌই।

প্ন্সি হায়বসি লোইবা নাইদ্রবা ঈচেলনি অমসুং মফম খুদিংদা অৱাংবা ৱাখলগী লাঙতক্লবা মতো লৈবা উই। মরায়বকথীরবা নৱাবনা নোংমা নোংমগী হেঙ্গৎলক্লিবা বৃটিশকী শক্তিবু নমথনবা হোৎনরুবা অরেম্বা তারে। মহাক য়াম্মা শাথিনা মায়থিরম্মি অদুবু মাগী পুক্লিংগী ইথিনশিংদি মমি শাম্লমদে অমসুং মানা য়াম্না তোয়না অঙাওবগী শাজৎ চৎচরবসু মাগী ৱাখলগী মঙলান অদুদি তশেং তশেংলম্মি। প্রতাপ হায়রিবা ৱারীসিগী নায়ক ওইরিবা—নিপা অসীদি ঈতিহাসকী মশক ওইবা মীশক নত্তে। ইংরেজশিংগা লান্থোংননবগী মশাগী ওইবা তোপ-তোম্পা ৱাখল লৈজে অমসুং থোনাফবগী খুৎশিদা শি। অদুবু আধ্যাত্মিক্কী ওইবা ইথো-লাংবা মতৌদদা নত্তনা মরু ওইবা অচৌবা থোদোক কয়াদা লুচিংবগী থোদাং লৌথিবগীদমক মহাকস্থ অৱাংবা আশাগী মাঙবা লৈররোইদবা মতৌনি। মপাল লমগী মীওইশিংসি পুম্নমক্কী ওইবা য়েক্লবনি হায়না মহাক্না লোই। মহাক্না ইষ্ট-ইণ্ডিয়া কোম্পানিগী কর্ম্মচারীশিং আমি অপুনবা, য়াম্না চেৎশিনবা-কাঙলুপ অমনি হায়না উৎলম্মি—লেপথিবা ৱাখলদগী হোংদবা থোন—লৈবা, কা হেন্না মতিক চাবা, অচুম অরানগী ৱাখলদি য়াওদবা; অদুগা পলাসীগী লাম্ফম মতুংদগীদি বৃটিশকী সাম্রাজ্য অমা লিংখৎপা শোয়দ্রে হায়বসিদা অচেৎপা থাজবা অমা থমথরবনি। মখোয়বু নমদুনা কিহল্লবা অমস্থং-লুনা খলহল্লবা অদুগা মখোয় মশামক্লসু কিজবনা লোইরবা মরল মথুম হায়নিংঙাই লৈতনা লৈরবা হিন্দুশিংদি ৱারীসিদা য়াওরিবা থোদোকাশিং অদুগা মরী লৈনদে, অদুবু মখোয়গী মওং মতো অমসুং শাজৎনসু তঙ তাদবা, অহোংবা লাকপা মতৌসিদা মতেং ওইখি।

উপন্যাস অসিগী মপান অমসুং মনুংগী শরুক অনিমক্তা ঈতিহাসকী মশক চাউনা য়াওজরবসু মপুঙ ওইবা ৱারীদি ঈতিহাসগী ওইদে অমসুং সমাজগী ওইবা ৱাফম অমতসু চুমদ্রিংনা উৎতে।

মির কাসিমদি জ্যোতিষ শাস্ত্রবু থাজে অমসুং য়াম্না তোয়না হিন্দু জ্যোতিষী-শিংগা ৱা তাথোক তাশিন তৌনৈ। ঈতিহাসকী ওইবা ৱাফম অসিমতং লৌরগা বঙ্কিমচন্দ্রনা নৱাবকী ওজা অমসুং মাগী ৱা তান্নফম ওইরিবা মহে হৈরবা জ্যোতিষী চন্দ্রশেখরগী মমিং লৌদুনা মাগী উপন্যাসকী মমিং থোনখি। চন্দ্রশেখরগী ইমুং মনুংগী ৱাফম নৈনরকপদা ঈতিহাসগী থোদোকশিংগা মরী

থম্মি অদুবু উপন্যাস অসিদি মরক মরক্তা অতোম্পা চরিত্রশিংদা মরু ওইবা মতৌ উৎচরবসু হেন্না প্রক্লিং থিংজিল্লিবদি বঙ্কিমচন্দ্রগী তাইবংদা খবাইদগী শুমহনিংঙাই ওইবা শক্তমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা চন্দ্রশেখরগী নুপী শেবালিণীনি। মহাক্না অঙাং পিশক ওইরঙৈদগী হৌনা নুংশিজরকপা অমসুং য়াম্না চেৎনা তান্নজরকপা অদুগা ময়ুম পাল্লবা মতুংদসু আশা উদনা কান্নদবা মওংদা তান্নজরিবা : মহাক্কী লন্বীদগী লাপথোক্লবগী থৌনা ফবগী খুৎশি অমদা শিখরো প্রতাপ, থৌনা ফবদা শীংথানিংঙাই ওইবা নায়ক অমগী গুণ চেনবা চরিত্রনি। বিষবৃক্ষদা নগেন্দ্রনাথ অমসুং কুন্দনন্দিনীগী নুংশিনবা অমসুং মতুং তাবা ফল হেঙ্গৎহন্নবগী দমক সূর্য্যমুখীনা তৌবগুম্না, মাগী শীংথানিংঙাই ওইবা মগুণ কয়া লৈজরবসু শৈব্যালিণীগী থম্মোইদা তত্তনা ওৎলিবা অদুদগী কন্নবগী দমক প্রতাপপু উপন্যাসসিদগী থোকহনবা তাখি।

শৈব্যালিণী চহি নিপালতা ঙায়রিবী নুপীমচা অমা ওইরিঙৈদগী হৌনা প্রতাপপু নুংশিজরকখি। মহাক্না চাউরক্লবা মতমদা মাগী অপাম নুংশিগী বাখলসি আশা লৈএবা মতৌনি হায়বা খঙলকখি, মরমদি মবান্নি লুহোংবা হারবসে হিন্দুগী আইন অসসুং সমাজগী নীতি ৱাংমদা লৈরম্মি। মখোয়না মশানা মখোঙ থোংনা মং থিজবগী য়ানবা অমা শেমখি, অদুবু শৈব্যালিণীনা হৈনিংদবা মতৌ উৎলকই অমসুং প্রতাপপু আৱবদুদগী কনবিখি। মহাকপু চন্দ্রশেখরদা লুহোংখি অদাবু প্রতাপপুদি খক-কাউবা ঙমখিদে অমসুং চহি মতুংদা মাগী নুংশিজবদুগা তিন্নবগী অকি অখং কয়ানা খোঙজং অমা চঙলকখি। মাগী অসিগুম্বা শিঙথানিংঙাই ওইরবা থৌদোক অসি অচুম অরানগী ৱাখল লৈতবা য়াওদে অমসুং ময়েক শেংদে; অদুগা মানা পাম্মিবা পোৎশক অদু নওনা তোংঙান তোংঙনবা মায়কৈ কয়াদা মাবু লমজিংবগুম তৌখি। অদুবু মানা থাজরুদ্রবদু অমুক ওইরকখি। মহাক্না প্রতাপকা উন্নখি, মসিনা মখোয়বু মাঙহন্জনবগী য়া-নবা অমা পীনবগী অনিশুবা তাঙ্গা ওইনা থোকখি, অদুবু মতাং অমদদি প্রতাপ্না মাবু খাম্বগী থবক্তু তৌখি। মহাক অমুক হল্লকখি অমসুং রমানন্দ স্বামী কৌবা মশাদা যোগগী ওইবা শক্তি চেন্লবা সন্ন্যাসী অমনা মাগী থম্মোয়বু শেংদোক্লবগী থৌরম চৎথহনখি। খেন্নবা কয়াগী মতেংনা চয়েৎনবা মতৌ অমা পীবা ঙন্বা কবি অমা ওইবগী মহৃতা শৈব্যালিণীগী মতাং অসিনা চমগ্নবা ওইনা থোকহল্লি। শৈব্যালিণীগী অঙনবা মতমদা অপাম নুংশিগী মরমদা

মপুক্নিংদা হেন্না ইরাং পোকখিবা, মানা ইখোলাংবা কোক্লবা হোৎনখিবা অমসুং মায়থিখিবা ; ঙম্লমক আসিনা ঐখোয়গী পুক্নিংবু তওনা চিংশিন্নখি। অরোইবদাদ চৎনবীদা খুদোংচাবা কয়া পিরে অমসুং ময়ায় ওইবা মতাংদা শৈব্যালিণীনা খোঞ্জেল থোক্লা হংখিবা ৱাহংদুগা লোয়নানা ঐখোয় উপন্যাসসিদগী হংবগী ৱাখল পোক্লি ; মহাক অমসুং প্রতাপতি মশা অমতদা পুন্না শাৎমিন্নবা লৈরাং অনিনি। ধর্মনা অমাদ সমাজনা মখোয়বু কায়নহনবা ঙমগদ্রা ?

চন্দ্রশেখরন্দগী মতুং তারকপা উপন্যাস অনিদুদি—রজনী (১৮৭৭) অমসুং কৃষ্ণকান্তের উইল (১৮৭৮) নি—রাধারাণী কোরা ৱারীমচা অমখক্তনা মখোয়গী মরক থৎলম্মি ; অনিসিদা ইতিহাসকী ওইবা ৱাফম অমতা য়াওদে। সমাজগী, ইমুং-মনুংগী অমসুং লন্নাইগী ওইবা উপন্যাসনি। অনিসিগী মনুংদা অহানবা ওইরিবা রজনীদি মসিগী হিরম অমসুং চথরিবা মতৌ কয়াদা অতৈদগী তোপ-তোপ্পা মওং খরা লৈরম্মি। মসিগী নায়িকা, বঙ্কিমচন্দ্রনা লিটোন (Lytton) গী ডি লাস্ট দেজ অফ পোম্পিয়া (The last days of Pompii) দা য়াওরিবী নিডিয়া (Nydia) দগী কান্নবা কায়াৎ অমা ফংখিবা মহাক্তুদি নুংশিবদা লুপ্লবী মিত্তাঙবী লৈয়োনবী লৈশাবী অমনি। বঙ্কিমচন্দ্রনা মহাক্না থেংনখিবদু অমুক নোংহোননা পুথোক্লবা হোৎনৈ—মহাক্কী থোরাংসি শিঙথাবা য়ানা মায় পাকই—মমিৎ-তাঙবী নুপীমচা অমনা মঙোন্দা পোকখিবা ৱাখলগী মওং অমসুং মাগী পুক্নিংগী ইহৌলশিংবু ফোঙদোকখিবা মতোমু। লিটোনিগী উপন্যাসতা থেংনবগুম মাগী ৱারীসিদি ইতিহাসগী য়ুম্ফম্না পিবা পাকথোক চাউথোকপা মতৌ অমসুং অৱা-অনা, পুক্নিংদা তুজুংনিংঙাই ওইবা নিংথিজবা মতোমুদি উবা ফংদে। নিডিয়াগী ৱারীদা শাথিনা নুংঙাইবা পিরিবা য়াম্না হকচিনবা মতৌদা ফাওরকপা পুক্নিগী নুংঙাইবা মতৌগা থাম্মাইনুংগী ৱাখলবু ফোঙদোকচবা ঙমদবগী অৱাবগা কোন্ননা চৎপা মতোমুসু ঐখোয়না উবা ফংদ্রে। ঐখোয়না মরক্তা খুদোংথীবা মতৌ কয়া থেংনরবসু অরোইবদুদি নুংঙাইবা ওইগনি হায়বসিদি করিসু চিংনবা পোক্তে। বঙ্কিমচন্দ্রগী অতৈ উপন্যাসশিংদা থেংনবগুম মসিদসু উপকথাগী মচাক কয়া য়াওই। লায়রবী লৈয়োনবী নুপীমচা অমনা চাউখৎবা সম্পত্তি অমগী মপু ওইরকখিবগী পুক্নিংদা য়াম্না ঙক্লা থোকহনবা উইলগী মতাং অমসু ঐখেয়েনা থেংনবা ফংই অমসুং ওইথোক্তবা কয়াবু থুংহনবা ঙম্বা সন্ন্যাসী অমসু য়াওই। মসিগুম্বা উপকথাগী ওইবা ৱারীগী কায়াৎ অসিনা মসিগুম্বা

উপকথাগী ওইবা ৱারীগী কয়াৎ অসিনা মীওইবগী পদ্লক্লিংবদ্ নদ্ঙাইবদা লদ্পহন্নবা হাপ্পনি। ময়ামদগী থোইদোক হেন্দোকপা সন্ন্যাসীগী শক্তিশিংবদ্ হেমলেট (Hamlet) তা ভূত-প্রেতকী ৱাবদ্ হান্ননা অচুম্বনি হায়না য়ানবগদ্ম ঐখোয়না হান্ননা য়াবা তাবনি. শদ্শগী লবঙ্গলতাগী মবদ্দিধ মরোশিং থোইদোক্লা মথো হাপ্ননবগীদমক অমসুং উইলদ্ পদ্থোকপা ঙক্ননবগীদমক—য়াম্না চগদ্ংনবা মওংগী মরোং-মরোংবা লম্বীগী থোদোক ওইরবসু রজনী অমদি অমরনাথ হায়রিবা চরিত্রশিংবদ্ অৱাবদগী কোকহল্লি।

লিটোনগী উপন্যাসদগী কায়াৎ—খরা লোৎদগী হেন্না মহাক্লা কয়ারক হন্না শিজিন্নরবসু, মাগী ৱাখলগী মঙলান্শিং শাগৎপদা ইতিহাসকী নদ্ঙাইবা কয়া লৌজরবসু বঙ্কিমচন্দ্রনা ইতিহাসগী ওইবা য়দ্ক্ষম অমা শাগৎকে হায়নদি খনখিদবা অসিমক খরমথৈদি ঙক্লিংঙাইনি। মদদ্গী মহুত্তা লবঙ্গলতা কৌবী অনিশদ্বা নদ্পী অমগী ৱারী অমসুং নায়িকাশিংগী মনদ্ংদগী কনাগদ্ম্বী অমগী নদ্ংশিবদা নিঙবকায়রবা অমরনাথ অমসুং অতোপ্পা অমমদ্ক লদ্হোংগদবগী য়াম্না নকপা মওং লৈরবা ৱার অনিসিবদ্ পন্না শমজিন্নদ্না হেঞ্জিনা চয়েৎনহন্দ্না মপদ্ঙ ওইবা ৱারীদা হেন্না হেন্না চমম্নহল্লি। লবঙ্গলতা অসি, মশাগী হান্নগী নদ্পীসু হিংলিবা হনদ্বা অমগী অতোনবীনি অমসুং মশাগী মরোশিংনা মঙাল চাউখি, নদ্ঙাইবা মতৌনা পদ্মথন-থল্লি বঙ্কিমচন্দ্রনা মথম্মোয়দা অহোংবা ৱাখল লৈতবগা লোয়ননা মতাং খরদদি নদ্পী-লোনবা হায়বসি থোইনা অমাঙবা নত্তে হায়বা উৎনিংলিবর? মসিনা ওইবা তারবদি মহাক্কী ৱাখলসি মশাগী ওইবা অনিঙবা অমদগী লাকখিবনি হায়বা য়াই, মহাক্লা কন্না থিংখদ্বা নদ্ংশিবা অমগী নদ্ংশিবা পোকপা ৱারী অমা ইরম্মে; মহাক্লা মহাক্কী মতুং তারকপা শক্লাইরবা শরৎচন্দ্রদা মখদ্ৎ শাংনা তিংথোক্লম্মে, মরমদি লবঙ্গলতাগী থম্মোইগী লাংথাক অদদ্গী য়দ্ক্ষম দেবদাসকী পার্বতীগা মান্নদবা-নত্তে। মহাক্লা মতম অমদা মাগী অহানবা নদ্ংশিনবা নিপাদদ্দা তমথিবা মতৌ উৎলম্মি 'মদদ্না মহাক্লা রজনীবদ্ ফংনবা হোৎনবা থৌরাংদদ্দা নিঙহন্নবা পোক্লবা থোওংনি অদদ্গা মহাক্লা লদ্হোংদদ্না লৈরিবা হনদ্বা নদ্পাদদ্দা নদ্ংশিবগী লেপ্তবা—ৱাঙাঙ কয়া অমসু ঙাঙখি মাগী মথোদদ্দা হেন্না তশেংবা মতৌ উৎখিবদদ্দা করিসু চিংনিনিংঙাই লৈতে অদদ্বদ্ মশাবদ্ নমথাক তোজবগী অৱাবা নংবা মীশক অমা-ওইখি হায়বসিদি ঐখোয়না শোয়দ্রে হায়বা ঙমদে। মাগী মপান্থোংদা উৎলিবা মাগী মথো অমদি থবকশিং অসিগী

মতুংদা মাগী থম্মোইগী চীক্লদা কাচিন্দা অমরনাথনা খৱাইদগী অথোইবা ওইনা পানবগী মতৌদি অদুম্মক লৈ। মহাক্লা থম্মোই শোক্লা অমসু হৈনিংদবা মতৌ উত্নুন হায়—মাগী ৱাহৈপরেং অদুফাওবা মপুঙ ফানা হায়জবা ঙমদে—থাওমৈ অসি ঙাল্লরোই, লৈরাংসিসু শাৎলরোই, অদুবু শেংনা হায়দোক্লবগী মপাঙ্গল লৈত্রবা নত্রগা মথোনা য়াওদ্রবা আশা খরদি লৈরম্মী মহাক মহাকী মাইয়োক্তা লৈবা পুম্নমকপু নমথবা ঙম্বা, মনুং ফাওনা খঙভিন-উশিনবা ঙম্বগী মরোশিং অমসুং মীবু খুদম চনবা ঙম্বা গুনশিং লৈবী নুপী অমনি ; অদুবু অমরনাথকা শক্কা শক্কা উনরবদি মহাক পুক্লিং লৈতারমদে অমসুং মপুক্লিংদা অৱাবা মতৌ উৎলদুনা হায়জে—মাগী পুক্লিংগী পাঙ্গলবু মথা তানা অমুক চায়েং তৌবীরগনু।

ৱারী অসি-লীবদা বঙ্কিমচন্দ্রনা মপুঙ ওইবা চরিত্রশিংদি মশানা মশাগী ৱারী লীজবগী মওংদু শিজিন্নে। মসিসু রবীন্দ্রনাথকী ঘরে বাইরে (য়ুম অমসুং মালেম) গী ৱারী মরীদুগী মওংনি। মীপুম খুদিংনা মশা-মশাগী ৱারীদু মশাগী ওইবা মিৎয়েংগা লোয়ননা—লী, মী-মীদুগী শাজৎ লিচৎকী মওং মতুংইন্না মখোয় মখোয়গী পুক্লিংগী ইথিনশিংদু ফোঙদোকই অমসুং মরু ওইবা চরিত্র অমনা অতোম্পা অমগী মরমদা খল্লিবা ঙম্নমক মদুদগী ঐখোয়না খঙই। অদুবু মসিদা মপুঙ ওইবা অশোয়বা অমদি লৈ। মসিনা পুক্লিংদা ফাওহল্লিবা ৱাখলশিংদু খুৎশেমগী মওং মালহল্লি ; মরমদি থৌদোক কয়া থোক্লবা নত্রগা থোকখত্রবা তুংদা চরিত্রশিংদুনা কমিটি অমা শেম্মি-অমসুং মখোয়গী ৱারীশিংদু শেমগৎ-শাগৎনবগী-দমক মখোয়-খুদিং কো-ওপরেটিভতুগী থবক অমমমু, মশা-মশাগী ওইবা থৌদাং অমগমু শিন্নে। হায়রিবা অহৌবগী অপনবশিংসি ঐখোয়না খন্থরুদ্রবদি ৱারী অসি য়াম্না নান্না অমসুং পাঙ্গল লৈনা লী হায়বসি ঐখোয়না য়াবা তাবনি, মরক মরক্তা হঞ্জিনবা মতৌ কয়া য়াওজরবসু ইচেল য়াঙনা পন্থুংদু য়ৌই। অদুগা অমুকসু মপুক্লিংদা তারিবা মমি অদুগী মতেংনা মমিৎ তাঙলবী নুপী অদুনা মাগী মশাদা ফাওরিবা অমসুং মপুক্লিংদা পোক্লিবা অৱা-নুংঙাইগী মতৌশিং ফোঙদোকপদুসু পুক্লিং খোয়দাবা মতৌগী মওং-মতৌ শিজিন্নে। মসিগী কান্নবা মতৌ অমনা য়াম্না নক্লবা মরীদি লৈবা, অদুগা অমুকহন্না চান্নবা য়াররোইদবা মওংদা য়েংথিনরবা অমরনাথ অমসুং লবঙ্গলতাগী ৱারীবু মসিনা য়াম্না শম্না মওংদা

৩

মপাঙ্গল লৈনা ফোঙদোকপাসিনি। মীশকশিং অসিগী মরক্তা লৈনরিবা নুংঙাইনদবা মতৌশিংদু কনাগুম্বা অইবা অমনা ৱারী লীবদগীদি মখোয় মশেল লীজবাসিনা হেন্না ময়েক শেংহল্লি। বঙ্কিমচন্দ্রগী উপন্যাসশিংদগী মীনা খৱাইদগী পান্নবা অমসুং য়েৎননিংঙাইস্নু ওইবগীদমক তোঙান্না তারবা আনন্দমঠকা কৃষ্ণকান্তের উইলগা মান্নবা মতৌ কয়া লৈ। অদুগা মসিনা আনন্দমঠতগী থেন্নরিবনা, মসিদা মশাগী নওবা অতোপ্পগী কান্নবা, ধর্ম্মগী অমসুং রাজনীতিগী ৱা—য়াওদে। মসিদি কলাগী অশেংবা মতৌনি—থোদোক ৱাথোক কয়ানা মীওইবগী শাজৎ-লীচত্তা মথং মথং হোংহল্লকপগা মরী লৈনবা ইমুং মনুংগী অমসুং সমাজগী ওইবা উপন্যাসনি। মসিগী থোইদোকপা মগুণনা মসিগী অচম্বা মতৌসিনি। মসিদি ফজবা লৈথেংকয়া য়াওহন্দনা ইচম-চম্বা ৱারী-ৱাতাইগী মওংদা ই। মসিদি তশেংনমক লেঙদ্রবা অচুম্বগী মতৌনি. মসিদা উপকথাগী নত্রগা জ্যোতিষ-শাস্ত্রগী ৱা য়াওদ। মসিনা ৱারী অমখক্তমক লী—ভ্রমর, রোহিণী অমসুং গোবিন্দলালগী। অৱাবগী পোলোই পুক্লিংদা ফাওহন্নবা অমসুং মাংজৌনা খঙহন্নবগীদমক মতেং পাংবা ওইনা নিশাকর য়াওজরবস্নু মপানগী মীতোপ্ ওইনা অদুম লৈ অমসুং চঙলকপগা থোকখিবগা মান্নে। কৃষ্ণকান্তের উইলগা মওং কয়াদা মান্নরিবা বিষবৃক্ষদা মপুঙ ওইবা ৱারীদা হেন্না মপুঙ ফাহন্নবগীদমক্তা দেবেন্দ্র অমসুং হিরাগী ৱারীগী লৈথেৎ য়াওহল্লি। কৃষ্ণকান্তের উইলগী চয়েৎনবা মতৌ অমতং পনবা তারবদি ৱারী অমখক্তংগী ওইবা চয়েৎনবসিনী।

গোবিন্দলালগা ভ্রমরগা মথৱায় নুংঙাইনা লুহোংলম্মি-অমসুং মখোয় অনি অমনা অমবু চেৎনা নুংশিরম্মি। মখোয় অনিগী য়ুম্মানবা পুন্সিগী লীশাঙদা রোহিনী কৌবী মশক মতৌ ফজরবী, তাৎ-পাৎ য়াম্না হৈবী—লুখাবী অমনা য়ৈথায়-থিনগাইবা পিরম্মি; গোবিন্দলালনা মাবু নুংশিবা মতৌগা লোয়ননা অপাম্বা পোক্লম্মি অমসুং মাগী তাৎকী মিরাংদা গোবিন্দলাল মশানা মশাবু থুহঙ্গরম্মি। রোহিনীনা ময়ুমদগী গোবিন্দলালগা লোয়ননা চেনখিদুনা লাপথবা প্রসাদপুরদা লৈবা নিম-পাম্বী থাবা—নিপা অমগী মওং তাদবা দলান অমদা লৈখি। মখোয়না সমাজদগী লাপ্না মফমদুদা মতম খরা লৈরিঙৈদা নোংমা নিশাকর কৌবা পুরা-প্পুরী মীতোপ ওইবা মীশক অমনা মখোয়গী মরক থৎলখি। গোবিন্দলালনা মওং তাদবা মতৌ উত্নুনা তান্নোকখিরম্মি অদুরু রোহিনীদি পুক্লিং খোয়দাখি অমসুং মাগা লোন্না উন্ননবগী থৌরাং অমা শেমখি। অদুবু মখোয়না মিনিট

মঙা ফাওবা ফানা ফম্মিন্নবা ফংখিদে, গোবিন্দলাল লাকপদগী মখোয় পাখৎনখিরম্মি ; গোবিন্দলালনা রোহিণীবু মখোয়গী য়ুমদদা পুখিরম্মি অদুগা নোংমৈনা কাপ্পুনা হত্তোকখি।

উপন্যাসদুগী সমালোচকশিং—অথোইবা ওইরবা শরৎচন্দ্র চট্টোপাধ্যায়না মখোয়গী লুচিংবা ওইনা—ব্রাহংদু হেন্না চমন্নবা মওংদা থম্মি ; অরোইবদু রোহিণীদা তশেংনমক চপচাবা ওইনা থোকপ্রা ? নত্রগা নুপী লৈরবা নিপা অমবু মাগী ওইনবা হোৎনরুবা অমসুং নুংশিরুবা ; লুখ্রাবী অমদা মীনুংশি উত্তবগী চৎনবীগী ওইবা অচুম-অরানগী মত্ অদুদা চঙজবা নত্রা ? গোবিন্দ-লালবু খমথংনা নুংশিজরিবা মহাক্না গোবিন্দলালগী শোয়দনা ওইরগদবা মরল-মথুমশিংদু মাঙহন্নবগীদমক মানা কৃষ্ণকান্তগী কাদা চঙদুনা উইল হুরানবা পামখিবা অমসুং মাগী আশা উদ্রবা অপাম-নুংশিগী ব্রাখলশিং অদুদগী নান্থোক্লবগীদমক মশা মতোমতা শিজবা পামখ্রবী রোহিণীনা লুহোংদনা নিপা অমগা পান্নবা, ময়ামদগী তোখাই-তারবা পুন্সিদা ইহান-হানবা ওইনা লাকপা শুমহৎনিংঙাই ওইরবা মীতোপ অমগী ব্রাবু মানা য়ারমগনি হায়বসি মনোবৈজ্ঞানিক ওইবা মিৎয়েংদা কদায় ফাওবা ঙাকথোকপা য়াবগে ? অসিগুম্মা ব্রারোইশন অসিদি অচুম-অরানগী মত্কী অখুবা মিৎয়েং অমদগী থিংবনি অমসুং অশেংবা নুপী ওইবীগী মফমদা অচোবা লংজবা অমনি হায়না শরৎচন্দ্রনা হায়। মদুনা মরম ওইদুনা মাগী উপন্যাসশিংদা অসিগুম্বা মথনাই পানব শক্তম কয়া য়েকখিবনি হায়বসিসু মখা তানা পনবা য়াই।

অদুম ওইনমক ঐখোয়না নুপী ওইবগী মতোদা মীচঙ্চঙবনি নত্রগা মায়োক্তা লৈবনি হায়বা ব্রাখল অমা হান্নানা ঐখোয়গী পুক্লিংদা লৈরিবসি লৈহন্দনা উপন্যাসকী মনুংগী মচাকশিংদু কুপ্পা নৈনরবদি অরোইবা মতাংদা ওল্লক্লিবসি ব্রারীগী ঙল্লিঙৈ মতমদা থেংনখিবা রোহিনীদদি চা-নদবা ওইনা থোক্তে। মহাক্তি কুন্দনন্দিনীগুম্মা মরক মরক্তা অশোয়বা খরা-খরা চৎপী নুপীমচা নত্তে, মাদি শাথীনা ফত্তবা লৌশিং-চেনবী, মশাগী নুংঙাইবা ফংননবগীদমক মশাগী মরাল য়েংদবী, লাইবক্তাতম্মা মতো হায়বদুদা মশাগী অব্রাবা মতৌ ওইরবী নুপীনি। মহাক্কী লমচত্তা খুদাইদগী মপুঙ ওইরিবা পুক্লিং ইথিলদি নুংঙাইবগী অপাম মিহোবনি। মাগী অপাম-মিহোসি থুংননবগী দমক মানা তৌবা ঙমদবা হায়বদু লৈতে। পুন্সিগী ওইবা ব্রাফম অমদা নিঙবা-কায়বনা মাগী অচুম

অরানগী মতৌদ্দ নিংথিনা খন্নুবা ৱাৎপদগী মাঙহল্লি অমসুং মাগী থৌনা ফবা মবুদ্ধি মরৌশিং, মাগী অপাম-নুংশিগী মতাংদা শিজিন্নে। হেন্না ফবা পোৎশকশিংগীদমক মহাক্না নুংশিবা খঙদ্রবা হৌদোং অমবু স্নু য়া-নবা থেম্না ঙমগানি-অমসুং নুংশিবদা ইনোৎ হাম্পিবা লমহেনবা কোকিল অমদগীসু নুপী-নিপা লোয়নবগী নুংঙাইবা ৱাখল্লশিংদু লৌথোকপা ঙমগনি হায়না বঙ্কিমচন্দ্রনা ফাঁগি তৌরদুনা মাগী মত্ পী। অসিগুম্বা মখলগী নুপীসিনা চঙজফম ফংদুনা তঙ-তানা লৈরম্মবা অমসুং য়ুম্বাল লম্বীদা ফিভম চেৎনা লৈরম্বা থোক্লবদি মীওইবগী অচুম-অরানগী ৱাখলদদা নত্তনা যজবগী মতৌদুসু শাথীনা লঙজবা অমা ওইনা থোক্লমগনি। মহাক্না প্রসাদপুরদা পাইরিবদুসু নুপী-নিপা লোয়নবগী খৌরাংবদু মপুঙ ফাহন্ননবগী ৱাখলদা ঙাওখিবদগীনি—মদুবু হকচাংগী ওইবা অপাম্বা নত্রগা নুংশিবা কৌই। অদুবু মদু সমাজগা শম্লনা লৈরিবা মীওইবগী মহৌশাগী ওইবা চিজ্জাকশিংগী শরুক অমা ওইহনবদি মহাক্না ঙমদে। শুপ্পগী পুক্লিংগী ইথিল অমখক্তমক তান্নরিবা, অতোম্পা মশাগী ওইবা মতৌশিং ফোঙদোক্লবগী পাম্বে-ঙম্নমক থিংজিন্দুনা চোকথহল্লবা পুন্সিগী কনাগুম্বা মীশক অমনা মহাক্না গোবিন্দলালদা থেম্বগুম্না হরলালদসু খুদক্তা য়াথোক্লমগনি হায়বসিদা করিসু মাল্লোইদবা লৈতে অদুগা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা অপাম্বা অমসুং খৌরাংবসু পোক্লমগনি। মহাক্না জ্ঞান তানা গোবিন্দলালদা থাজবা থমদ্রবীনি হায়বসিদি উৎপা—পামলমদে; সমাজনা য়াদ্রবা মাগী নুপীসিগী ৱাখলনা পুক্লিংদা হুইগং-থাংলবা মপুরোইবদগী অনৌবা মখল অমদি মপুঙ ফাবা মতৌ অমতা ফংলক্তবা ৱারবা পুন্সিদা হকচাংগী মিহুনসি লেম্পদগী মিনিট তরাদংদি কোক্লনবা হায়দুনা নুংঙাইবা ৱারী মতেক অমতং শামিন্নগে হায়না মহাক্না অহানবদা খনখি।

উপন্যাস অসিগী অহানবা শরুক্তা রোহিনীগী পুক্লিংদা ফাওরক্লিবা অপাম-নুংশিগী ৱাখলদু উৎলি, ৱারী লীবগী মওংদি চাং ওইনা তম্পা, মরমদি ৱারী অসি মীনা য়া-নবা অমসুং থাগৎনবা ৱারী অমা ওইননবগীদমক রোহিনীগী লমচৎ-শাজৎশিং অমসুং মাগী লমচৎকী মচাকশিংদু শেংনা-উৎপা তাবনি। মথাগী থাক য়োরকপদদি মহাক্না শীজিন্নরিবা মত্তংদু চুনররোই অমসুং মদুনা তন্থরকপা পোকহল্লগনি খনবদগী মহাক্না অতোম্পা পাম্বে-অমা শীজিন্নখি—মশাগী মতৌশিং অমদি মহুৎ শিনবা খুদমশিংগী মতেংদা ৱারী লীবা।

গোবিন্দলালগা রোহিনীগনা লৈরিবা য়ুম অমসুং মদুগী অকোয়বদা লৈরিবশিংদুগী দৃশ্য থারকপদু অর্থ য়াম্না চেলহল্লি। হৌখিবা মীহাৎ মীপুনগী থৌদোকশিংনা মনম চুরবা, মীওইবগী মশক উদ্রবা অমসুং মীনা থাদোক্নরবা য়ুমজাউনি; য়ুম অদুগী নাকন্দা চেল্লিবা তুরেল মচাদুসু ইচেল লেংপবগুম্মবনি, মসিনা তুমিন্না সাক্ষী ওইদুনা মীনা য়াররোইদবা অনিগী নকশিন্নবা মতৌদুগী মরায় চায়থরকপদু মহুৎ শিন্দুনা উৎপা মপুঙ ফারব শক্তম্নি। য়ুমদুগী মনুংগী দৃশ্যদুনা অমুক্না হেন্না অর্থ চেলহল্লি। য়ুম অদুদা মরক মরক্তা দুকান্দার অমখক্না মাগী হিসাব হোৎপা লাকপা নত্তনা অতে কনা অমগী খোঙ্গুল তারদে। কাশিং অদু লৈতেংবদি লৈতেংই হায়ববু কয়া চুনবা মওংদদি লৈতেংলমদে। য়ুমদুগী মপু ওইরিবা গোবিন্দলাল মাগী নুপীদুদদা পুক্নিং লুংপন্মি অমসুং অতৈদদি মপুক্নিং তয়াং—তশোয়র্নম্মি। মফম অদুদা যন্ত্রগী ওইবা পাড়া অমসু তাই—অদুবু মদুগী দৃশ্যদুনা মদু মথনাই পান্দবা থৌদোনি হায়না উৎলি—হায়বাসিদা চিংনিনিঙাই ওইদে। য়ুমদুদা লৈরিবা অতোম্পা মী হায়ববু—মীনাই অনিদুনি—মশাদা ঈ থাংলবা মীওইবগী মতৌদগীদি ভূত-প্রেততুম হেন্না মালি। অসিগুম্বা য়ুম অসিদা চুম্নগী ভ্রমর হায়বা মিংসি শোনবতদা বোম পোকথায়বগুম থোকই অমসুং মফম-মরাং খঙদনা পোৎ খুদিংমক লৈমায়দা তাই। নুপী থেম্বগী অহানবা খোঙথাংগী মওংদা নিশাকরগা উন্নখিবসি মদুগী চপ-চাবা মতুং তাবা মহৈনি। বঙ্কিমচন্দ্রনা মতাং অসিদা থম্লিংলিবা মরীদি কনাগুম্বী মপুকচেল শেংবী লোয়নবীগী নত্রগা আইন-নদি য়াদ্রবা অদুগা তশেংনদি নিংজবী কনাগুম্বী নুপীগী ফিদম্নফম ওইবা মতৌশিং অদু নত্তে, অমরোমদা অপাম-নুংশি অমসুং অন্না-অনানা থল্লবা মীওইবগী ৱারীনি। মতৌ অসুম্না মহাক্না ভ্রমরবু মগুণ লৈহল্লি; অদুগা ভ্রমরদি মহাক্না মান্নবা মওংদা থম্মিবা বিষবৃক্ষগী মীওইবগী মথোনা, মীগী মশক লৌহল্লিবী সর্বামুখীগুম্বী নত্তে। মহাক্তি-অঙাং-মাল্লি, তাৎ-পাৎ-হৈ অমসুং ঙাকপিহৈত-বীনি। মশাদা অসিগুম্বা অশোয়বা মতৌ কয়া য়াওবসিনা মহাকপু হোঞ্জন্না মী-ওইবা মতৌ মালহল্লি। রোহিনীনা শেলংবা নুংশিবগী মৈরিক অদু কাপথোরকই অদুবু মহাক্তি মপুঙ ফাদবা মওংদা শেমগৎ শাগৎলকপা ঞান্না মশাগী ওইবী নুপীনি অমসুং মাগী মবুদ্ধি মরোশিং ঙম্নমক শুপ্নগী মপুক্নিংগী ইথিলশিংদু ফংননবদা শিজিন্নখি। খুদাইদগী মরু ওইরিবদি মহাক অসি অথোই-অহেনগী চাং য়াওদবশিংগী, খুদাইদগী হেনবা অথোই-অহেনগী চাংনি। বঙ্কিমচন্দ্রনা মাগী

উপন্যাসশিংগী মনু়ংদগী কৃষ্ণকান্তের উইলনা খৱাইদগী পামজরম্মি হায়না হায়নৈ। নুংশিজবা খুদিংনা মাগী মাগী তোপ-তোংপা অপাম্বা লৈজরবসু মানা মসি হায়রম্মিবগী অচুম্বা মরম করা'মা লৈরমদবদি নত্তে।

বংকিমচন্দ্রগী মথংগী উপন্যাস রাজসিংহ ( ১৮৮২ ) দি ইতিহাসগী ওইবা অমসুং মীয়াম খঙনবা শন্দোকপা উপন্যাসনি। হিন্দুশিংগী লান্দা থোৱা থোনাবু মীয়াম খঙনবা মানা লাউবা পাম্মি অমসুং মাগী ৱাফম অসিবু শোগৎনবা মচাক্কী-দমক রাজপুতকী শগোল তোংবা লান্মীরোমদা মমায় লৌশিল্লি। ধর্মগী মচিং-মশোয় নাইবা মওংনা অচৌবা সম্রাজ্য অমবু কদায় ফাওবা শোন্নুহনবগে হায়বদু মহাক্না উৎনিংই অমসুং মদুগী মতিক চাবা খুদমদি মঙোন্দা ঔরঙ্গজেবনা ওইহল্লি। বংকিমচন্দ্র—মশামক্না রাজসিংবু মাগী অশেংবা ঐতিহাসিক উপন্যাসনি হায়না খঞ্জরম্মি, মদুগী মরমদি উপন্যাস অসিগী ৱারীগী মপুঙ ওইরিবা মোগল অমসুং রাজপুতশিংগী লান অসি ইতিহাসকী ওইবা ৱারীনি অমসুং মসিগী মচাকশিংদি তোংঙান-তোংঙানবা হৌরকফম কয়াদগীনি। অদুবু মসি মী অয়াম্বনা য়ানরোইদবা মতৃনি। ৱারীগী মপুঙ ওইবা ৱাফমদি ইতিহাসকী ওইদ্রবসু মহাক্না দুর্গেশনন্দিনী অমসুং চন্দ্রশেখরদা ইতিহাসগী মথৱাই য়াওদ্রবা শরু-শয়াংশিংদুদা মথৱাই হাংপদা মাই পাকই অমসুং মৃণালিনীদা মুসলিম্না জয় তৌবা মতমদা বাঙ্গালাগী হন্নুরকপা মতৌশিং—য়াম্না মমুৎতানা নিঙশিংহল্লি। ট্রেভেল্যান ( Trevelyen) গী ৱাহৈদু শিজিন্নদুনা ঐখোয়না থৌদোক-ৱাথোকশিংদু ইতিহাসগী ওইবা ৱাফম নত্রবসু হেন্না ঙক্লিংঙাই ওইরবসু "ইতিহাসগী মতৌ তম্বাশিং" নি হায়বা য়াই। রাজসিংহদদি মীয়ামদা খঙহন্নিংবগী অপাম্বদুনা হেনমনখিবনা মাবু লান্না লমজিংখিদুনা, মপুঙ ওইবা শরুক্তা মশানা মশাবু নমথাক তৌজবগী অৱাবদু নংখি। মহাক্না থোইদোক্না নৈনরুবা তৌদনা টোড (Tod), ওর্ম (Orme) অমসুং মেন্যুকসি (Manucci)না—পীবা ৱাফম্ব য়াই অমসুং ঔরঙ্গজেবপু মশাগী অহল ওইবা চহি মতাংনা মপাঙ্গল শোল্লব মীশক অমা ওইনা উৎলি। মহাক্কী হারেমবুসু নিংথিনা ঙাক-শেনবা ঙমদবা অমসুং য়েক্লববুসু জয় তৌবা ঙমদ্রবা ওইনা উহল্লি। ওর্মগী হিস্টরিকেল ফ্রেগমেণ্টস (Historical Fragments) অসি—ইতিহাসকী ওইবা ৱা—নত্তে চুম্না মচেৎ মচেৎ তাহনবান ; অমসুং টোডনা পিরিবা ৱাফম অদুবুনা খেন্নবা মতৌ কয়া কুপ্না থিজিল্লিবা অপাবাশিংনদি হেনজীন্না নুংশিনুংঙোলগী মরীদা

পুক্নিং চঙশিনবা, ময়েক শেংদবা ইতিহাসগী মওংনি হায়বসি লায়না খঙবা ঙম্মি। মেনাকাসিদি দারা অমসুং মাগী ইমুং মনুংবু শেন্নরিবা মাইবনি ; মসিনদি বঙ্কিমচন্দ্রদা থোইদোক্লা চৈথেং পিরমদে, মরমদি অসিগুম্বা ইতিহাস ইবা মী অমবুদি মশানা ইরায়লায়না অচুম অরানগী ৱাখল য়াওদবা মতৌনা মমিৎ তাঙহনজগনি। ওইহন্নিংবমখৈ ওইহল্লবসু ঔরঙ্গজেবতি মপাঙ্গল শোল্লমদে। তশেংনমক হায়রবদা, ঔরঙ্গজেবকী মবুদ্ধি-মরোশিংদা য়াম্না থুবা মতৌ অমসুং মপাঙ্গলগী ওইরসু অচৌবা থবক কয়া তৌবা ঙম্বদা, ভারত্তা পানখিবা নিংথৌশিংগা মাগা চাংদম্নবা খরা ৱান থোক্কনি। অদুবু উপন্যাস অসিদদি মহাকসি তশেংনমক নুপীশিংনা খুদুম চল্লি। মহাক্লা য়ুথকপী উদিপুরিদা নুংশি চাউবা মতৌ উৎলি ; য়াম্না শাথীবা, ধর্ম্মদা মমিৎ তাঙলবা মীশক অমা ওইজরবসু—উপন্যাসকারগী খুৎশেম অমা ওইরিবা—মহাক্কী হিন্দুরাণীবু মানা পামজবা, হিন্দু ধর্ম্মগী অচেৎপা থাজবা মওংদা হিংজবা মহাক্লা য়াহনখি, অমসুং মথৌনা লৈরবী রাজপুত লৈশাবী অমনা মাগী কোনুংদা চঙলক্কুনা নুপীমচাদুগী চলাক্লা মাবু অপঙবা শীবদু ইরায়-লায়না য়াহল্লি। বঙ্কিমচন্দ্রনা, চীং লম্বীদা য়াম্না তোয়না লান মচা-মচা শোক্লহল্লি ; মসিদা ঔরঙ্গজেবপু তশেংনমক নুমিৎ নিনিরোমদি রাজসিংহগী থৌজাল মখাদা ফাজিন্দুনা লৈবগুম তৌই। মসিদি মহাক্লা খন্নবা তৌদনা ওর্মগী ৱাফম্বু লৌদুনা পংশাদা শাগৎখিবনি, অদুবু যদুনাথ সরকারগুম্বা অনৌবা মতমগী ইতিহাসকারশিংনা মসিসু য়ারমদে ; অদুগা মসিমসু খঙজিনবা য়াই,, এলফিনষ্টোন (Elphinstone) হায়রিবা বঙ্কিমচন্দ্রগী মতমদা ভারত ইতিহাসগী ময়ায় ওইবা যুগকী মরমদা খুদায়দগী খঙই হায়না লৌনরবা অমসুং মরা চৎনরবা মীশক অদুনদি মসিবু তশেংনা উশিন্নরমদে।

রাজসিংহগা ঔরঙ্গজেবকগী লান শোক্লবগী ৱারী লীবদা অমসুং মহাক্লা পুথোকখিবা মানিকলাল অমসুং নির্মলকুমারী অদুগা মখোয়গী শীংথাবা য়াবা থবকশিংগী মতাংদা বঙ্কিমচন্দ্রবু মাগী-মীয়ামদা খঙহন্নিংবগী অপাম্বা মতৌদুদা নওনা, মাগী উপকথাবু হোৎজিন্না পাম্বা মতৌদুনা লান্না লমজিংলম্মি। অদুবু রাজসিংহদা ফজবা মতৌ অমসুং মপাঙ্গল—য়াওদে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা চেনখিবদি খক ঙম্মোই। মসিগী পাকথোক চাওথোকপা মতৌ অমদি ৱারীগী অকনবা শাফুগা লোয়ননা লীরিবা ৱারীগী মতাং অমদগী অমদা তত্তনা পুশিল্লকপা মতৌদু রবীন্দ্রনাথনা হেনজিন্না পুক্নিং চঙলম্মি। কলাগী ওইবা মীৎয়েংদা

খুবাইদগী নিংথিবা থৌদোকশিংদি মুবারক, জেব উন্নিসা অমসুং দরিয়াগী মতাংনি ; মতাংসিদসু মানা পামজবা উপকথাগী মওং মুবারক্না হিঙ্গৎলকপগী ৱা য়াওজরবসু ; মুবারকতি লাইবক্না তম্বা হায়বদুনা তত্তনা ওৎলিবনি অদুগা খুবাইদগী অৱাংবা থাক্তা লৈবী নুপী অমা, অমরোমদা খুবাইদগী মথা তাবা থাক্তা লৈরিবী নুপী অমা,—থোইদোক হেন্দোকপী নুপী অনিসগী পুক্লিংবু তত্তনা ইরাঙ পিরিবা অপাম নুংশিবা মতৌদুনা মাবু নমহৎলম্মি। অদুগা নুংশিবদি মীশক অমতদা—দারিয়াগী য়াম্না লুনা খঞবা মতৌদুনা ময়ামদগী তোপতোম্পা মতৌনি—মখোয়সিবু চপ মান্নবা থাক্তা থম্মি। মখোয়গী মরক্তা অকল অথোগী গুণ চেল্লবা মুবারক্না তুম্ন তুম্না চৎপা মীগুম্না মঙদ্রংদা লৈরম্মি ; অমসুং মখোয় অহুমগী মথক্তা থেক্না খোয়না চৎলিবা, ককপা ঙমদ্রবা তম্লকপা লাইবক্কী মমিনা থরাক থরাক য়ান্দুনা লৈরম্মি। মপুঙ ওইবা ৱারীগী থৌদোকশিংগী ওইবা নাটক্কী মওংদুদা পুক্লিং চিংশিল্লি, অমসুং মতাং অসিদা রবীন্দ্রনাথনা মচা খায়না শক্তিমশিং য়েক্লবগী মতিক চাবা মফম্ লৈতে হায়না পুথোকই। অদুবু মতাং চানা থেৎচিল্লকপা মুবারক্কী ৱারীনা লানগী ৱারীগী মতাংদা নিংথিবা মতৌ পী অমসুং হেন্না লুশিলহল্লি, অদুম ওইনমক মসিনা পুক্লিংদা নুংঙাইবা কয়া পিরবসু পুন্সিদদি শুপ্লগী ফিবান অদুদমক মশোকই।

ময়ায় ওইবা মতাংদা বঙ্কিমচন্দ্রনা উপন্যাসকার অমা ওইনা থবক কয়া পায়খৎলক্লবা মতমদা ইরম্বা ৱারীমচা অহুম অদুগী মরম খরদং পল্লম্বসু তঙাইফদে—ইন্দিরা ( ১৮৭২ ), যুগলাঙ্গুরীয় নত্রগা খুদোপপুন্বা (১৮৭৪) অমসুং রাধারাণী ( ১৮৬৬ )। মখোয়শিং অসি ঐখোয়না উপন্যাসগা খেন্নবা কয়া থম্মিবা ৱারীমচাগী মখলদা তশেংবমক চন্দ্রবসু, লেপ্তনা চথরিবা হিরম অমগা মরী লৈনবগী মহুত্তা লাম্বা লৈত্রবা অচোবা মিকুপ অমগী মওং-উৎলি। মখোয়শিং অসি মপান্থোংদা য়েংবদদি অহোবা, ময়ায় ওইবা অমসুং অরোইবা নাইজরবসু মখোয়শিং অসিগী পুক্লিং খোয়দাবা মতৌ ঙম্নমক্তি অথন্নবা মতাং অমথক্তনি। মসি মৈরিক অমা মাল্লি, খঙহৌদনা মঙাল তমা ফাওরকই অমসুং চপ মান্ননা খুদক্তা চৎখি। বঙ্কিমচন্দ্রগী ৱারীমচাশিংদি মসিদা পুক্লিং লুপশিনবা মতৌদু য়াওদে। মখোয়শিং অসিদি খরা তেঞ্জরবসু অমসুং চয়েৎনবগী চাং—খরা হুন্থরবসু উপন্যাসদা য়াওরিবা মওং মতৌশিংদা চপ মান্ননা য়াওরবা অতেনবা মখলগী উপন্যাসশিংনি। মখোয়শিং অসিসু ভাবনা শাগৎপা ৱারী ঙাক্তনি, তশেংবমকসু

বঙ্কিমচন্দ্র মশামক্তসু মখোয়শিং অসি উপকথাগী মনুং চলহল্লি। মহাক্কী লাইরিক কয়াদা উপকথাগী মচাকশিং য়াওই হায়রবসি মথক্তসু পনথে অদুবু শিংথাবা য়াবা উপন্যাসশিংদদি মসিগী মচাকশিং অসি মনোবৈজ্ঞানিক ওইবা ৱাফমশিংনা অমসুং ওইবা য়াবা, তঙায় ফদবা কয়ানা খুদম চল্লি। উপকথাশিং অসিদদি ভাবনা শাগৎপশিং অসিনা মপুঙ ওইনা লৈহল্লি।

ৱারীমচা অহুমসিগী মনুংদা খৱাইদগী নোম্পা রাধারাণীদি শন্দোক্লা নৈনরুবগী থোইনা কান্নবা লৈতে। ৱারিমচাগী খোঙথাং খুদিংমক থাগৎ-নিংঙাইনি অমসুং পুক্লিংদা ফাওরিবা চমম্নবা মতৌশিংদু অচুম্বগী মঙালনা থোগৎলি। অদুগা যুগলাঙ্গুরীয়দি ওইররোইদবা মতৌগী ওইবা ৱাবা মওংনি। ৱারী অসিগী থৌদোক্তি তময়ালিপ্ত (তামলুক) না সমুদ্রগী লম্বীদা ললোন-ইতিক তৌননবগী মরু ওইবা বন্দর অমা ওইরিঙৈ অমসুং বাঙ্গালানা লাপথবা সিংহল (শ্রীলঙ্কা) গা নিংথিনা ললোন ইতিক্কী মরী থম্লিঙৈ কুইরবা মতমগী ৱানি। হোজিক্কী মী অয়াম্বনা তৌবগুম মতমদুগী মীশিংনা জ্যোতিষশাস্ত্রদা অচেৎপা থাজবা পোক্লরম্মি অদুবু ঐখোয়গী পুক্লিংবু হেঞ্জিন্না চেৎশিলহল্লিবদি মী ওইবগী থবকশিংগা থৱানমিচাকশিংগী খোঙচৎকা নিংথবা মরী লৈনরিবসিনি। বর অমগা কন্যা অমগবু মমিৎ উহন্দনা, হায়বদি য়েংজবা ফংহন্দনা লুহোংবিরে অমসুং মখোয় অনিমক্লা মাগী মাগী খোঙলোয়দুবু শক খঙজবা ঙমহন্দে। চহি কয়া হৌখবা, অদুগী তুংদা মখোয়বু শক তাক্লরবা মতমদদা তশেংবমক নুপীদু থেমদুনা লুহোংবনি হায়বসি প্রমাণ তৌই, হিরণময়ী অমসুং পুরন্দর—কন্যা অমসুং বর—মখোয়নিসু চহি কয়া চুপ্না শক খঙনরক্লে অমসুং অমগা অমগা নুংশিনরক্লে। মখোয়গী মরক্তা ফাওনরিবা ৱাখলগী মরীদা শেংদবা মওং হায়বসি শুপ্লগী নুপী ওইবীগী ভক্তিগী ৱাখল থৈদোকখিবা অসিদনা ওইগনি হায়না হিরণময়ীনা খঞ্জখি। ৱারী অসি অসুক্কী মতিক হে-শিংনা লীরম্মি মদুদি মপুঙ ওইবা য়াররোইদবশিংনা ঐখোয়গী ৱাখলগী মঙালন্দা করিমতা অকায়বা পিদে অমসুং মদুগী নাকন্দা থেক-খোয়রবা কোনাশিং অমদি অঙকপা মরী লৈনবা থৌদোক ৱাথোকশিং, হিরণময়ীনা পুরন্দরদা নপশিনবা মতৌ তশেং তশেংবা মওংদা লৈ। মাগী ৱা ঙাঙবদা লৎ লৎ লাউবশিং, মাগী তাইশিন্ননবা হোৎনবশিং অমসুং মাগী ধর্ম্মদা থাজদবা মতৌদুবু অরোইবদা

খঙজরকপা অদ্‌তনা ভক্তি অসিবদ্‌ হেন্না ইচঙ থোবা, অৱা-অনা কোক্লবগী পাম্মে ওইখি।

ইন্দিরাদি যদ্‌গলাঙ্গদ্‌রীয়াদগী খরা হেন্না-শাংবা অমসদ্‌ং হেন্না নিংথিবা মওংদা ইবা খদ্‌ৎইনি। মসিদি কলিকাতানা অচৌবা সহর ওইরকখিবা পংকুই কুইদ্রিঙৈ মতমদ্‌গী ৱারীনি। খদ্‌ঙ্গংশিংদা ডাকুশিংনা ওৎনৈবদি মতমদ্‌ ফাওবা অদ্‌ম চখরম্মি, রেললম্বী ফাওদবনা মরম ওইদ্‌না থোঙনা চৎপা হায়বসি য়াম্না খদ্‌দোংথীবা ওইরম্মি। চহি নিপাল্লোমগী মমাংদা ইন্দিরা লদ্‌হোংখ্‌ৰনি, অদ্‌গা মাগী মপদ্‌রোইবদি লদ্‌হোংবা হেক লোইবগা থবক থিবা চৎখিরম্মি, মবানি উন্নবফাওবা ফংনখিদে, ইন্দিরাদি হান্নগদ্‌ম মপামদা লৈরম্মি—য়াম্না কেজ মৌজরবসদ্‌, অকিবগী মশক ফংলবা পদ্‌ক্লিংদা হরাউ তুজদ্‌ংনিংঙাই ওইবা অচিকপা মতৌ অমদা হিংলম্মি। মতুংদা—অদ্‌গা ৱারীসি মসিদগী হৌরকই—মপদ্‌রোইবদ্‌ ময়দ্‌মদা অমদ্‌ক হল্লকই অদ্‌দা ইন্দিরানা নদ্‌ংঙাইখিবনা অঙাওবীগী মতৌগদ্‌ম মপদ্‌রোইবগা উন্ননবা থোঙ-শাল্লকই। লম্বীদা ডাকু কাঙবদ্‌ অমনা ফুজিস্‌লক্তদ্‌না মাগী মপোৎ মচৈ ঙম্নমক লদ্‌ট তৌখি অদ্‌গা মাবদ্‌ জঙ্গল মনদ্‌ংদা মপান থোকপা য়াহন্দনা থমখি। ইন্দিরাগী অনৌবা পদ্‌ন্সি থোঙচৎ অমা হৌরকই, হেন্না লায়বা মতৌ কয়াসদ্‌ য়াওদবা নত্তবা পদ্‌ন্সিগী অকা-অকুম কয়ামা লা-ন্থোক্লবা তুংদা মহাক্লা মপদ্‌রোইবগা তশেংনমক উন্নবা হায়বদ্‌ ফংখি। ৱারী অসিগী লোইশিনবসি খংলোই লোইশিনবা মানগনি খনবদগী বঙ্কিমচন্দ্রনা তোংঙান-তোংঙানবা থোদাক মচা কয়া'মসদ্‌ থেৎচিল্লি, অদ্‌গা তশেংবমক্তি মপদ্‌রোইবগী মায়কৈদগী মতম খরা চাংয়েং তৌরদ্‌রবা তুংদা চহি কয়াগী মমাংগী বর কন্যা অদিদ্‌ অমদ্‌ক হন্না মতৈ মনাও ওইনা পদ্‌ন্না লৈমিন্নবা ফংখি। ৱারী অসিগী অহানবা শরদ্‌কসিদি য়াম্না নিংথিবা মওংদা উবা ফংই অদ্‌গা মানা চঙজফম লৌরিবা য়দ্‌ম অদ্‌দা ইন্দিরাগী মপদ্‌রোইবনা হেক থদ্‌ংলবদগীদি নংঙাই-বসি অসদ্‌ম অসদ্‌ম হন্নরকই। মসিগী মতুংদা উপন্যাসকারনা মশাগী খদ্‌ৎশেমগী মতৌনা ঐথোয়গী পদ্‌ক্লিং ফাজিন্নবা হোৎনৈ—অদ্‌গা করিগদ্‌ম্বা মতাং খরদনা করিগদ্‌ম্বা মপদ্‌ঙ ফাদবা মওংদা।

ইন্দিরা অসি নিংথিবা ৱারী অমা ওইবগা লোয়নন্না, মসিগী অতেনবা উপন্যাসসিগী মচাক্তগীদি থোওংনা হেন্না শিঙথানিংঙাইনি ; হেক হৌবদগী মানা খোরাংনা থিরিবা অদ্‌ মায়পাক্লা লোইশিনবা ফাওবদা—ৱারী লীরিবসি ইন্দিরা

মশামক্লনি। মহাক্লা পল্লকপা থোদোকশিংদা, মানা শিজিন্নরিবা মমিশিংদা মাগী নিংথিবা মতৌ, মাগী মথল্লাই পানবা মতৌ অমদি ফাংগী হৈবগী মওং কয়া ঐথোয়দা তওনা ফাওহল্লি, অমসুং ব্রারীসি হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা লেম্পা লৈতনা কাখৎলকইবা কোঙ্গোলগী মরুবা পম্বিসগী মতৌনি। অদুম ওইনমক মথক্ত-সু-পনখে, ব্রারীসিগী লোইশিল্লকপা মতাংদাদি পুক্লিংদা অকি তুজুংবা পোকপদু মাঙখে, মতমদুদা মাগী নুঙাইবা মতৌশিং অমসুং ব্রারী লীবগী থোইদোকপা পাঙ্গলনা মসিবু মথল্লাই অমসুং মতিঙ্ হাম্পি, অদুগা মাগী নিংথিবা মত্তংগী ব্রারীসি মশানা জ্ঞান তানা পুথোরকখিবা নত্তে, মসি তশেংবমক মশাদা ফাওরকপা লিংজেলশিংদুনি। উপন্যাসসিগী মরু ওইবা মতাংসি ফোঙদোক্লবগী দমক বঙ্কিমচন্দ্রনা সেলীগী (Shelley) শৈরেং মতেক অমনা ব্রামাঙ য়াল্লী ঃ

তাঙনা, তাঙনা লাকই নহাকসি
হরাউ নুংঙাইগী থব্রাই-মি।

তশেংবমকসু ইন্দিরা অসি নুংঙাইবগী থব্রাই-মিনা মীওইবগী মশক লৌবনি। ব্রাহৈগী মতেংনা চরিত্র উৎপদা, মহাক অসি, বাংলা সাহিত্যদা থল্লায়দগী ময়েক শেংনা উৎপা শক্তমশিংগী মনুংদা অমনি।

# অহুমশুবা পন্দুপ

## অরোইবা মতাংগী উপন্যাসশিং

অরোইবা মতাংগী উপন্যাস অহুমদা—আনন্দমঠ (১৮৮২), দেবী চৌধুরানী (১৮৮৪) অমসুং সীতারাম (১৮৮৭)—বঙ্কিমচন্দ্রনা মচাকশিংগী দমক্তদি ইতিহাস রোমদা অমুক মায় ওনশিনখি, অদুম্নদি ওইরগা মদুদা অহোংবা কয়া'মা পুথোরকখিবা অমসুং কয়া'মা হাপচিল্লক-খিবদুনা মরম ওইদুনা মখোয়শিং অসিদি ঐতিহাসিক উপন্যাস ওইনা লৌরিরোইদবনি হায়না অপাবশিংদা চোকশিন ৱাহৈ হায়খি। মখোয়শিং অসিদি চুম্নগী ৱারী অমা লীবা ইচম-চম্বা শেম্জিন-শাজিনবগী থবকসু নত্তে নত্রগা চরিত্রবু মশক থোক্না য়েকপনা মরু ওইবনি হায়না লৌবদসু নত্তে খনগনি। তুজ্রংনিংঙাই ওইবা থোদোকশিং ৱাৎত্রবসু, অদুগা চরিত্র খরসু য়াম্না ইচঙ থোনা য়েকচরবসু অমসুং থোদোকশিংগা চরিত্রশিংদুগগী মরক্তা ধর্ম্মগী, দর্শণগী অমসুং রাজনীতিগী ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লবগী শাদোং ওইনা শিজিন্নরবসু মখোয়শিং অসিদি ৱাখলশিংগী ওইবা উপন্যাসশিংনি।

মতম অসিগী খৱাইদগী মমিং চৎপা উপন্যাস আনন্দমঠ ; ১৭৭০ গী বাঙ্গালাগী অচৌবা চাকতাঙবা অমসুং মদুগী মতুং তাবা ওইনা জীলা খরদা সন্ন্যাসীশিংনা সরকারগী ময়োক্তা হোৗরকখিবা ইরাংশিংদা নন্দুনা ইখিবনি। বঙ্কিমচন্দ্রনা চাকতাঙবা অদুগী অকিবগী মশক ওইরবা শক্তম অমা অমসুং লমদুদা লৈরিবা আইনগী তঙ তাদবা মতৌদু উৎলবসু সরকারগী মায়োক্তা হোৗবা ইরাংদুদি মী খঙঙোইদবা মত্তুংদা ওন্থোকই। চরিত্রশিংদু ভাবনা শাবা ঙাক্তা ওইবদা নত্তনা ধর্ম্ম অমদি রাজনীতিগী ওইবা মতাংদা অনৌবা পাঙ্গল পিবগী মতাং অদুমকসু ইতিহাসকা মরী লৈনদবা ৱাফম্নি। ঐখোয়না ইতিহাসদা থেংনরিবা সন্ন্যাসী ফকিরশিংদুদি বাঙ্গালী নৎলমদে অমসুং মখোয়না অকনবা থবক পায়খৎলিবা জীলাশিংদসু বাঙ্গালগী মনুং চল্লমদে। যদুনাথ সরকারনা উৎপা মতুংইন্নদি মখোয়শিং অদুদি য়াম্না শেংলবা অমসুং চম্বা লুট তৌবা কাঙবুশিংনি, অচুম্বা অমসুং ঙাক শেনবগী নিয়মশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা রাজ্য অমা লিংখৎপগী ৱাখল মখোয়গী মশাদা চেন্দে। অদুবু ইতিহাসগী ৱাফম অসিগা মরী শুক্লৈ লৈনদবদি নওে। মসিনা মরম ওইদুনা শীংথাবা য়াবা থবক অসিগী মতুং তারকপা

সমালোচনা কয়াব্ লান্না লৌনরির্বাস মাসিগী ন্ংগী ওইবা ৱাফম অসি উশিনবা ঙমদবদগীনি ; মরমদি মসিগী হিরমগী মিৎয়েং লেপ্পিবাস ইতিহাসননি। আনন্দমঠ ১৮৮২ দা, ভারত জাতীয় কংগ্রেস লিংখৎকদবা চহি অহ্ম ৱাৎলিঙৈ, এলবর্ট বিল (Ilbert Bill) গী মায়োক্তা ইরাং হৌরকপা মতম-অদ্ৱাইদা ফোঙথি। চহি খরগী মমাংদা লেংখ্বা জাতীয় সঙ্গীত অদ্ মসিনা অহানবা ওইনা ভারত্তা প্থোরকই অমস্তুং মসিগী ইশৈ'সিনা মরৈবাক নীঙ্বা ভারত-মচাশিংগী লানগী লাল্লাউ ওইনখি। অদ্গা ৱারী অসি মশক নাইবা পোৎশক অমদা শাগৎলি, মসি-নৎলমদ্রবদি মসি য়াম্না তয়াং-তয়াংবা অমস্তুং য়্ক্ষম য়াওদবা ৱাখল ওইরমগনি ; অমস্তুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা ফিভমস্তু ম্সলিমশিংগী শক্তিশিং লোই-শিল্লকপা, লৈবাক্কী মফম খ্দিংদা আইনগী তঙ্তাবা মতৌ-লৈরক্তবা মতমসিদা ইংরেজশিংনা মখোয়ব্ লোইশিনখিনবা হোৎনরকপা পংকুই কুইদ্রবা বাঙ্গালাগী চপচাবা মওংনি ঃ মসিগী য়্ক্ষম অসিননি লালহৌগী ওইবা উপন্যাসসিদা লমদমসিগী ওইবা মওং-মতৌ কয়া উৎলিবসি। হায়রিবা ফিভম অসিদা, চরিত্রশিংসি ইতিহাসকী ওইনা শেমজিন-শাজিনবা ওইরম্মবদি লালহৌরিবা কাঙবুশিং অদ্না শ্প্নগী হিন্দ্শিংগী ওইবা নিঙতম্বা রাজ্য অমা অম্ক নৌনা প্রক্লবগী ৱাখল খনবা ঙম্মমগদবনি। অদ্ব্ হায়রিবা তোখায়না তাবা মতৌসিনা ৱারীগী শ্প্নগী থৌদোক অমা ওইজবতনি, মদ্না ৱারীগী মপ্ঙ ওইবা ৱাফমদা করিমতা অকায়বা পীবা ঙমদে। ঐখোয়না উপন্যাস অসিগী পাম্মিবা পন্থ্ং করিনো হায়বদ্ খন্নগে হায়রবদি বন্দেমাতরমগী অহোবা পরেংশিংনা রাজস্থানগী লৈঙোই অমদি চীংগী লমদমশিংগী মহ্ত্তা বাঙ্গালাগী অশংবা লৌব্ক লমহাংশিংব্ তাকচরবস্তু অমস্তুং মদ্না মী-ক্রোড় কুম্থ্রা নত্রগা নিফু ওইরিবা ভারতবাসীব্ খঙহনবগী মহ্ত্তা বাঙ্গালী ক্রোড় তরেৎতমক তাকচরবস্তু ঐখোয়না মদ্ থৌওইনা খল্ল্দবগ্ম ইতিহাসগী ওইবা উচনগী ঙমথৈশিংব্ থৌশার্দনা মসিগী মপানগী ওইবা গ্ণ অদ্তমক লৌগনি।

মসিদা হংবা য়ারিবদি মসিগী মপ্ঙ ওইবা পান্দক্ষম করিনো অমস্তুং বঙ্কিমচন্দ্রনা করম্না 'অশেংবা মতৌশিং অমস্তুং কবিগী মঙলান' লোয়নহনবগে হায়বদ্নি। সত্যানন্দ, আনন্দমঠ, খবাইদগী ন্ংঙাইবা থাক্কী লম্মোইবশিংগী লাইনিংফম লিংখৎলম্মিবা মহাক্না মশাব্ বৈষ্ণব ধর্ম্মগী মরমদা শন্দোক্না তাকপা মীশক্নি হায়রজে। মহাক্কী বৈষ্ণব ধর্ম্মসিদি শ্রীচৈতন্যগী থোৎ-নৌরবা অমস্তুং

মেঙলবা বৈষ্ণব ধর্ম্মদ্ নত্তে, বঙ্কিমচন্দ্রগী লাইফ-ওফ-কৃষ্ণ (Life of Krishna) অমসুং অতৈ ধর্ম্মগী ওইবা অতৈনবা ৱারেংশিংদা শ্দ্গায়না তাক্লিবা মহাভারত্তা য়াওরিবা মশাগী ওইবা বৈষ্ণব ধর্ম্মদ্নি। মসিদা ঈশ্বর অসি অচুম্বদা ওইবগ্ন্না নুংশিবদাদি অদুক হান্না কনশিন্দবা মওংগী মশক ওইনা উৎলম্মি। মহাক্না শক্তিগী খ্ৎলাইদ্ মখ্ত্তা পায়রদ্না দণ্ডিস্নু তৌই, অদুগা ঙাক-শেনবগী থবকসু অদ্শমক-পাঙথোকই। ইতিহাসগী ওইবা খন্নানিংঙাই মতা অমা হেন্তা ওইজরবসু মদুমক্না বঙ্কিমচন্দ্রগী থোইদোক হেন্দোকপা মতৌদা করিসু মতেং ওইরোই হায়বসিদি ময়াম্না য়ানরগদবা ৱাফাম্নি। মশাগী ওইবা অমসুং তোপ-তোপ্পা মতৌ করিনো হায়বা তারবদি, মাগী মরৈবাক নীংবগী ৱাখল অমসুং মরৈবাকপদ্ মমা ওইনা উবা মিৎয়েংসিনি। সন্তানশিং অসি ইমা মাগী মচাশিং ঙাক্তনি অমসুং অতোপ্পা মরী অমমুক থিরুদ্রে। মমা-অমা ওইনা য়ুম্নানবগী পুন্সিদা খন্নাইদগী শেংলবা মতৌশিং অদুগী মহুৎ মানা শিল্লি অমসুং ধর্ম্মগী খন্নাইদগী অথোইবা অদুসু মহাক্নি। মঙোন্দগী হেনবা অমসুং ৱাংবা অমা লৈত্রে; খন্নাইদগী অথোইবা ঈশ্বর অমদা ঐখোয়না খনগদবা ৱাখল ঙম্নমক ইমা মানা মহুৎ শিনহল্লে, পুম্নমক্তগী অথোইবা অমা ওইনা, ঐখোয়গী লন্নাইগী ওইবা মরী ঙম্না থদুত্তনা, অমুক য়েৎনবা তৌরুদনা মানা হায়বা ইনগদবনি হায়বসিনি, মাগী দাবী। মরম অসিদগীনি সন্তানশিং অসিবু তাইবংপানগী অপাম-মিহৌ পোক্তবা সন্ন্যাসীশিং ওইহল্লিবসিসু।

করিগুম্বা ৱাখল অমা ফনা নিংথিজরবসু মদু অহিংবা খুদমশিংগী মতেংনা ফোঙদোক্তবদি মদুদা কলাগী নিংথিবা মফোঙদোক অদু য়াওদে হায়না লৌগনি। মরম অসিদগীনি কলানা অরেঙবা অমসুং ময়েক শেংনা ফোঙদোকপা চরিত্রশিং পাম্মিবসি। মহেন্দ্র অমসুং কল্যাণীনা মখোয়গী খুঙ্গংগী ময়ুমদগী চেংলকখিবগী ৱারীনা উপন্যাস অমিগী অহৌবনি, অদুবু হেমচন্দ্র অমসুং মৃণালিনীগুম্না মখোয়না ৱারী চথবদা মতেং পিবদনি, অদুগা মখোয়বু য়াম্না তোয়না মীয়াম মমাংদা পুথোক্লবসু মহেন্দ্রনা সরকারগী মায়োক্তা হৌ-বা ইরাংশিংদা শরুক ফনা য়াজরবসু চাপচাবা মত্তংগী সন্তান হায়বদু ওইদবনা মখোয়গী ৱারীসি অদুক হান্না মরু ওইদে। সন্ন্যাসীশিংনা শরুক য়াখিবা অকিবা অৎকপা থৌদোকশিং অমসুং লান্ফমশিং য়াম্না ইচঙ্ থোনা তাকই অদুবু চুম্নগী তাকপাসিনদি উপন্যাসগী মশক ভাকপা হায়বদু ওইদে। ইমা মাগী খুকৌ অসি কয়াগী

মতিক মপাল নাইদবা অমসুং ময়ামগা মান্নদবা মতৌনো হায়বদু সত্যানন্দগী লেফটিনেণ্ট (lieutenants) অনি—ভবানন্দ অমসুং জীবানন্দগী ৱারীদগী খঙবা ঙম্মি। ইমা মহাক্লা অমুক হংনবা তৌদনা তাইবংগী ওইবা অফা-অপুন ঙম্মমক থাদোক্তুনা মঙোন্দা চঙজগদবনি হায়না দাবী তৌরি, অদুবু জীবপানবগী য়েহেলো-ঙৈদগী লোয়নরক্লবা পুক্নিংবু হুমদুনা পুরিব অমসুং অৱাবা কয়া তত্তনা পিরিবা ইথিনশিং—জীবপানবশিংগী মশাদা শাগোন্নরক্লবা নিপা-নুপী অনিগী মরক্তা অমনা অমবু শুমহৎনবগী মরমদনা কমদোবা ? উপন্যাসসিগী শোয়ফদ্রবা মীৎয়েং অমগী মখাদা য়েংলকপদা কল্যাণীসি মহেন্দ্রগী নুপী অমা ওইনা লৌবদগীদি ভবানন্দগী ৱাখলগী য়ুম্ফম শেমগৎপদা মতেং পাংবী নুপী অমা ওইনা লৌবনা হেন্না মরু ওই। মসিদা য়াম্না চেৎশিনবা মওংগী ড্রামা অমা উবা ফংবদা নত্তনা লালহোবা অমনা কবিরগুম্বা মতমদা নত্রগা অতৈ মতমশিংদা থেংনগনবা অরুবা থোদোকশিংদসু উবা ফংই। হায়রিবা অরুবা থোদোক অদুমক মওং অমদা ওইজরবসু জীবানন্দগী পুন্সিদা অদুম্মক থোকই। মহাক ময়ুম পাল্লবা নিপা অমনি অদুগা মাগী নুপী শান্তি- উরুবদগী মাগী ৱাশক কায়খি, অদুগা মাগী নুপীদদি লাইনিংবশিংগী মরক্তা য়াওদুনা সন্তানশিংগী মরক্তগী লাম্মী পুথোক্লবা হোৎনবগী থৌনাফবা থোদাং লৌরম্মি। জীবানন্দগা শান্তিগা পুন্না লৈমিন্নৈদি হায়ববু নিপা নুপী অনিগী মরীদুদি নত্তে। মখোয় অনিগী মরক্তা লৈনবা অপাম নুংশিগী ৱাখলদু শুংদোরক্তুনা ফিদমশিং, মরৈবাকনিঙবা অমসুং ধর্ম্মগী ওইবা লম্বী থিবদা মরুপমপাংগী ওইবা ৱাংল পোকহনখি। অসুম্না মৈশানা শুংদোরকপা মতৌগী ৱারীসিদা উপকথাগী মমি তাদবদি নত্তে, অদুম ওইনমক মসিদা য়াওরিবা উপকথাগী মওংসিনা অরুবা ৱাফমগী অশেংবা মশক নত্রগা পিনিংলিবা পাউজেলগী মরু ওইবা মতাংদা ময়েক শেংহন্দবদি নত্তে। লালহোবা অমসু ওইবা অমসুং নুপীসু লৈবা হায়বসি খুদোং চাদবা মওংগী থোরাংনি হায়বসি গোর্কী (Gorki) গী উপন্যাস পারুবদগী খঙবা ঙম্মি। বঙ্কিমচন্দ্রনা ৱাফমসি খুদোংচানবগীদা খন্দুনা য়েংশিনখিদে। লালহোবাশিংগী মফমদদি মহাক্লা পুম্মমকপু কোনশিনবিবনি, অতৈদা থম্বা নুংশিবগী মরী ঙম্মমক থদৎলগা মখোয়গী দমক্তা মফম খুদিংদা শন্দোক্তুনা লৈবা ঈশ্বরনি। মসিদা ওইরকপা—য়ারিবা হায়ববু য়ৈথায়নবা, অৱাবা নত্রগা মপাঙফানা শুংদোক্লবা মতৌ নওনা অমগা অমগা তাইশিন্নবা মওংদি থক ওইরোই।

ইতিহাসগী মখি অসি আনন্দমঠতগীদি, দেবী চৌধুরাণীদনা হেন্না নিংথিনা তাই। মসিদা পল্লিবা মতমসিদি, ৱারেন হেস্টিংস (Warren Hastings) না ভারতবর্ষদা লেঙদবা তঙ-তাবা শাসন অমা থমদ্রিঙৈগী মমাং মহম্মদনশিংনা পানবা লোইশিল্লমদাইগী মতম, বাঙ্গালাদা আইনগী মওংতাবা মতৌ লৈতবা মতম অদুমক্নি। অসিগুম্বা অৱা-অনানা থল্লবা, লৈবাক নিংথিনা ঙাকপা ঙমদবা মতমসিদা বাঙ্গালাগী জীলা খরদা ডাকুশিংনা হুরান-চিন্থি তৌদুনা মাঙ তাকহল্লম্মি, মখোয়শিং অদুগী মনুংদা অনিগী মমিংদি হণ্টর (Hunter) না মাগী ষ্টেটিসটিকেল অকাউণ্ট ওফ বেঙ্গল, (Statistical Account of Bengal) ভোলুম vii (vol. vii) দা পল্লি—ভবানী পাঠক-অমসুং মাগা মীচঙ ওইদুনা হিথত্তা পুন্সি-লেল্লম্বী দেবী চৌধুরাণী কৌবী নুপী অমগনি। অদুবু মসিদা য়াওরিবা মপুঙ ওইবা চরিত্রশিংসিদি ইতিহাসগী অচুম্বা মতৌদগী থৈদোকই, ইতিহাসদা য়াওরিবা পাঠক অদুদি বঙ্কিমচন্দ্রনা পুথোরক্লিবা মহৈ-মশিং হৈরবা, মীগী কান্নবা তৌবা মীশক অমা হায়বদু ওইদে, অদুগা দেবী চৌধুরাণীদি তশেংনমক মীগী মপোৎ-মচৈ-মুল্লম্মি অমসুং লুট তৌরম্মি, চুন্নগী মীয়ামদা উৎপা নত্তে হায়র্বাস ঐখোয় ঙম্নমক্রা খঙলবা ৱানী। অৱা-অনংগী মতৌদু তরং তরংনা উৎলি অমসুং ইতিহাসকারশিংগী মত্‌তসু য়াম্না চুম্না উৎলি হায়র্বাসনি, অদুবু চরিত্রশিং অমদি মখোয়গী মশাদা চেল্লিবা ৱাখলশিংদুদি বঙ্কিমচন্দ্র মশামক্কী ওইবা মতৌ ঙাক্তনি।

অরোইবগী উপন্যাসশিং অসিদি ৱাখলনা শাগৎপা ঙাক্তনি হায়বসি মথক্তসু পনখে, অদুনা অফ-ফত্তা-নৈনগে হায়রর্বাদ হিরম অমসুং চরিত্রদগী ৱাখলনা শাগৎপা মতৌরোমদা চথবগী মহুত্তা মদুগী ওন্ন-তৈনবদা ৱাখলনা শাগৎপা মতৌগী হিরম অমসুং চরিত্ররোমদা চথরক্কনি। বঙ্কিমচন্দ্রনা মাগী ধর্ম্মগী ওইবা ৱারেং অতেনবশিংদা দার্শণিক্কী নৈনবা কয়া উৎলিবা চাওখৎপা মতৌগী ধর্ম্মদু উৎপা পাম্মি। চাওখৎপা নত্রগা ধর্ম্মনা খঙহল্লিবদি হকচাংগী পাঙ্গলগী ওইবা, ফজবগী অমসুং নুংগী ওইবা হায়বা পুক্লিংগী পাঙ্গলশিং অসিবু চাংমান্ননা চাওখৎহনবনি অমসুং মসিগী চাওখৎলকপগী মহৈনা লন্নায়গী ওইবা অপাম্বশিংবু খুদুম চন্দুনা, মশাগী ওইবা অৱামলবু মিৎচিনফাওবা হন্না য়েংদনা নিপা-নুপীশিংনা মখোয়গী মথৌ পাঙথোকপনি। হায়রিবা মওং অসিদা চথবা থবক অদুতনা ঈশ্বরগী মায়কৈরোমদা চঙশিনবা ঙম্মি অমসুং হায়রিবা ধর্ম্ম অসিদি

সমাজগী থৌশিংদগী হন্দোকপা হায়না খঙনবা থাদোকপা হায়বদ্রগী মতেংনা ফংগদবা নত্তে, তাইবংগী ওইবা শিন্নাশিংসি পাঙথোক্লবতদা ফংগদবনি। মসি মহাভারত্তা ইবুঙো কৃষ্ণনা তম্মিখিবা পাড়া, গীতাগী পাউজেলদুনি। রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা মসিগী মতুং তাবা ওইনা হায়রকখিবগুম্না, 'অন্না-অনংদগী নান্থোকপা? অন্না-অনংদগী নান্থোকপা হায়বসি কদায়দা ফংগদগে। ঐখোয় পুম্নমক্কী মপু ওইরিবা মহাকসু হরাউ-হরাউনা লৈশেম-নুংশেমগী লৈপুলদা শরুক য়াই; ঐখোয়গা মাগা মতমপুম্বগী ওইনা তৎনা-থানবা য়াদ্রবা মরী থম্মি।'

ভবানী পাঠক্না ধর্ম অসি শন্দোকই অমসুং প্রফুল্লনা হিংলিবসু হায়রিবা ধর্ম অসিদনি। মহাক্কী মকুবোক্লা মাগী মমাগী মরমদা ফত্তবা কয়া ঙাংনবা তারুবদগী মহাকপু মপুরোইবগী য়ুমদা লৌশিনখিরমদে। মহাক্লা খঙহৌদনা মপান নাইদ্রবা লন-থুমগী মপু ওইখি অমসুং মমিং লৈরবা ডাকু ভবানী পাঠক্কসু থেংনখি, মহাক্লা মঙোন্দা মরীক চুম্না তাকপি-তম্বিবগী মহে ওইনা মাগী পুন্নিংগী পাঙ্গলশিং চাংমান্ননা চাওখৎহন্দুনা দেবী চৌধুরাণী হায়না তাইবংপান অসিদা পুথোরকখি, মাগী রাণীগী ওইবা থৌদাংশিং পাঙথোক্লবা—অশোনববু কনবিবা অমসুং ফত্তবশিংবু দণ্ড পিবা—মপুও ফানা অপাম-নুংশিগী ব্রাখল চেন্দবা মওংদা, অকিবা য়াওদনা অমসুং মশাগী কান্নবগী অপাম্বা ব্রাখল থমদনা। চহি মঙাচুম্না হায়রিবা থৌশিং অসি মবেন্মা অমগী মতৌদা মশাদা নোল্লুকপা মতৌগা লোয়ননা রাণী অমগুম্না অদুগা থাদোক্লবী অমগুম্নসু পাঙথোক্লবা মতুংদা মহাক্লা মপুরোইবগা উন্নে—য়াম্না কুইরবা, কুইরবগী তুংদা। খঙহৌদনা মতম কুইনা তুম্লুরবা মহাক্কী য়ুম্বাল্লবী নুপীগী মপুন্নিংনা পোকপা ইথিনশিংদু মিৎকপ থোরকই, মসিনা তাকপদি ভবানী পাঠক্লা মঙোন্দা শিন্নরিবা মথৌশিংদগী খুদক্তা-মায় লৈথোকপা হায়বসিনি। শম্না অমগী মফৈ শাংথনা রাণীগী মতৌদু চেনখিদ্রে। অহানবদদি আইনগী ব্রাংমদা চৎলুবগীদমক মহাক মশানা মখোঙ-থোংনা চঙদুনা ইংরেজশিংনা ফাঁসি তৌদুনা হাৎহনগে খনখি অদুবু মপুরোইবনা মাবু লৌশিনবিগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা পিরকপদগীদি হৌজিকসু হিংনিংবগী অপাম্বা পোক্লি। মতম চানা শিংলকপা নোংলৈ-নুংশিৎ—ঈশ্বরগী ওইবা ব্রায়েল অমনা—মহাকপু কনবিখি অমসুং মপুরোইবগী ইমুং মনুংগী থৌ, মাগী থম্মোয়না 'খুাইদগী হন্নবা মওংগী থৌদাংশিং মশামক্লা লৌজরবনি' খনবদুদা হল্লকখি। অদুবু মহাক্লা পুন্নিং খোয়দাখিদ্রবা থব্রানমিচাক্কুম্না

লাপখ্রবা মতৌ অদুদি কাউবা ঙম্মদে। মহাক্কী লোন্নবী নয়নতারা য়াওনা মীপম খুদিংনা মাগা লোয়নবদা নুংঙাইবা পোক্লম্মি। নুংঙাইবগী মশীং লাকঙমদ্রবা লৈপন্নসিগী মরক্তা মহাক্কা তাইবংগী অৱা-অনাদগী থাদোকপা অমসুং অশেংবা নুংঙাইবা হায়বদু ফংখি।

উপন্যাস অসিদা পিরিবা সমাজগী অর্মাদ ইমুং মনুংগী পুন্সিগী ওইবা থোদোক্কী মতেক মতেক ওইবা ৱারেংশিংসি য়াম্না নিংথিজৈ, মহৌশাগী ওইবা মতৌশিং অমসুং আইনগী তঙ-তাবা মতৌ লৈতবগী ফিভর্মাশিং অদু লিংজেল পানবা মতৌনা ময়েক শেংনা উৎলি। অদুগা মপুঙ ওইরিবা হিরম-চাওখৎপা মতৌগী ধর্ম্মদা লোয়নরিবশিং অদুদি নিংজিং-মাংজিংনবা অমসুং মচু তাদবা মওংদা পুথোকই ! হোৎখ্রবা কুইরবা মতমগী ওইবা ঐতিহাসিক উপন্যাস অমা ওইরবদি তুমিন্না খাঙবা য়াবা অদুগা ইমুং-মনুংগী পুন্সিগী ৱারীদদি চুনদবা ভাবনা পংশাদা শাগৎপা মচাক অমসু য়াওবা থেংনৈ। ভাবনা শাজিনবা মতৌগী অয়োবী থাক্তি শ্দপ্নদগী প্রফুল্লগী মথনাই কন্ননবগীদমক ঈশ্বরনা থারকপানি হায়না ঐখোয়না খন্নবা ইথক ইপোমগী থোদোক্কুনি। মসিবু ঐখোয়না য়াওহন্দবদা প্রফুল্লনা দেবী চৌধুরানী ওইরকখিবগী পুন্সিদু হঞ্জিন-হঞ্জিনা চমন্নবা পোকহল্লি। চহি-মঙাচুপ্না তোংঙান-তোংঙানবা হিরম কয়াদা মহাকপু নিংথনা তম্মিরম্মি, খৎনা চৈনবগী মহৈদগী অৱাংবা থাক্কী দর্শণ ফাওবা ঃ অদুগী তুংদা মহাক্কা মাগী রাণীগী ওইবা থোদাংশিংদা চঙশিনখি। অদুবু হিরম অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইরিবা অসিগুম্বা পাঙ্গল ফুদেকপা মতাং অসিগী ৱারীসু চুমদ্রিংনা উত্তে, ৱাহৈ তরুক্তগী হেন্দবা তেনখ্রবা ৱাহৈ পরেং অমদা শ্দপচিল্লগা ফোঙদোকই ; অমসুং মতুংদা প্রফুল্লনা তশেংনমক মদুদা খোয়দাবা পোকখিদ্রবরা ? মহৌশাগী ওইবা পোৎশক অমনা হেক শোকপদা পৃথিবী পুম্বা মঙোন্দগী তোংঙানখি। মসি য়ুম-পাল্লবী নুপী অমা ওইরবী মহাক্কী মশাগী কান্নবা থিবনি—তশেংনমক লন্নাইগী ওইবা পোৎশক—মসিমক্তা মরাল ঙাকথোকই অদুগা মাগী রাণীগী ওইবা মতৌদুবু মসিনা করিসু—নত্তবা মতৌদা হন্নহনখি। মহাক্কা মপুরোইবগী ইমুং-মনুংগী থোপুদুনা য়ুম্বাল্লবী নুপী অমা ওইনা চাওখৎপা মতৌগী ধর্ম্মদু লেল্লি হায়না হায়নবা য়াই। অদুগা মসিমকসু অরোইবা পন্দুপ্তা হাথু-হাথুবা মওংদা অমুক্তং হন্না পল্লম্বদু নত্তনা মথা তাবদি ঐখোয়না খঙবা ঙমদে। মায়কৈ অসোমদা য়েংলুরগদি উপন্যাস অসিগী চপ চানা হোংগৎলকপা মতাং অমদা লোইশিনবা

হায়বদ্ ওইরে নত্রগা অহৌবা চঙখোল্লি, ময়ায় ওইবা মতাংদা পোৎলদ্ম হেঞ্জিন্না হাপচিল্লি অদ্গা অরোইবা মতাংদি য়াওদে হায়নস্ হায়বা য়াই। ঐখোয়না হেক খঙইবা হায়বব্ প্রফুল্লনা মাগী ইমুং-মনুংগী থবকশিং য়াম্না হৈ-শিংনা পাঙথোকই অমসুং মাগী অকোয়বদা লৈরিবা মীশিংব্ মহাক্না পেলহনখি হায়বা অসি ফাওবদনি। মাগী মপুরোইবনা মাগী মায়োক্তা লৈবা মতৌদ্ হন্থখিবদগীদি মসিনা ঐখোয়দা শীংথাবা য়াবা মতৌ অমা ফাওবা পোকহন্দে। দেবী চৌধুরাণীনা তম্মকখিবা অকিবগী মশক ওইরবা মহৈশিংদ্ করিস্ নত্তবদা শিজিন্নখি হায়বসি হেক খল্লুবদা মসি খঙহাই হাইগৎলুরগা মওংচাদনা খংতা তারকপা মাল্লি।

গীতাদা শৃগায়না তাক্লিবা অধ্যাত্মিক্কী ওইবা অশেংবা অচুম অরানগী মত অমসুং পুক্নিং চিংনানিংঙাই ওইদবা থবক্কা মরী লৈনবা মাগী অরোইবা উপন্যাস সীতারাম থেংনরুবদগীদি কলাগী হৈ-শিংবা মতৌদা হেন্না ফৎচিল্লক্তবা মতৌ অমা উবা ফংই। মসিদা ইতিহাসগী পা-রবা লৈরোন অমদি য়াওই, অমসুং ময়ামদগী তোংঙান তারবা থৌদোকশিংগী দৃশ্যশিং, মরদ্ ওইনা অহৌবা পন্দ্প্তা পল্লিবদ্ য়াম্না মপাঙ্গল লৈবা মওংনি। তশেংনা হায়রবদা ইতিহাসকারশিংগী অচুম-অরানগী মত লৌনিংঙাই ওইরিবা যদুনাথ সরকারগী মততা বঙ্কিমচন্দ্রনা ইতিহাসগী ওইবা অচুম্বা কয়াদগী মনিঙতম্না ইজরবস্ মহাক্না তরানিপালশুবা শতাব্দীদা বাঙ্গালাদা শোক্লখিবা লানগী লাল্লোং তাকপগা লোয়ননা সমাজগী অমদি রাজনীতিগী ওইবা পুন্সিগী থাজবা য়াবা হিসাব অমা পিরম্মি।

অচুম অরান অনিগী লৈমাইদা শেমখিবা হিরমদি খুর্জি য়াওদবা অপাম্বগী মহাওনা অচৌবা মী অমনা লৈখা তাখিবনি। এণ্টোনী (Anthony) গুম্না সীতারামস্ নুপী অমগীদমক মাগী তাইবং মঙ্গলান পুম্বা মাঙখি, অদুবু মানা নুংশিজরিবা নুপী—শ্রী—ময়ামদগী তোপ-তোপ্পী, ক্লেওপত্রা (Cleopatra) গুম্বী ওক্তবীদী নত্তে, তৌইগুম্বসুং মহাক্ত ভক্তি লৈবী নুপীনি অদুবু মঙোন্দগীদি কায়নখিরম্মি, মরমদি মহাক লুহোংলবী নুপীনি অমসুং সংসারগী অৱা নুংঙাইব্ থাদোক্লবী লম্বোইবীনি। অয়ুক নুংথিল নুমিদাং নাইদনা সীতারাম্না মাগী মনাক্তা লৈবা অদুম য়াগনি, অদুগা সীতারাম্না মাগী মশা ফাওবা শোক্লোই। মসি ওইথোক্লরোইদবা ফিৰ্ভম্নি; মসিনা হেক ওইবা য়ারিবা হায়বব্ লুরবা অপাম নুংশিগী থবকশিংদুব্ য়াম্না হেন্না নকশিনবা মতৌদা মচা খায়না খায়না

ফোঙদোক্লবতদনি, অদুবু মনোবিজ্ঞানগী মহুত্তা বঙ্কিমচন্দ্রনা অসিগুম্না নুংশি চাউবা মতৌসিনা সীতারামগী লাইবক্কী ওইবা রাজ্যদা কদায় ফাওবা করি করি ফল-পিবা ঙম্মগে হায়বগী মিৎ থক্লিংঙাই ওইবা দৃশ্যশিংদমক পী।

ঐখোয়না মপুরোইবদগী হৌরগা নুপীরোমদা অস্থুম্ চথবা তারবদি মানা য়েক্লিবা মশক অনিমকসি হেন্না য়ানিংঙাই ওইবা মতৌদু ওইদে। পাঞ্জিগী লাইফাওনা চেকশিন ব্লাহে পিবদগী সীতারাম্না মাগী নুপী শ্রীবু হুন্দোক্তুনা চৎখিরম্মি অমসুং লাইবক থীরবী নুপীমচাদুনা মতোমতা তরক-তরকপা মতৌদুদা কায়নবগী অব্রাবদু থাঙখি। ঙল্লিঙে মতমদা মাবু থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মপুরোইববু উন্ননিংবনা থুমহৎলবা মাগী থম্মোইগী মতৌদু য়াম্না নিংথিবা মওংদা ঐখোয়না উবা ফংই। চিরবা ফিভম অমদা অদুগীতুংদা মানা সীতারামদগা উন্নখি, থুনমক লাইফাওদু মানা তাখি, অমসুং মসিদদি মহাক্না অমুক সীতারাম-দগী লাপ্না চেনখি। মহাক্না জয়ন্তী কৌবী লম্বোইবী অমগা থেংনবদগী মহাক লাইনিংবী অমা ওইহনখি। মহাক্না মপুরোইবগী ময়ুমদা হল্লকপা মতমদদি মহাক্তি তশেংনা পুমহোং-হোংলবী নুপী অমা হায়বদু ওইরে, মরমদি সীতারামগী নুপীগী মফমদু জয়ন্তীনা মুনখিবদগীনি। মহাক্না মপুরোইবগা লৈমিন্নে, নিপা নুপী অনিগী মরীদুদি নৎলমদে, অমসুং মহাক মশামক্না পোকহঞ্জখিবা অকিবগী মশক ওইরবা অপাম নুংশিগী মতৌদু মহাক্না মায়োক—য়াবা ঙমদবদগী মহাকপু মাঙহনবদা মানা মতেং ওইখি। মহাক্কী নুংশিজরবা কনা মাঙহনগনি হায়বা পাঞ্জিগী লাইফাওদু মানা হঞ্জিন্না মপুঙ ফাহনখিঃ মহাক্কী মবুং গঙ্গারাম্না শিখিবগী মরমসু মহাক্লি অমসুং সীতারামগী পুক্লিংনা লৈখা তাদুনা মাগী ওইবা রাজ্যদুবু মাঙ-তাকহনখিবদুসু মাগী মরমদগীনি। মাগী মথৌদু মহাক্না অরানবা মওংদা লৌই-হায়নসু লৌনবা য়াই। অহানবমক্তদা, বঙ্কিমচন্দ্রগী অর্থখুহন্দোক্তা তাইবংগী শিন্থা পাঙথোকপনা সংসারগী ব্রাখল থাদোক্তুনা লাইনিংবদগী হেন্না পাক চাউরবা ধর্ম্মগী লম্বীনি। অশেংবা ধর্ম্ম হায়বদুনা পাম্মিবসি চপ মান্নবা মওংদা-চাওখৎলকপা মীওইবগী মতৌনি—থবক্তা, জ্ঞান্দা অমসুং পুকচেল শেংবদা। লাইনিংবা হায়বসি না-মতা য়েংবা মিৎয়েংনি, মরমদি মসিনা য়াম্না মরু ওইবা থৌরম অমদগী হন্দোকপনি—সমাজগী ওইবা থৌ। অদুগা অনিশুবদা, মীওইবগী মথৌ করিনো? মসিনি—বঙ্কিমচন্দ্রগী থম্মোইনুংদা চেৎনা লেঙদনা থম্মিবা মাগী ওইবা মতৌ—ঐখোয়না লৌরিবা

ফিভমসিদা করি করি তৌবা য়াবগে হায়বদুনি। শ্রী ময়ুম পাল্লবী নুপী অমা হায়বদু ওইরবানিনা, মাগী থবাইদগী মরু ওইবা অমত্তা ঙায়রবা মথৌদি মাগী মপুরোইবগী চুমনগী অপাম্বশিংদুবু থুংহনবা হায়বসিনি। মাগী লাইনিং লম্বীগী ওইবা পান্দমশিংনা মদুবু খুদন্তা থাদোকহল্লি, মসিবু মাগী মশাদা য়াওরিবা নুপী অমা ওইবগী ইচম-চম্বা পুক্নিংগী ইথিনশিংদু মাঙহনবদনি হায়না খল্লি।

পুম্নমক অসি অর্থ লৈবা—নত্রগা লৈতবা দর্শণ শাস্ত্র হায়বদু ওইবা য়াই। অদুবু কলা হায়বসিদি শুপ্পগী দর্শণ শন্দোকপদনদি ওইদে, মসিগী মরু ওইবা মথৌদি অহিংবা খুদমশিং শেম্বনি। উপন্যাস অসিগী অনিশুবা তংখায়দা শ্রী অসিবু অহিংবী নুপী অমা হায়বদু ওইরিবরা নত্রগা ব্রাখলদগী থোকপা মশক নাইদবা পোৎশক অমা হায়বদুরা? য়াম্না মরা চেৎখবা লাইনিংবীগী লৈরোন অদু ফাওদত্তুনা নুপী ওইবীগী আপম্বা কয়াগী ইথিল ফাওরকখি, অমুকসু মানা মাগী ওঝা জয়ন্তীদা রাজা য়াওনা মাগী য়েক্নবা তরানিথোই লৈ, লাইনিংবীগী ব্রাখল নত্তনা লোয়নবী অমগী ওইবা ব্রাখল কয়া তত্তনা পোক্লকই হায়না হায়খি। অদুবু মসিদি অধ্যাত্মিক্কী ওইবা য়ৈখায়নবা কয়াদুগী শুপ্নগী মঙাল অমতনি, জয়ন্তীগী পাউতাক মতুংইন্না, নান্নোক্তুনা চেনখিদুনা অমসুং মশামক ময়ামদগী তোখাইনা তাদুনা মাগী অরুবা ব্রাফমশিংদু শন্দাইখি অমসুং কলাগী নিংথিববু হেঞ্জিন্না শেমজিন শাজিনবগী মতৌদা কথোকই। মসিগী পার্শ্বথিবা মতৌ অমসুং মসিদা থোরকইবা চয়েৎনবা কয়াসি রজনীদা লবঙ্গলতা, অমরনাথকী থৌদোক অমসুং শরতচন্দ্রগী ফাওরবা উপন্যাসতা রাজলক্ষ্মীগা শ্রীকান্তগা অনিগী মরক্তা খন্নরিবা অমসুং নিঙবা কায়বা মতৌগা য়াম্না নিংথিবা মওংদা চাংদম্নবা য়াই। বঙ্কিমচন্দ্রনা অধ্যাত্মিক্কী ওইবা য়ৈখায়নবা কয়াসিদা নৈনবা তারবদি ঐতিহাসিক উপন্যাসদা তত্তনা শৈথারিবা লৈবাক কয়া লিংখৎখিবা অমসুং লৈখা তাখিবগী ব্রাকমশিং অদুগা খুজিন খুনান্নোক্তগী ওইথিবা মী-মীগী লাইবক্লা তম্বা নুংঙাইবা মতৌশিং অদু মহাক্লা থৌশাদবা তাবনি-হায়না কনাগুম্বনা য়েৎলকপস্থ য়াই। অদুবু উপন্যাসকী-লমদদি মসিনা হেন্না চাউবা ব্রাহং অমা অদুম্নক ওইহল্লিঃ 'লানগী অমসুং ধর্মগী পোৎলমশিং' তাকপা ঐতিহাসিক উপন্যাস অমনা-য়াম্বা হেন্না কুপশিন্না য়েংবা মনোবৈজ্ঞানিক ওইবা হিরমদা চঙুবা ঙমগদ্রা? ঐখোয়না হেক হায়বা ঙম্মিবা হায়ববু করেম-কথাইনবা থৌদোকশিং অমসুং অরেঙবা দৃশ্য কয়ানা থল্লবা সীতারাম্বা মী ওইবগী লমচৎকী হেন্না লুশিল্লবা অরুবা থৌদোকশিংগী ফিবান ফাওবদি উৎলি-সিদনি।

# মরিশুবা পন্দুপ

## সাহিত্য সমালোচনা

শীংথাবা য়াবা উপন্যাসকার অমা ওইবগা লোয়ননা, বঙ্কিমচন্দ্র মশক নাইবা সমালোচক অমসু ওইরম্মি, অদুবু শেমজিন-শাজিনবগী মায়কৈদা অথোইবা কলাকার অমা ওইখিবনা অমসুং কলা অমদি সাহিত্যগী অনৌবা য়াওন পুরকপাদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনা অফ-ফত্তা-নৈনবগী ৱাখল অমসুং থবক্তা মানা পিরম্মা খুদোল খরা মখোদি মমি শামখি। মরক মরক্তা তাকপি তম্বিবগী মত্তংদা তুমিন্না-তপ্না চথবদু খুমজিল্লগাদি মাগী সমালোচনা য়াম্না শিঙথানিংঙাইগী মওংনি, মরমদি মাদি মনুং ফাওনা উবা-ঙম্মি, মচং ওইবা মওংদা ই, মচা-খায়না নৈনৈ অমসুং তোংঙান-তোংঙানবা ৱাফমদগী ময়ামগী ওইবা ৱাফম অমা পুরকপা ঙম্মি, কাঙলুপ-নাইবা মতৌদগী নান্থোকই, শম্না, ৱাহে অমদা, চাংয়েংনি হায়বসিনা মসিগী খৱাইদগী চুনরবা—লোন্দানি।

বঙ্কিমচন্দ্র মরু ওইনা-মাগী লিংজেল অমসুং খোঙজংদা হৌজিক মতমগী-ওই। করিগুম্বা মওং—খরদা মমাংঙৈগী মতৌ হিঙ্গৎনবা হোৎনবা মীশক অমা-ওইজরবসু, সমালোচনাগী মতাংদদি সংস্কৃত অলঙ্কারদা শিজিন্নরিবা লোন্দাশিংদু হৌজিক্কী মতমদদি অর্থ য়াওদ্রে হায়দুনা পারি-পুরি হাক্তগী চথরকপা ভারত মচাশিংগী ওইবা সাহিত্যগী অফ-ফত্ত নৈনবগী মওংদুবু বিদায় পিরগা নৌনা হৌরকই অমসুং মীওইবগী লমচৎকী ওইবা-মশিং থাবা ঙমদ্রবা লোনচৎ-শাজৎ অমসুং ভাবকী মতৌবু নিপাল নত্রগা মাপলদা হন্থহনবদুবু মহাক্না য়াদে। মরম অসিনা ঐখোয়না পণ্ডিতশিংবু খুরম্লগা মখোয়বু অমসুং মখোয়না শেমজিন শাজিনবা ৱাহৈশিংদু থাদোক্লনি। বঙ্কিমচন্দ্রগী হৌরকপা মতাংদি মীওইবগী মশাদা শাগোন্নরকপা ফজবা পাম্বা মতৌদুদগীনি, মসিবু তোঙান-তোঙানবা মওং কয়াদা পুথোক্লরকই। মহাক অদুনা মসিবু মচু, মওং-মতৌ, লেঙ-খোৎপা, খোঞ্জেল অমসুং অর্থ-চেনবা ৱাহৈশিংনা ফোঙদোকই। মচুনা পাম্বে ওইদুনা ফোঙদোক্লিবা কলাকার অদু লাইয়েকপা হায়রগনি। মওং নাইবা পোৎকী অপাম্বা মতৌদু পাম্বৈ অনিনা ফোঙদোকপা য়াই। উপাল-ৱাপাল অমদি মথৱাই পানবা জীবশিংগী তাইবংগী ৱাংমদা লৈবা পাক-চাউবা পোৎলমশিংগী মওং-মতৌ পুথোক্লবা

হোৎনরিবা কাঙবদ্ অদুবুনা আর্কিটেকচর (architecture) ওইরে, অমসুং উপাল ৱাপাল অমদি মথল্লাই পানবা জীবশিংগী নিংথিবা মওং-মতৌ মান্নবা পুথোকনবা হোৎনরিবা মথোয়দুবুনা মূর্তিশাবা হায়না খঙনরে। জগোইনা হকচাংগী শাথেন্তগী থোরকইবা ফজবা মতৌদু উৎনবা হোৎনবনি, খোঞ্জেলগী ফোঙদোক্লবা পাম্বৈনা ইশৈ-নোংমাইনি, অমসং অর্থচেনবা ৱাহৈশিংনা কবিতাগী শাদোংনি।

থোইদোক্লা মীপুম খুদিংনা খঙনিংঙাই ওইরবা অমসুং লায়না পাঙথোকপা য়াবা মচা খায়না নৈনবা মথক্কী মতৌসিনা অরিস্টোটল (Aristotle) গী পোইটিক্স (Poetics) বু নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। বঙ্কিমচন্দ্রনা মরল্লাইগী ওইবা মওংদা কবিতাগী তোঙান-তোঙনবা মওং কয়া থোক্লা খায়দোক্লবা হোৎনৈ (শের্মাজন শাজিনবা সাহিত্যগী হেন্না পাক-চাউবা অর্থদা লৌরদুনা)—ড্রামা, মহাকাব্য, গীতিকাব্য আসিনচিংবা। অদুবু মহাকাব্যগা ড্রামাগগী খেন্নবা তাকপগী মতাংদাদি মহাক অরিষ্টটোলদগী থৈদোক্তুনা চৎলি। আনিমক অসিদা ৱারী-ৱাতাই শা-নবা য়াওবগুম থোদোকশিংদু থবক ওইনা চথবগী মতৌসু য়াওই, ড্রামাদাদি মদুদা য়াওরিবা মীওইশিংগী ৱারী-ৱাতাইশিংনা, খুদিংমক ফোঙদোক্তুনা চথবা কবিতা, অচৌবা মহাকাব্যশিং নত্রগা অপিকপা মওংগী শৈরেংদা ইবা ৱারীশিংদা থোদোক খুদিংমক থবক ওইনা চথবা হায়বসিনা মরু ওই, মরম অসিদগীনি মথোয়শিং আসদাদি হিরম্না চরিত্রবু নমহত্তুনা চৎলিবা। মতাং অসিদা বঙ্কিমচন্দ্রগী মশাগী ওইবা খুদোলদি মাগী গীতিকাব্যগী সংজ্ঞানি। মীওইবগী পুক্নিং অসি অংকপা ফংনা লুখবা মওংদা লৈ, সাহিত্যগী-মনুং চল্লিবা মহাকাব্য নত্রগা ৱারী লীবগী মওংদা চথবা কলাশিংগী মপান থোক্লা উৎলিবা থবকশিংনা ফোঙদোকপা ঙমদবা অদুদি ড্রামাগী খুদাইদগী চুনরবা খুৎলায় ওইরিবা ৱারী-ৱাতাই শানবনসু তাকপা ঙমদবা মীওইবগী অৱা-নুংঙাইগী ওইবা পুক্নিংগী ইহুল কয়া অমা লৈ। অসিগুম্বা অৱা-নুঙাইগী ওইবা পুক্নিংগী ইহুলশিং অসিগী মশক খরমথোদ মোনোলোগ (monologue) কী পাম্বৈদনা উৎপ-ওশিম, মথা অমুক বীণালা তুং ইন্দুনা ইশৈ ওইনা শরুব্রবসু অমসুং তশেংনমক ইশৈ শুকশক শরুখিদ্রবসু গীতিকাব্য হায়না খঙনরিবদুগী ময়ামদগী ইতোপ-তোম্পা মওংদি মসিনি। মসিগী মরমদি, মসিনা মহাকাব্য (নত্রগা উপন্যাস) অমসুং ড্রামাদগী হেনা তেঞ্জরবসু হেন্না কুংশিনবা মতৌ অমদি মসিদা য়াওই, মসিদগীনি অতৈ সাহিত্যগী তোংঙান-তোংঙানবা মওংশিনা য়োবা ঙমদবা মীওইবগী

আত্মাগী-লুরবা লৈমায় অদু গীতিকাব্যনা ফাওনা উবা ঙম্মিবসি। মহাকাব্যগী অচৌবা অৱাংবা মতৌ নত্রগা ড্রামাগী চয়েৎনবা নত্রগা তাইওন্নবা, অদুগা গীতি-কাব্যগীনা য়োশিল্লিবা থৱাইফদুম্পা মতৌ হায়না ঐখোয়না হায়নে। মরী লৈনবা ৱারী লাইরিক্কী মত্ মফমসু গীতি-কাব্যদা চাউনা কন্দুনা লৈ হায়না বঙ্কিমচন্দ্রনা মখা তানা মাগী মত্ পি, মাগী মতমদা ইবা কবিতাশিংনা য়োশিলবা চাং অদু মতম শাংথনা অমুক য়োবা ঙমখিদবনা, খুদম ওইনা হায়রবদা বৈষ্ণব কবিশিং— বিদ্যাপতি অমসুং চণ্ডিদাস খোয়গী মিৎয়েংগী অরাম্পা মতৌ অদু য়াম্না তেন-শিনহল্লি। মাগী মত্ অসি চুম্নগীতা মত্ হায়বদু নত্রে, হৌজিক্কি তশেংনা খন্নিংঙাই ওইরবনি। ডোন (Donne) দগী মহাক্কী মতম ফাওবগী কবিশিংনা মখোয়গী অনৌবা মতমগী কবিতাশিংনা তোংঙান-তোঙানবা মরু-কয়াদগী লৌরিবা মচাকশিংগী কুপ্পা নৈনবা মতাংদা টি, এস, এলিয়ট (T. S. Eliot) না পল্লপা মওংদা, অসিগুম্বা কবিতাশিংগী নিংথিবা হায়বসিদি চুঙশিন্নবা য়াদবা কয়াবু পুনশিন্নবা হোৎনবগী চেৎশিনবা মতৌনি হায়বদু অর্থ লৈতবা নত্তে। মদুবু থোশারুবা তৌদনা বঙ্কিমচন্দ্রনা পুখৎলকপা ৱাফম অদুবু টি, এস, এলিয়টনা খুদুম চেৎনা পায়খি।

বঙ্কিমচন্দ্রগী সমালোচনাগী য়াম্না পুক্নিং হুবা মগুনদি মাগী চাং য়েংবা মতৌ অদুনি। গীতিকাব্য অমসুং জয়দেব অমদি বিদ্যাপতিগী মরমদা ইবা অতেনবা ৱারেংশিংদু অমুক হন্না নম্না মতমদা মখোয়শিং অসি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী মরু ওইবা থবকশিং, মপুঙ ওইনা গীতিকাব্য ফোঙদ্রিঙেগী মমাংদা ইখিবনি হায়না লমাইগী মনিঙদা পিবা টিকাদা মাগী মত্ ফোঙদোকই। কবিগুম্বা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী শৈরেংনা মাগীদুদগী হাল্লম্বা থোক্লবদি ময়ায় ওইবা মতমগী গীতিকাব্যগা, অনৌবা মতমগী গীতিকাব্যগা অনিগী মরক্তা মানা খেন্নবা থম্মিবদু থাঙ্গেশেংনা চৎনহন্দবা তৌরমদ্রবসু খরমথে শেমদোক্লমগনি হায়বসি ওইবা য়াবা ৱাফম্নি। ক্রোচে (Croce) গী মত্পু শৌগৎলদুনা সাহিত্যগী কাঙলুপ খায়দোকপদা নত্রগা—ঐখোয়না 'সাহিত্যগী মখলশিং' শেম্নদা অরোইবা নাইদে হায়বসিদা মহাক্না য়াবসি তশেংনমক শিঙথানিংঙাই ওইবা ৱাফম্নি। মিলটন (Milton) গী কোমস (Comus), গোয়েটে (Goethe) গী ফোস্ট অমসুং বাইরোন (Byron) গী ম্যানফ্রেড (Manfred) ৱারী-ৱাতাই মওংদা ইজরবসু মখোয়শিং অসি ড্রামাগী মওংদগীদি গীতিকাব্যগী মতৌনা হেনজিল্লি

হায়না মহাক্না হায়, অমসুং স্কোটকী ডি ব্রাইড ওফ ল্যামেরমূর (The Bride of Lamermoor) উপন্যাসগী মহুত্তা ড্রামা কোৱোইদ্রা হায়না মহাক্না হংলম্মি।

দার্শণিক্কী ওইবা তোপ-তোম্পশিংগী মনুংদা অমদি ফিদমগী ওইবা মতৌগা, অচুম্বগী ওইবা মতৌগা, নত্রগা অফবা অমসুং ফজবা হায়বসি কলাগী ওইবা থবকশিংদা পানশিনবা তারবদি মখোয়শিং অসি মরী লৈনবা ঙাক্তনি হায়বসিনি। জর্নেলিষ্ট অমসুং সমাজবু করেম-কথাইনবা মওংদা শৈরেং ইবা ঈশ্বর-গুপ্তগুম্বা লেখক খরদি মখোয়না থেংনরকপা অমোৎপা মতৌ নত্রগা অরাম্পদগী য়েংবদা মরিং মরাংবা ওইনা উবা পোৎশিংবুদা ওইনা নৈনৈ। অচুম্বা মতৌদা চৎলবসু মখোয়না থেংনরিবা শরুক্তুদগী হেন্না মশাগী শেমজিন-শাজিনবা মতৌগী মমি অমা ফাওবা তাদবনা মখোয়বু অথোইবা কবিনি হায়বদি কোবা ঙম্মোই। অদুগা মতাংসিদা অমুক ফিদম্নফম ওইবা মতৌগা অচুম্বগী মতৌগা অনিগী মরক্তা খেন্নবা অসিসু-ফিভম কয়াদগী নহোক্রবা মপুঙফাবা মতৌ হায়বদু ওইদে। দীনবন্ধু মিত্র হায়বা নাটককার অদুগী মরমদা ইবদা মহাক্না শেমজিন-শাজিনবগী হৈনবা মতৌবু পোৎচং অহুমথোক্না খায়দোকই, মশামক্না থেংনবদগী খঙলকপা নত্রগা য়েংলকপদগী খঙলকপা মীনুংশি অমসুং ভাবনা শাবা শেমজিন শাজিনবা মতৌ; অমসুং অথোইবা লেখক অমনদি হায়রিবা মচাক অহুমসি পুন্না পুনশিন্নবা ঙম্মি হায়না মহাক্না হায়। কবিতানা মতৌ তম্মিবসি চপচাবা করিনো হায়বদু-নত্তে, ওইবা য়াবা মতৌদুনি হায়না অরিস্টোটলনা হায়রম্বসিনা মচাকশিংনি খরমথৌদি পুনশিন্নবা মত্তংদা থনম্মে হায়না লৌবা-য়াই। 'ওইরকপা-য়াবা' হায়বসিনা কোনশিল্লিবদি করিনো হায়বদুদগী থোরকপা-কয়া, অফবা মতৌ অমসুং ফজবা অনিমকপুস্নুনি।

কবিগী মশাগী ওইবা তোপ-তোম্পা পীথোরকপা মগুণ কয়া লৈ; মহাক্না মীয়ামদগী তোখায়না তারিবা অমসুং অনৌবা কয়া শেমজিন-শাজিল্লিবসি মশাগী ওইবা মতৌনি। উপাল অমনা নুংশিৎ লৈবা মফমদদা হোই হায়না বর্নাড শো (Bernard Shaw) না হায়বগুম্না কবিনা করিসু লৈতবদগী শেমজিন-শাজিনবা ঙমদে। মরম অসিদগীনি মহাক্না য়াম্না নকশিন্না য়েংবগী তঙায় ফদ্রিবা, অদুগা মহাক্না য়েংশিনবগী মফম অদুনা অদুক্কী মতিক—পাক-চাউরগা মাগী শাগৎপগী মত্তংদুসু অসুম চাউথোরক্কনি। শেম্না-শাবনা মথো—ওইবা কলাকার অমনা

য়েক্লিবসি মহাক মশানা থেংনরুবা অদুদা ওইবদগী, সাহিত্যনা পুন্সিগা থানবা য়াদবা মরী লৈরিবনি, নত্রগা অতোপ্পা ব্রাহ্মে অমদা, সাহিত্য হায়বসি পুন্সিগী মিংশেল্লনি। বঙ্কিমচন্দ্রগী মতমতা, মহাভারততা অহানবা ওইনা থেংনবা কৃষ্ণগা, মমৈথংদা, ভগবততা থেংনরিবদুগা অনিগী খেন্নবা কয়া পুথোক্তুনা মখোয়নিগী নক্নবা মরী পনপ্তে। সাহিত্যদদি খেন্নবা পুথোক্লবতদা পোৎ অদু হেন্না মমুৎ তানা খঙই হায়না বঙ্কিমচন্দ্রনা মাগী মতম পীরম্বদগী ঐখোয়না বাল্মীকিনা য়েকপা রামচন্দ্রগা শতাব্দী কয়াগী মতুংদা ভবভূতিনা মাগী উত্তর চরিততা উৎলিবা রামচন্দ্রদুগা চাংদম্লে। অনিমক অসি-মতমগী ওইবা পোথোক্লি, মহাক্কী শক্তম য়েক্লিবা কবি অদুনা মতমপুম্বগীনি খঞ্জরবসু মহাক মশামক্কী মতমদুগী হেক্তমক-ওই। বঙ্কিমচন্দ্রনা ভবভূতিগী নায়ক অদুগা য়াম্না শেংনা অচুম্বা চৎথিবা হায়বদুদি নত্তে হায়বসিমদি য়াবা তাবনি, অদুবু মাগী মপুঙ ওইবা তক'শিংদুদি অর্থ-য়াম্মা চেল্লি ঃ কলাকার খুদিংমক্না মাগী অকোয়বদা লৈরিবা চুশিন্নরবা মতৌদুগা মশাগা থেংনবদগী ফংলকপা জ্ঞানদগী কলাগী মচাকশিং লৌই, অদুগা করিগুম্বদা মশাগা থেংনবা জ্ঞাশদুগী মশক ওলহল্লবসু মাগী মিৎয়েং অমসুং শরুক ওইনা মাগী কলাগী মগুন লেপ্পিবসু মখোয়শিং অদুনি।

ইচম-চম্বা মওংদা য়েংবনা, কনাগুম্বা-মী অমনা মানা উরিবা পোৎ অদুগী শুপ্নগী মওংমতৌ মখৈদদি মমুৎ-তানা তাকপা ঙম্মী। কলাকার অমদুদি অতোপ্পা পাঙ্গল অমসু লৈবা তাবনি, মসিবু বঙ্কিমচন্দ্রনা মীনুংশি কৌই, অদুগা হৌজিক মতমগী মনোবৈজ্ঞানিকশিংনদি মখোয়গী চা-নবা মরোলদা এমপ্যাথি (empathy) হায়না মমিং থোল্লি। কবিনা মানা উরুরিবা পোৎশক অদু য়াম্বা হকচিনবা মওংদা মপুক্লিংদা ফাওগনি অমসুং মাগী কলাগী থৌবু ওইগদৌরিবা মী নত্রগা পোৎ অদুদা মাগী মপুক্লিংদা ফাওবা মতৌশিংদু ফোঙদোক্কনি। মহাক্না মসি পাঙথোকপা ঙমদ্রবদি মাগী নায়ক অদুনা অশাবা মূর্ত্তি ওইরগনি অদুগা ফত্তবা থৌরাং তৌবা মীদুনা হিংচাবা অদুম ওইহল্লনি। অদুবু সেক্সপিয়ারদী মশাগা থেংনবা জ্ঞান অমদি মানা উখিবশিংদুদা মশাগী ওইবা মতৌ কয়া ফোঙদোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈখি, মহাক্কী ভুতশিং অমদি হিংচাবশিংদ-ফাওবা মাগী অরিয়েলস (Ariels) অমসুং কেলিবান্স (Calibans) দা মীওইবগী ওইবা মতৌকয়া হাপচিল্লী অসিগুম্বা মখোয়গী তৌবা ঙম্বা মতৌসিনা মরম ওইদুনা অথোইবা লেখক্তি চুম্নগী অচুম্বা মতোদা থাজবা মীশক অমা হায়বদু

ওইবতা নত্তনা ফিদম্নফম ওইবা মতৌব, থাজবা মীশক অমসু ওই। মসিনি নিলদর্পণগী লেখক, নাটককার দিনবন্ধু মিত্রনা চুম্নগী অফ-ফত্তা পুথোক্তুনা করেম্নবা মাগী গুরু ঈশ্বরচন্দ্র গুপ্তদগী খেন্নরিবাস।

অদুম ওইনমক, শুপ্নদংগী মীনুংশি অসিনা ঙ-ম্নবা নুংশি-চাউবা মতৌরোমদা নান্নরকই। ভারতকী মমাংঙৈগী ৱারী অমতং খুদম ওইনা লোরবদা বাল্মীকিনা লৈখিদ্রবা ক্রৌঞ্চ (কাংঙ)গী দমক মীনুংশি উৎপদা মহাক্কা থোদোকমচা অমবু মুৎনাইদ্রবা কবিতাদা পুথোক্তুনা অমর খুভম ফংহনবগী মহুত্তা শুপ্নগী কম্পা অমসুং তেংথাবদমক তৌরম্মি। কবি অমা, ওইনদি, তোঙাল্লবা মওংদা লৈখ্রবা মরু ওইবা চরিত্রশিংদা অদুম মাগী ভাবনা শাবা মতৌদু শোয়দনা লৈগনি। মাগী মীনুংশি অদুদি মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা কনাগুম্বা মীওই অমদা পোকপা মরূপ মপাং ওইবগী ৱাখলদু নত্তে অমসুং মনিঙ তম্না মশা মতোমতা হিংজবা ঙম্বনিনা করিগুম্বা অমত্তসু শেম্মু শারুবা ঙমদে। মহাক্কা উরুবা অমসুং মশাগা নক্কনা লৈরুবদগী ফাওরকপা জ্ঞানশিংদা মশাগী ওইবা ফিদমশিং অমদি তোপ তোম্পা হৈন-লোনচৎকী ৱাখল অমসুং মমিং অমা পিবা ঙমহল্লবদি মদু কবিগী ভাবনা শাগৎপা মতৌনি; অমসুং মতৌ অসুম্না তোপ-তোম্পা অমদি মরন্নাইগী ওইবা থোদোক অমবু তাইবংপান পুম্বগী ওইহল্লকই। মসিদগীনি বাল্মীকিনা মহাক্কী অহানবা শৈরেংগী পরেংদু হৈরবা তুংদা, অরাম্পদগী মদুবু মুন্না য়েংলগা অঙ্কপা ফোঙদোক্তুসা হায়রকই, 'ঐগী মীনুংশিনা ঐবু লমজিংলিবসিনা করম্বা মপুঙ ফাবা মতৌ হারলদু ওইহনগদো-বনো?' অশেংবা কবি হায়দদুদি মীনুংশিনা মাগী ভাবনা শাগৎলকপা ৱাফমদা মতেং পিগদবনি হায়না চুম্নবা মত্তংদা বঙ্কিমচন্দ্রনা কনখৎলি।

বঙ্কিমচন্দ্রগী সাহিত্য সমালোচনাসি হোৌগৎলকপা মতাংদদি নিয়ম অমা শেম্নবা মশা মশাগী মত পুথোক্লবকাঙবুশিংবু করেম্নবা মওংদা য়েংলবসু, মতেং ওইননবা অমসুং ইচঙথোহন্নবগীদমক মতু কয়ামরুমসু শেম্মুম্মি, অদুগা তাইবং-পানবা পুম্বদা পানশিনবা য়াবা ময়ামগী ওইবা মওংদা পুশিল্লকপা ৱাখলদগী পোকপা মতৌ কয়া'মা য়াওদনদি মশক মওং নাইবা কলাগী থবকশিংদা মিৎফম থম্না থবক্কা অমসুং মশাগা নক্করুবদগী ফংলকপা জ্ঞান্না চথবা সমালোচকশিংনা করিসু তৌবা-ঙমদে হায়বদু মতৌ অসুম্না উৎলম্মি। মতৌ অসুম্না মহাক্কা ঐখোয়গী মিৎয়েংগী পান্দম অসি হেন্না পাকথোক-চাউথোকহল্লি, অদুগা তোংঙানবা থৌশিং

অমদি চরিত্রশিংবদ্ চাংদম্নদ্দনা, শকুন্তলাগা ডেসডেমোনা অমসুং মিরান্দাগা অদ্দগা সেক্সপিয়ারগা ভবভূতিগা অমসুং জয়দেবগা ৱার্ডসৱার্থকা খেন্নবা পদ্দথোক্তদ্দনা চাংদম্নবগী ওইবা সমালোচনা নত্রগা হৌজিক্কালগী মতমদা চাংদম্নবা সাহিত্যগী নৈনবা হায়না খণ্ডনরিবা অসিগী মহাক্না য়দ্দম্ফম থোনবা হোঁখি। মথন্তা পনখিবগদ্দম্না মানা পিরিবা সংজ্ঞাসিনা হাইরম্পা মওংদা অরিস-টোটল্ ফাওবা চথরদ্দই অদ্দগা মাংলোমদনা বেনেডেটো ক্রোচে (Benedetto Croce) ফাওবা য়োই, মহাক মশামক্ত্দ শরদ্দক য়াশিল্লদ্দই—মতাং অসিদদি মহাকপদ্দ পোজিটিভিস্ট ফিলোসোফী (Positivist Phoilosophy)—মতমগী খোঙলৈনা হুম্লক্তদ্দনা সাহিত্য হায়বসিবদ্ সমাজ অমদি অর্থনীতিগী শক্তি কয়ানা থোকহনবা পোথোক ওইনা অনৌবা মতমগী সমাজবাদীগী সমালোচনা খোঙচৎলোমদা হুমদদ্দনা পদ্দরে।

বঙ্কিমচন্দ্রগী চপচাবা মওংদা চথবা সমালোচনাসি কবিরগদ্দম্মা মতমদা ময়েক শেংনা অমসুং মচা খায়না তৌই, কবিরগদ্দম্বদনা য়াম্না পাঙ্গল লৈবা মওংদা অমসুং য়াম্না তেনবা ৱাহে খরদনা ফোঙদোকই, অদ্দবদ্ মতম পদ্দম্বদা ইকাইখদ্দম্নরবা, চুম্নি হায়না খনবদা ইচং থোবা অমসুং অচুম্বগী ৱায়েলশঙ ওইরিবা চাংয়েং লৈরিবা বিচারপতিশিংগী লাউথোরকপদ্দ তাগদবগী ঙাইদদ্দনা লৈবগদ্দমসু তোই। কবিরগদ্দম্মা মীচং মীথায় নাইবগী মতৌনা মাবদ্ হুমদদ্দনা পদ্দবগী মওং-খজিক্তং হেক মাল্লকপদা মানা মনদ্দং হুঞ্জিন্না য়েংশিল্লগা উৎলি। মানা মীয়াম্না পাম্নরবা কবি জয়দেববদ্ চপ-চাবা মওংদদ্দা হন্থহল্লি, অমসুং খোইহিচেল্লবা নদ্দংশি নদ্দংওনগী ওইবা কবি অসিবদ্ অশেংনা শের্মজিন-শজিনবগী মথৌ পাঙথোপা কলাকার অমা ওইরিবা বিদ্যাপতিগী খেন্নবা মওং কয়া পদ্দথোকই। বঙ্কিমচন্দ্রনা জয়দেবগী মহৌশাগী মপান্নোংগী ওইবা মতৌসিদা হৌঞ্জিন্না নদ্দংশিবা পোকপগী মশাদা ফাওরিবদ্ তাক্লদ্দনা মাগা থাঙ্গেশেংনা ওন্নবা, মতমপদ্দম্বদা আত্মাগী নদ্দংহুঞ্জিন্না লৈবা মমল নাইদ্রবা পোৎলম অদ্দতবদ্ য়েংবা ৱার্ডসৱার্থকা খেন্নবা পদ্দথোকই। অসিগদ্দম্মা মখলগী অচুন অরানগী মত্ অম-পিনবা হোৎনবসি প্রকৃতিদগী ফংবা শিক্ষা (The Education of Nature) অমসুং রদ্দথ (Ruth) তা প্রকৃতিগী প্রভাবনা মীওইবগী তোংঙান তোঙানবা শাজৎ-মতাদগী করম্না খেন্নহনবা হায়বদ্ উৎলিবা, প্রকৃতিগী অথোইবা কবি অমা ওইরিবা ৱার্ডসৱার্থতদি খরমখৈ ফজদবা মওংনি। কপালকুণ্ডলাগী মশাদা ফাওবা অপাম-নদ্দংশিগী ৱাখলবদ্ মহৌশাগী মতম্মাক্তা

চাউরকপনা মরম ওইদুনা মাঙহনখিবা নত্রগা মনোরমাগী খুদেংথীবনা থল্লবা আত্মাবু অহিংগী অমম্বা মতৌনা অমসুং তোথাইনা লৈবা পুখ্রি অমগী অঈংবা ঈশিংদুনা ঈংথহনখিবনা মসিবু শেম্মবদুগী মওং তাদবা মতৌ খরদি অদুম্মক থেংনরে। অদুবু অহানবা উবমক্তদা পুক্নিংদা ফাওহল্লিবা, অধ্যাত্মিক্কী ওইবা ৱার্ডসৱার্থকী কবিতাদা হেন্না পুক্নিং থিংজিনবা মতৌ অদুগী দমক্তি শিঙথানিংঙাইনি।

মথক্তা হায়খিবগুম্না, সমালোচক অমা ওইনা বঙ্কিমচন্দ্র অয়াবা মতা-মত খরগী মতেংনা ফজবা পুথোক্লবা হোৎনবগীদি থবক ওইনা চথদুনা, মশাদা ফাওবা জ্ঞানগী মওেংনা অফ-ফত্তা নৈনবদা পুক্নিংচঙবা মীশক অমনি। অরিস্টোটল অমসুং ক্রোচেকা মরী কয়া'মা লৈনরবসু মহাক্তি কবিতাগী ওইবা অরুবা মতাং অমসুং কবিতাগী সংজ্ঞাগী মতাংদা করিমতা মায়োক্লবা তৌরুদে। মাগী ভাবনা শাগৎপা মতৌশিংদি মীয়ামদা অফোংবা ৱাফম কয়া'মা পুথোরকপনি, অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসিবু য়াম্না শাথিনা কক্লবা হোৎনরকপদা মখোয়শিং অসি অরোইবী ওইরবা চৎনবী মত্‌শিংনি হায়না ইরোই লোইবদা চোংথোরক্কদবা মীশক্তি মহাক্তনি। য়াম্না অরাপ্পা মফম ফাওবা কোনশিনবা ঙম্বা মখোয়শিং অদুগী পোলোইদি লৈতবা, মহাক্কী মঙাল-মশেক থোকপা ব্যাখা খরদি জর্নেলিষ্টকী ওইবা মওংদা ইবা লাইরিক খরগী অফ-ফত্ত নৈনবদুনি। খুদম ওইনা, মীবু নোকহনগে হায়য়বদি 'এরর' (error) গী মহত্তা 'মিস্টেক' (mistake) শিজিন্নগদবনি হায়না মত ফোঙদোক্লদুনা মাগী ফাঁগি তৌবগী মতং অমা পুথোকখিবসি হায়রিবা মওংগী অফ-ফও নৈনবগী মতাংসিদনি। মসি-অরিস্টোটলগী পোয়েটিক্সকী মতম শাংনা চৎলোইদবা ফাগিগী ওইবা সমালোচনা অদুদগীদি য়াম্না লাপথোকখ্রে। অদুম ওইনমক অরিস্টোটলনা থল্লম্বা হ্যামরটিয়া (hamartia) নত্রগা অচুম-অরানগী বিচারদা 'এরর' শিজিন্নবসি অৱাবা নাটক্কী শকওংনি অমসুং ফাঁগিগী মওংদা চথবা হিরমদা নত্তে হায়বসি খঙজিনবা য়াবা ৱাফম্নি।

বঙ্কিমচন্দ্রগী লৈজবী থারবনি হায়না ময়াম্না লৌনবা সমালোচনাগী মতাংদদি ঐখোয়বু, মশাগী ওইবা শের্মজিন-শাজিনবা থবকশিংদা য়াম্না মনুং হুনজিন্না য়েংশিনবা ঙমখিবা কবিশিংগী মরক্তা অথোইবা ওইরিবা সেক্সপিয়ার তান্না ঐখোয়বু তওনা পুই। অসিগুম্বা মরক থৎনা হায়নিংবা ৱাশিংগী মনুংদা

খৱাইদগী নিংথিবা কয়া অমা ভবভূতিগী নাটক উত্তরচরিত নৈনরকপা মতাংদা য়াওই। সতিগী ওইবা মতৌদ্দ অনিরক হন্না মীয়ামদা উৎলদ্দ হায়বদ্দ য়ানিংদবা উত্তদ্দনা সীতানা পৃথিদ্দ-মাতাগী পিবদ্দক্রুদ্দংদা চঙখি অমসুং মপদ্দক্লিং ফাথবা ঙমদবা রামচন্দ্রনা থম্মোইগী মৈচাক খাঙঙমদবা মতৌদা মথন্নতা লৈহোই। শাস্ত্রগী ওইবা-য়াথং কায়রদ্দবনা, অতোনবা জাতকী শূদ্র অমনা ব্রাহ্মণগী শাথিবা শাজৎ অদ্দ চৎখে অমসুং মদদ্দগী ফলনা লৈবাক অদ্দদা অকিবগী মশক ফংলবা অৱা-অনং কয়ানা খোঙকাপ-লাওনা লাওনা কান্দদ্দনা চঙশিল্লক্লে হায়বসি তাবদা রাম্না মথদ্দত্তা খদ্দৎলাই পায়দদ্দনা চাহি কয়াগী মমাংদা বনগী খোঙচত্তা সীতাগা লোয়ননা নদ্দংঙাইনা লেনমিন্নখিবা উমং পঞ্চবতী তান্না পাপিদদ্দ থিবা-লাকই। অশেংবা ৱারীদগী থৈদোতুনা ভবভূতিনা সীতাবদ্দ, মশামক্কী মশক উবা ফংহন্দ্রবসু মাগী থৱাই-মমিনা উমংদদ্দদা রামচন্দ্র উন্নবা লাকহল্লি। রামচন্দ্রনা চথোরকপগী-মরমদদ্দ তা-বদগী ভবভূতিগী সীতানা আসুম্না শৈথারকই, 'লাইবক ফবদগী, নিংথৌ অসি (মাগী প্রজাশিংবদ্দ থেম্নবগী দমক থৌদোক-অমা সীতাবদ্দ তান্থোকখদ্দবা মহাক।) হৌজিক ফাওবা নিংথৌগী ওইবা থৌদাংশিং পাঙথোকপা করিমতা কোমথোকপা লৈত্রি।' অসিগদ্দম্মা অতেনবা ৱাহৈদা ফোঙদোকপা শৈথাবা অসিবদ্দ লৌথোক্লদ্দনা বঙ্কিমচন্দ্রনা ব্যাখা তৌই, 'সাহিত্যগী ফজবা মতৌগী মতাংদদি থৌদোক অসি লোল খদ্দদিংগী ওইনা নাটকতা য়াওবা ফজবদ্দগা চাংদম্নবা য়াই……অসিগদ্দম্মা ৱাহৈপরেং অসিদি শদ্দপ্নগী সেক্সপিয়ারগীদদা য়াওবা থেংনে।' অসিগদ্দম্মা মাগী ওইবা মত অসিনা সেক্সপিয়ারবদ্দ য়াম্না নিংথিনা খঙলে হায়বা উৎলি; মসিমক ভবভূতিগী নাটককার অমা ওইবগী ময়ামদগী তোপ-তোপ্পা মতৌদদ্দদা পীবা চাউরবা খদ্দদোলনি, অদদ্দগা মসিনা বঙ্কিমচন্দ্রগী সমালোচনাবদ্দ অরদ্দবা অমসুং অতেন-অশাংগী নাপদ্দ ওল্লি।

# মঙাশুবা পন্দুপ

## মখল মথেলগী খুৎইশিং

বঙ্কিমচন্দ্র ঐখোরগী অহানবা উপন্যাসকারনি, অমসুং সমালোচক কয়াগী মতৌদি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর অমসুং শরৎচন্দ্র চেট্টজীগদম্বা গরম কয়া থোরক্লবসু মহাক হৌজিক-ফাওবা ঐখোয়গী খরাইদগী অথোইবা উপন্যাসকার ওইরি। অদুগা মহাক অসি ভাবনা শাবা ৱারেংগী শরুক্তদা নওনা তোংঙান তোংঙানবা সাহিত্যগী কাঙলুপশিংদসু মাগী মিত্রংগী চৈনা শোকহনখিবা, শিন্ফম অমদগী শিন্ফম অমদা হোংবদা ময়ামদগী থোইদোক হেন্দোকপা মীশক অমসু ওইরম্মি। মহাক্কী য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমগী সাহিত্যগী ল-মদা হোৎনখিবা কয়াদু ৱাহৌদোক্কী শরুক্তা পনখিবনা মখোয়দু অমুক-হন্না মপুঙ ফানা নৈনরবগী তঙায়ফদবা হায়বদু ওইদে। অদুম ওইনমক মানা মমৈথংদা পায়খৎলকখিবা ভাবনা শাবা ৱারেং নত্তবশিংদসু কা অমা হেন্না শক্তি লৈ, অমসুং মানা খরাইদগী পামজবা, মশাগী ওইবা মতৌ কয়া পুথোকপগা লোয়না লোয়ননা কলাগী খুৎশেমগী ওইবা মিৎয়েংদা খরাইদগী ফবা উপন্যাসশিংনি হায়না লৌবশিংদুগী থাক্তা থম্বা য়াবা মাগী কমলাকান্তের দপ্তরনি। মাগী মতুং তারকপা থবকশিংদি মহাক মশানা ১৮৭২ দগী চথবা হৌখিবা, মতম কান্ন-কান্ননা মথং মথং লাকখিবা চেফোং বঙ্গদর্শণগী খুদোল তম্বগী মওংদুনি। মহাক্না মসি—চহি মরি চুপ্পা সম্পাদন তৌরম্মি অমসুং ১৮৭৭ তা মনাওনিপানা সম্পাদক ওইদুনা অমুক হন্না ফোংঙলকপদসু মানা মরু ওইবা মীশক হায়বদু ওইখি। ১৮৭২ দগীদি মাগী অয়াম্বা অইবশিংদু বঙ্গদর্শন্দা ফোঙখি, মসিনা বাঙ্গালী জর্নেলিজমদা অনৌবা ফিভম অমা শেমগৎখি, অমসুং-মতুংদা প্রচার অমদি নবজীবনদা। মাগী মমিংগা মরুওইনা শাগোন্নরবা বঙ্গদর্শন্দা মাগী আর্টিকলগী পরেং অমা য়াওরম্মি—উপন্যাসশিং, ৱারীমচাশিং, অতেনবা ৱারেংশিং—য়াম্না হকচিনবা মওংদা অমসুং ফাগিগী ওইবা মওংদা অদুগা সাহিত্যগী অফ-ফত্তা নৈনবা কয়া'গা। বঙ্কিমচন্দ্রনা মসিদা মশাগী অইবা কয়া ফোঙবদা নত্না অফবা খুৎই অমসুৎ অফবা শাজৎকী ওইবা থাক অমা লেপ্পবা হোৎনরম্মি হায়বসি ঐখোয়না নিংশিংবদা মতিক চারবা ৱাফম অমনি। মতম খরা মহাক্না একাডেমী (Academy) অমগী শক্তিপুম্বা পায়দুনা চলাইরম্মি। মহাক্কী অয়াম্বা অতেনবা ৱারেংশিংদি থৌৱা-শাদবা অমসুং সমাজবু করেম-কথাইনবা মওংদা ইবনি,

অদুবু মখোয়শিং অদু-জর্নেলিজগী অতেনবা মতমগী ওইজরবস্থু, মখোয়দুনা মতমগী চাংয়েং অমদি অদুম লোই। মতম শাংনা লৈবা জর্নেলিজমদুদি সাহিত্যনি।

বঙ্কিমচন্দ্রগী উপন্যাসশিং অসি-অয়াম্বনা নুংঙাইবনা লোইশিল্লবস্থু নোক্লিংবগী মতাংদি মরক-মরক্তদমক য়াওই, ইন্দিরাদনি ফাগিনা মপুঙ ওইরিবা। বঙ্কিমচন্দ্রগী অথিংবা লৈতবা মওংদা ফোঙদোকপা ফাগিগী থোইদোক হেন্দোকপা মতৌদি মাগী মখল-মথেলগী-অতেনবা ৱারেংশিং ( মমৈথংদা লোকরহস্যদা ফোঙথিবা ) অদুদদা য়াওই। মহাক্কী ফাগিশিং অসি য়াচল-লাকপা মওংদা সমাজবু করেম কথাইনবনি, অমস্তুং সাহিত্যগী থেন্নবা কয়াগী নিয়ম পায়রিবা মীদুনদি মখোয়শিং অসিবু হৈ-শিংবগী নমুনা হায়না কৌই, মরমদি মখোয়শিং অসি মীনুংশি উৎপদগীদি মথক থোংবা মত্তং-মতাগী অর্থদনা হেন্না মশাগী ওইবা মতৌ চেল্লি অমসুং মখোয়গী মপাঙ্গল লৈবা অচোবা শরুক কয়া'মসু কলাগী হৈ-শিংবা মতৌগী ওইবা ৱাঙাংশিংদগী লৌবনি। অদুবু মসিনা মখোয়গী মগুণ হন্নহনবনি হায়নদি লৌরোইদবনি, মরমদি ফাগি-ফারাংগী ৱাঙাংবু মশানা পুথোকচবা ময়ামদগী তোপ-তোম্পা মওংগী পংশা-শাগৎপা অমসুং পাউতাক ৱারীনা হেন্না মশক থোকহল্লি। খুদম ওইনা, মহাক্কী অতেনবা ৱারেং খরদা তোখায়না তাবা ফিভমদগী, কৈনা মশাগী অপংবা মতৌদগী ওইরকপা য়াবা কয়াদু মীওইবগী মশাদসু অদুম য়াওবদু মহাক্না য়েংশিল্লি। অতোম্পা ৱারেং অতেনবা অমদনা মহাভারত্তা হৌজিক মতমগী বাঙ্গালী 'বাবু' অসি য়াওবগী লাইগী লাইফাও অমা য়াওই হায়না মহাক্না ভাবনা শারম্মি অমসুং অপংবা বাবুদু লাইগী ওইবা মতৌগী শায়োন ওইনা ৱাংনা থাঙ্গৎলম্মি। অদুগা অমুকসু, ইংরেজশিংনা ভারতকী সমাজ অমসুং সাহিত্যগী মরমদা লৌরিবা কা-হেন্না অপংবা মতৌদুদা অঙকপা ফংলবা ফাগিগী লীলা অমা শেম্বা ঙমখিবসি মহাক্কী খোইদৌ শীকপা ৱাহৈ-ৱাতা শিজিন্নবা হৈ শিংবা মতৌনি। অসিগুম্বা খুৎইশিংসিগী অয়াম্বদি সমাজবু করেম কথাইনবগী মতৌসিদা অৱাংবা ৱাখলগী ওইবা ভাবনা শাবা মতৌনা হেন্না ৱাংনা থাঙ্গৎলি ; মসিদা রিবেল্যাইসিয়ান (Rabelaisian) শরুক্তি য়াম্না তানা য়াওই, অদুগা য়াম্না হেন্না ঐখোয়দা নীংশিংহল্লিবদি স্বীফ্‌ট (Swift) নি।

তশ্থাই অমনা ফাগিগী ওইবা অদুগা তশ্থাই অমনা য়াম্না হর্কচনবা মতৌগী ওইবা, কবিতাগী শক্তম ওইবা সমাজবু করেম কথাইনবা অতেনবা ৱারেংগী পরেং

অমা ওইরিবা, মহাক মশানা মনা-ইবশিংগী মনুংদা খৱাইদগী অথোইবনি খঞ্জবা কমলাকান্তের দপ্তরদা বঙ্কিমচন্দ্রগী ময়ামদগী তোপ-তোম্পা মওংগী ওইবা লংলাশিংদু পুনশিনবা-মতৌদা নাইশিল্লম্মি। মসিদা মাগী ভাবনা শাবা ফজবা মতৌ, করেম-কথাইনবগী মওং, তম্বগী মওং, হৈথোই-শিংথোইবা মতৌ ঙম্নমকসি মথৱাইনা পামশিনবা ফিদম অমনা মপাঙ্গল কনখৎহনবা মতৌ-অমা ঐথোয়না উবা ফংই। কমলাকান্তের দপ্তরগী হৌরকফমশিং অদুদা সমালোচকশিং তন্নবা পোক্নরম্মি। কমলাকান্ত কানিচাবা মীশক অমনি অমসুং অতেনবা ৱারেংশিংদু লন্নাইগী ওইবা মিৎয়েংনি। কনাগুম্বা অপাবা মীওই খরনা বঙ্কিমচন্দ্রনা ডি-ক্যুইনসি (De-Quincey) গী কন্ফেসন্স ওফ এন ওপিয়ম ঈটর (Confessions of an Opium-Eater) দগী কান্নাৎ অমা লৌখিবরা হায়না নিঙনৈ। নত্রগা অতৈ খরনা খন্নবগুম মেজিস্ট্রেটস কোর্ট (Magistrates Court)কী দৃশ্য অদু পিকৱীক পেপর্স (Pickwick Papers) দগী লৌথোকখিবরা ? হায়রিবা খুদম অনিমকসিদা মান্নবা মতৌশিংসি য়াম্না হন্নবা য়াওবা মরম্না ময়াম্না, খন্নরিবা সাহিত্যগী মতৌতম্বগী মওং চত্থরকপনি হায়বসি তোকথোক্লগা কমলাকান্তবু মশাগী ওইবা খুৎশেম্নি হায়না য়েংনগনি। ভাবনা শাবা ফজবা মতৌগা অচুম্বদা থাজবা মওংগা, গীতিকাব্যগী মওংদা পুক্লিংনা শাগৎপা ৱাখলগা থোয়দৌ শীকপা মওংগী সমাজবু করেম কথাইনবা মতৌগা, য়াম্না অৱাংবা মওংগী খায়দোক্লবা মতৌগা, য়াম্না কুওবা মতৌগী অপাম-নুংশিগী ৱাখলগা পুন্না য়াওমিন্নবা হায়বসি সাহিত্যদা য়াম্না তাঙবা থৌদোক্নি। অদুগা কমলাকান্তগী য়াম্না লায়রবা মতৌ অমসুং লাইরিক লাইশুদা থৱাই য়াওবা, কানি চাবদা হৈনরবা অমসুং মাগী শঙ্গোম্বু য়াম্না পামজবা মতৌ অসি য়াম্না নুংশিনিঙাই ওইবা মীওইবগী চরিত্র অমনি।

বঙ্কিমচন্দ্রনা সমাজগী ওইবা ৱাখল অমসুং দর্শণ শাস্ত্রগী মায়কৈদা নৈনরম্বা কয়া অমদি মথক্তা পনখ্রে, অদুনা তাইবংপানবগী মরমদা নৈনবশিংদুদি মখা তান মচা খায়না উৎলুবগী কান্নব লৈত্রে। বিজ্ঞানবু মীয়াম্না পাম্নবা মওংদা পুথোক্লবা লম্বী অমা উৎখিবা মাগী বৈজ্ঞানিক প্রবন্ধশিং অদুসু শিঙথানিংঙাই ওইরম্মি, অদুবু বিজ্ঞানগী ওইবা অচুম্বশিংদি সাহিত্য অমসুং কলাদা তৌবগুম্না নিংশিংনিংঙাই ওইদবনা হায়রিবা বিজ্ঞানগী মরমদা ইবা অতেনবা ৱারেংশিংদু মতম শাংনা লৈখিদে। শিক্ষাগা মরী লৈনবা তম্নবা লাইরিক খরদসু মহাক্না অমুক অনিরক্তি শীংনদুনা ইরম্মি, অদুবু মথোয়সিসু শন্দোক্না তাক্লুবা অমসুং সমালোচনা

তৌরূবগী তঙায় ফদবা হায়বদূ ওইদে। অরোইবা ওইনা নৈনবা য়ারিবদি, মাগী মরূ ওইনা সমালোচনাগী ওইবা ৱাখলগী মমি তাবা, মাগী সমালোচনাগী খূৎইশিং অদূনি। বঙ্কিমচন্দ্রনা সাহিত্যদা নাম্মতা ওইবা ফিদম খক পূথোক্লমদে। মহাক্কী মত্তা, সাহিত্যগী পান্দমদি পোৎশক অনিদানি—ফজবা পূথোকপা নত্রগা মীওইবা জাতিগী অফবা তৌবা। অদূবূ মসিদা হংবা য়ারিবা ৱাহংদি ঃ ফজবা হায়বসি অফবসু ওইদবরা? মহাক্কা সাহিত্য মখল অনিগী খেন্নবা পূথোকই, ফূমদূনা থম্মিবা পূক্লিংগী ইহূলশিং অমসুং য়াম্না হেনজিন্না পামশিনবা ফোঙদোকপা সাহিত্য অমসুং ঈশ্বরচন্দ্র গূপ্তগূম্বগী সাহিত্যদনা মালেম অমসুং মালেমগী ওইবা পোৎলমশিংসি কারিনো হায়বা য়েংই, তাকই অমসুং মীয়ামদা পূথোকই! পূক্লিংগী ওইবা মতৌগীদা জয়দেব নত্রগা অধ্যাত্মিক্কী ওইবা ৱার্ডসৱার্থকুম্বা কবিশিংসু লৈরি। অনিমক্কী খমথেংবা মতৌসিদি থাদোক্কনি। মশাগী মত শেমগৎপা মীশক অমা ওইনা ৱাখল অনিসি পূনশিন্নবা খক হোৎনখিদে অমসুং মশাগী ওইবা খূৎইশিংদা অচুম-অরানগী ওইবা মত্‌ তাকপা অমসুং ফজবা পূথোকপগী মতৌদূদি পূন্না য়াওবা থেংনৈ। হায়রিবা ৱাফম অনিসি মাগী, 'কৃষ্ণকান্তের উইল', 'আনন্দমঠ' অমসুং 'মৃণালিনী'গী মনোরমাদা, 'কপালকূন্দলা'দা অমতা ওইনা পূনশিনবগী মওং পূথোক্তূনা অচূম্বা অমসুং ফজবগী কাঙলূপ খায়দোকপা মতৌগী ৱাংমদা কলাবূ লৈহল্লি অমসুং 'বিষবৃক্ষ' অমসুং 'রজনী'দসু য়াম্না নিংথিনা মসি চূমহল্লি। অদূগা 'রাজসিংহ'দদি অনিসি মরক মরক্তা তোথায়না তাবা থেংনৈ, অদূগা 'দেবীচৌধূরাণী' অমসুং 'সীতারাম'দদি মীয়ামদা খঙহন্নিংবা ৱাখলগী মতৌনা ভাবনা শেমজিন শাজিনবগী মওংদূ খরমখৈ মশক শেংহনখিদে। ওস্কার ৱাইল্ড (Oscar Wilde) না অস্তুম্না হায়রম্মি, "কলাপূম্বনা অফ-ফত্তগী মত্‌পূ থোশাদে" অদূগা শেমজিন শাজিনবা কলা ঙম্নমক অফ-ফত্তগী মত্‌ পি হারব-সিসূ মদূগা চপ মান্ননা চূম্মি, মরমদি মীওইবগী লমচৎপূ য়াম্না ফজখূবা কয়াৎ অমগী নাকন্দা থম্মগা, মাসিনা মীওইবগী ৱাখলগী ঙমখৈবূ পাকথোক-হল্লি অমসূং ঐখোয়গী মীনূংশিবূ পাকথোক চাউথোকহল্লি। মসিগী ৱাখলদা বঙ্কিমচন্দ্রনা ফজবা মতৌ হেক পূথোরকপদা, অসিগূম্বা পাক-চাউরবা অফ ফত্তগী মত্‌ অসি হেক্তা পিরম্মি; অদূনা অঙনবা মতমগী শৈবলিনীনা অথেঙবা মতমগী শৈবলিনীদগীদি হেন্না ফজবা মওংগী লমসত্তা মশক তাকই, মনোরমানা সূর্য্যমূখী নত্রগা আয়েষাদগীদি অচূম অরানগী নিয়মশিং তাকপা হেল্লি অমসূং লবঙ্গলতাগী অশোনবা মতৌসি য়াম্না নূঙাইনা থোক্লবসূ মদূনা সমাজগী ওইনদি মাগী "মপাঙ্গল"দগী মমল হন্থবদি নত্তে।

## হাগচিল্লকপা

### বন্দেমাতরম্ ( ১৮৭৬-১৯৭৬ )

বঙ্কিমচন্দ্রগী 'বন্দেমাতরম্'—সংস্কৃত অমসুং বাংলাগী য়ানশিন্নবা মওংদা ইখিবা—ভারত সংস্কৃতিগী লাম্বা লৈত্রবা লনগৈনি। মরৈরাক মিঙবা ঈশৈশিং অমসুং লাইশোন্ ঈশৈশিং অসিদি মরু ওইনা লমদম-লমদমগী ওইবা খোল্লাউ ওইবনা, লৈবাক অমগী ওইবা জাতিগী ঈশৈগা অতোম্পা লৈবাক অমগীগা চাংদম্নবা হায়বসি, অরুবা ওইনা থোকই, মরমদি হায়রিবা ঈশৈশিং অসিদি লমদম-লমদমগী ওইবা ভূগোল, ইতিহাস অমদি চৎনবীশিংগা মরী লৈনৈ। অদুম ওইনমক বন্দেমাতরম্দগী হেন্না লুথহনবা অমসুং পাকথোকপা মওংগী পাউখুম খুম্বা অমসুং হেন্না মশীংয়াম্বা মীয়ামদা পুক্নিংগী আশা পোকহনবা খোল্লাউ ওইবা ঈশৈদি ঐখোয়না মশিং থাবদা খরা তাঙনা থোক্কনি।

ঈশৈ অসি ইহান হানবা ওইনা আনন্দমঠ হায়বা উপন্যাস অদুদা পুথোরকখি, বঙ্গদর্শন্দা মথং মথং হাল্পবা মতুংদা ১৮৮২ দা মসি লাইরিক ওইনা ফোঙখি। মসি উপন্যাস অসিগী নুংগী ওইবা মতৌ অমসুং হিরমগা য়াম্না চুশিনৈ, অমসুং মরু ওইবা চরিত্রশিংগী মচীন্দগী অসুক্কী মতিক মরন্নাই ওইবা মওংদা থোরকই মদুদি, মসিবু পারিবশিংনা, শিঙথানিংঙাই ওইরবা থৌদাং অসি পায়দ্রিঙৈগী চহি খরগী মমাংদা ১৮৭৫/৭৬ তা পিখিবা মাগী পাউজেলদু মসিনা কোনশিন্দুনা, খঙহৌদনা পুক্নিংদা অনৌবা ৱাখল কয়া পোল্লকপা মিকুপ্তা লেংখিবনি হায়বসি খঙকপদা অঙকপা পোক্নে। অদুগা নিঙতম্বা ভারতকী অহানবা রাষ্ট্রপতি রাজেন্দ্র প্রসাদনা অতোম্পা মরী অমদা পনখিবগুম, বাঙ্গালাগী ৱাংমদা-লৈবা মী লিশিং লিশিং কয়ানা প্লেটফোর্ম অমদগী প্লেটফোর্ম অমদা ঈশৈ'সি শরুখি—মী লাক্ষ কয়া কয়ানা খোল্লাউ অসি লাউনখি—মসিনা উৎলিবা ৱারীদু করিনো হায়বদি করিমতা খঙনখিদে।

বঙ্কিমচন্দ্রনা ১৮৮২দা মহাক্কী আনন্দমঠ ফোঙবা মতমদু, রাজনীতিগী ওইবা ইরাং কয়া থোরকপা মতম ওইরম্মি অমসুং ইংরেজশিং অমদি লমদমসিগী মীওইশিংগী মরক্তা হেন্না ফবা মওংগী অচুম্বা মতৌ থম্নবা অমসুং লমদম অসিগী মীওইশিংনা লৈবাক অসিগী শাসনগী থবক্তা শরুক হেন্না য়াজবা ফংনবা য়াম্না

কনখ্রবা দাবী অমা তালম্মি। মীয়ামগী আশাশিংদ্ তুংগী ভারতকী মশক মওং লেম্পদা মর্দ্ ওইবা থোদাং পুরগদোরিবা ভারত জাতীয় কংগ্রেসনা ১৮৮৫দা লিংখৎলকপদ্দা ফোঙদোক্লরকই। কলাগী শীংথাবা য়াবা থবক খুদিংমকসি 'মিৎয়েংফম অমতদা থম্মা' ঙম্মনা মখোয়গী কায়াৎশিংসি অকক্লবা ঙমখৈ লৈ, অদুবদ্ মদুনা তাইবংপানবা পুম্বগী ওইবা অর্থ অমা ফোঙদোক্লবস্ হোৎনগনি। মরম অসিনা আনন্দমঠস্ ব্বারীগী মওং তা-ননবগী দমক লমদম অসিগী ওইবা লাহেলী ওইজরবস্, অচৌবা রাজ্য কয়ানা পুল্লবা অমসুং তোংঙান— তোংঙানবা কাংলুপকী মীওইশিংনা থল্লবা অনৌবা মতমগী ওইবা ভারতপুম্বগী নিঙতম্মা লাহ্নোগী মহুৎ শিন্দুনা উৎলম্মি। অদুগা ঈশৈ অসিস্ মী অমদগী মী অমদা অসুম্না মথং চত্থরম্বদগী, চহি তরাগী মনুংদা জাতিগী ঈশৈ ওইনা ১৮৯৬ কী কংগ্রেস অধিবেশন্দা ভারতকী খুনাইদগী অথোইবা কবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা শকখি।

মথংগী চহি তরা লোইশিল্লকপগী অদুরাইদা লোর্ড কার্জন (Lord Curzon) গী বঙ্গদেশ খায়দোকপা হায়বদ্ থোকখি, মসিনা রাজনীতিগী ওইবা আন্দোলন কয়াবদ্ নমথনবগী পুকচেল পিকপা মতৌ চেল্লম্মি, অদুবদ্ ওন্ন তৈনবদা হেন্না অমুক মথৱায় হাপকখি। স্বদেশীনা শোগৎপা খায়দোকপদুগী মায়োক্তা হোবা ঈরাং অমসুং ইন্নোকপগী আন্দোলন্না য়াম্না থুনমক লুথহনখিদুনা অমসুং পাকথোক চাউথোকহন্দুনা মপুঙ ফাবা নীঙতম্মা ফংননবগী শোক্লবা লান ওইহনখি, মসিবদ্ মতমদুগী ব্বাঙাংবা খুনাইদগী হৈবা মীশক অমগী ব্বাহৈশিংদা, কাচিন অমদগী কাচিন অমদা, সহর অমদগী সহর অমদা অমসুং লৈবাক্কী শরুক অমদগী শরুক অমদা শন্দোকখিদুনা, লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা য়োহনখি। শ্রীঅরবিন্দ, মশামক কবি অমা ওইনা আন্দোলনগী অনৌবা ব্বাখন্দুবদ্ শোগৎপশিংগী মনুংদা অমা ওইরম্মি, মহাক্না ১৯০৭ তা মতমদুগী খুনাইদগী মাঙজিন থানা চৎপা নুংতিগী চেফোং বন্দেমাতরদা অসুম্না ইখি, 'খুনাইদগী চাউরবা অমসুং মতিঙ-পানবা পাউজেল জাতি অমদা নত্রগা মীওইবা জাতিদা পিরক্লি, অমসুং ঈশ্বরনস্ পাউজেলদুগী ব্বাহৈশিংদ্ মওং তানা ফোঙদোকপা ঙমগদবা মীশক অদুস্ খনবিরে। তুংদা অচৌবা থোদোক কয়া থোরক্কদবদ্ উবা ঙম্বগী শক্তি মদুদা ফোঙদোকহল্লম্মি অমসুং পুম্নমক্কী মপু ওইরিবা মহাক্না ইহান হানবা ওইনা পাঙহনখিবা মিৎ অদু মহাক্কীনি।' (ব্বার্কস, ভোল ১৭ লমায় ৩৪৪ ) ( works, vol. 17, P. 344 )

মগনুন লৈরবা ঈশৈ অদুনা মাগী অহোবা খোল্লাউদুগা লোয়ননা রাজনীতিগী, অর্থনীতিগী অমসুং সংস্কৃতিগী নিঙতম্মা পুরক্লবা আন্দোলন্দা মথৱাই হাপখি অমসুং পৃথিবীপুম্বনা উখি 'শক্তি-লৈরবা জাতি অমনা মাগী নান্থোকপা ৱাৱবা পোৱোন অদুবু নীকহন্দুনা তম্মুবদগী হোৗগৎলকপা মপাঙ্গল কল্লবা নিপা অমগুম্না হোৗগৎলকপদু।' শাসন পায়রিবশিংদুনা মিপাইখিবদু করিসু ঙক্লিংঙাই লৈতে, অমসুং বন্দেমাতরম্না উপদ্বীকা পাংখক ওইরবা ভারতা 'মখোয়গী-অতোপ্পা দ্বীপ অমদা লৈবা ইংরেজশিংদা শাউগৎহন্নবগী, মরম ওইনা থোকহনখি। খোল্লাউ অদুনা লালহোৗবশিংগী মগনুন লৈরবা অশেংবা মতৌ অমা ওইরকখি, অদুগা আনন্দমঠনা অশোক-অপন থোক্কদবা কয়াদগী নাম্থোকহোৗরবসু বন্দে মাতরমবু মীয়াম্না ঈশৈ ওইনা শক্লবদুদি থিংখিরম্মি। মতমগী ফিভম্বু থুগাইবা ঙমখিবা ১৯০৫ দা থোকখিবা য়াম্না লাঙতক্লিংঙাই ওইবা থৌদোক অমা ময়েক শেংনা উৎপা য়াই। বারাণসীদা ফমখিবা জাতীয় কংগ্রেসকী মীফমদা গোপাল কৃষ্ণ গোখলেনা সভাপতি ওইখি, অমসুং মদুদা তিনখিবা মীশকশিংগী মনুংদা মশাদা অকিবা-তুজুংবা পোকখিদ্রবা নেসনেলিষ্ট, রামভুজদত্ত চৌধুরীদা নৌনা লুহোংলকপদা ঙায়রিবী, রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী মমৌনুপী, ঈশৈদা মমিং চৎলবী সারদা দেবীসু য়াওখি। মহাকপু উবদগী, তিল্লিবা মীয়াম অদুনা 'বন্দেমাতরম' শক্লনবা পুম্নাঙ-লাঙনরকখি, মদুনা অশিন অরাংগী থবক তৌরিবা কাঙবুশিংদা হেন্না মিপাইনিংঙাই ওইহনখিবদি মদু তৌরুরগা পুলিশনা অধিবেশন অদু থুগায়নবা হোৎনবদা খুদোংচাবা পীবা ওইনা থোকখুগদ্রা হায়বসিনি। নুঙ অনিগী মরক্তা হা ওইদুনা, মীয়াম্বু থেম্বা ওইনা অহোৗবগী পরেং খরদংদু শকপিরম্মু, নত্রবদি মীয়ামসি লাকশিনবা ঙম্নরোই হায়রদুনা সভাপতিনা সারদা দেবীদা চেজেৎ অমা য়াম্না থুনা থারকখি। মহাক্না অহোৗবা পরেং খরদু শকপা হোৗরকপদা ভাবোকশিংদু থৱাই য়াওবা মতৌদা হেঞ্জিনমনখিদুনা অঙাও-অফৈগুম্না মখোয়গী নুংঙাইবদু ফোঙদোক্তুনা মঙোন্দা হরাউবা উৎনরকখি অদুগা মতেক খজিন্তং শক্লবগী পীবা সভাপতিগী য়াথং অদু হীক্তোক্তুনা ঈশৈদু লোইবফাওবা শকখিরম্মি। পুলিশনা মদুদা খুৎ থিঞ্জিনবগী থবক অমতা পায়খৎলমদে অদুগা মদু পামসু পাম্মোই।

সরকারনসু মখোয়গী লেপ্তনা চথরক্লবা য়েক্লবা মতৌদুদগী করিমতা কোমথোকপা তৌরমদে, অদুবু বন্দেমাতরমদি মদু ফনা তৌদুনসু অমসুং ওফিসকী

ওইবা মাঙহন্নবগী থোরাংদুনা খরমখৈ মরম ওইদুনা, মসিগী পুক্নিং থৌগৎ-নিংঙাই ওইবা মমিবু পীননবগী থবক ওইনা অদুম্মক চথরম্মি। মদুগী তুংদা মশা মতোমদগী ওইবা অমসুং মীয়াম্না খন্নরমদবা নত্তবা অহোংবা অমা লাকখি। পৃথিবীগী অহানবা লাঞ্জাও লোইখিবন পৃথিবীদা অমসুং মরু ওইনা, ভারত্তা থৌদোক-ৱাথোক কয়াগী ওইনা চহিগী ওইবা অহোবা অমা ওইরকখি। সাম্রাজ্য-বাদীগী অশেংবা মশক তাকপা জৱালিয়ানবালা বাগকী মীহাৎকী মতুংদা, অমসুং বৃটিশ শাসনবু ফত্তবনি হায়না ফোংনা য়াদবা অসহযোগ আন্দোলন হৌরকপদগীদি, 'বন্দোমাতরম' অমুক হন্না মাঙজিন থানা চঙশিল্লকখি। অঙম-অথোশিংদগী ওইবা শাসন্না মখোয়না হেক পান্বা মত্তংদু ফনা তৌদুনসু, ঈশৈ নত্রগা খোল্লাউ অসিদদি মখুৎ থিঞ্জিনবা ঙমখিরমদে মখোয়না হোৎনবা খুদিংমক অরেম্বা তাখি। অথিংবা থম্বদুসু মখোয় মশানা য়া-নবা মত্তং অমদা অস্থুম অস্থুম মাঙশিল্লকখিবগুম তৌই।

'বন্দেমাতরম' অসি অঙম অথোশিংগী ওইবা শাসনগী মাঙহন্নবগী মতৌদুদগী মায় পাক্লা শাংথনা হিংজরবসু, .শুপ্নম শাসনগী হৈ-শিংলবা মীওইশিংদগী থোরকপা মনুংগী ওইনা মাঙহন্নবগী হোৎনরকপা মুক্নরকপশিংদু মায়োক্লনবা হেন্না শাথিবা থোদাং লৌখিরম্মি। মহাক্কা য়েংনবদা থোইদোক্লা অথোইবা মতৌ-চেন্দ্রবা মীশক, লোর্ড মিণ্টো (Lord Minto)বু মহাক্কী মহুত্তা ভাইসরোয় (Viceroy) হাপ্লকখিবদুদা লোর্ড কার্জননা মাগী শাউনিংবা মতৌদু ফোঙদোকখি, "ঐগী তুংদা মিণ্টো!" অদুবু মপুক-মপাউ তপ্লবা মিণ্টোনা মৈরিদগী হেন্না শাথিরবা কর্জন্না পুখরম্লবা থবকশিংদু মহুৎশিন্দুনা পুখিরম্মি। মোরলী (Morley) গা লোয়ননা, মহাক্লা অয়াবা পিখিরম্মি—নত্রগা অয়াবা উৎপগী মতৌ উংখি—হেন্না ময়ায় ওইরপ্লা চৎপা ভারতকী রাজনীতিৱালাশিংগী থম্মোই খুদুম চন্নবগী মত্তংদা অহোংবা খরমখৈদি পুথোকখি অদুবু তোখায়না খায়দোক্লবা ভোট থাদবা মীশিং-হায়বা নিয়ম অমা পুথোরক্তুনা হিন্দু অমসুং মুসলীমগী মরক্তা শিঙজেপ্পু থারম্মি। খায়দোক্লুরবা বাঙ্গালা অনিদু অমুক হন্না পুনশিন্নখ্রবসু, মসিগী তোখায় তান্নহনবগী থোরাংসিনা কাঙলুপকী ওইনা খুৎ-থোক্লহন্দুনা মখোয়গী লাল্লোংগী পান্দম্নফম অমা হায়বদু 'বন্দেমাতরম'না ওইখি। চাহি কুস্থাগী মতুংদা, লৈবাক্কী তোংঙান-তোংঙানবা শরুকশিংদা লৈবা কংগ্রেস মন্ত্রী মণ্ডলশিংনা মসিবু জাতীগী ঈশৈ ওইনা

লৌশিনখ্রবদা, হিন্দুগী লাই ময়াম লাৎপগী মায়োক্তা য়ুম্ফম ওইদুনা শাথিনা য়ানিংদবগী মতৌ পীনরম্মি। মফম কয়াদা মসিগী শাথিনা য়েৎনবগী ৱারীদু তৌনখি, মতম খরগী ওইনা কংগ্রেস সভাপতি ওইখিবা রাজেন্দ্র প্রসাদনা ইণ্ডিয়া ডিভাইডেদ (India Divided) ( ১৯৪৫ ) হায়বদুদা মীচং-মীখায় নাইদবা মতৌ উৎখিবা অদুগয়ুদি অতৈদা থেংনররোই। পোলোই ওইনা ১৯৩৭ দা কংগ্রেস ৱার্কিং কমিটিনা অমুক হন্না বন্দেমাতরমবু জাতিগী ঈশৈ ওইনা লৌশিনখি, তৌবদবু মতোন ককথৎপা মওংদা শুপ্পগী অহানবগী স্টেঞ্জা অনিদুদমক মীয়ামগী মীতিন্দা শরুহনখি। অদুবু চহি তরাগী মনুংদা বাঙ্গালা খায়দোকপগী থৌরাংদু হিঙ্গৎলক-খিরম্মি, অমসুং খায়দোকপা হায়বসি 'লেঙদবা অচুম্বা' অমুক হন্না ওইরকখি। অদুম ওইনমক, অচুম্বা লোৎপদা খৱাইদগী অথোইবা ওইরিবা, ইতিহাসনা অরোইবা ওইনা নোকচখি। ১৯৪৭ কী নৌনা খায়দোরকপদুদদি লোর্ড কর্জন্না ১৯০৫গী বাঙ্গালা খায়দোকপগা লোয়ননা কায়দনবা কন্না হোৎনজরম্বা বৃটিশ সাম্রাজ্যদু থুগায়বগা লোয়নখি।

নিঙতম্বা ভারত্তা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'জন-গণ মন'বু আইন্না য়ারবা জাতীগী ঈশৈ ওইনা শিজিন্নরে—যন্ত্র ময়াম শিজিন্নবগী খুদোংচাবা য়েংদুনা অমসুং তোখায় তা-নবগী থৌরমদু থেমজিন্নবা মত্তংদা। ইরায়-লায়না জাতীগী ওইবা ৱাখল পোকহনবদা য়াম্না হেন্না মরাচেৎপা মতৌদুদি বন্দেমাতরমদা লৈরম্মি; মরম অসিনা-মসিবু মতেং পাংবা জাতীগী ঈশৈ অমা ওইবা য়ানরম্মি। হৌজিক চহি কুস্থামুক্কী মতুংসিদদি খেন্নবশিংগী লেমহৌবা মৈথাক্তু শিথখে, অদুনা ঐখোয়না পুক্লিংদা অচান-মীরায় নাইদনা বন্দেমাতরম্‌গী কবিগী ওইবা গুণশিং অমসুং জাতীগী ঈশৈ ওইনবগী ৱাকৎতু অমুক হন্না য়েংশিনগদবনি। 'জন গণ মন' অসি য়াম্না ফজবা কবিতানি, নুংশিরবা অমসুং অৱাংবা খোজেলগী ওইবা অমসুং ভারত জাতীগী ওইবা মতৌদু মসিনা মশক শেংনা উৎলি। অদুবু কবিতাগী ওইনা হিরম খুদিংদা য়েংলুববদদি মসিদা বন্দেমাতরমদা য়াওরিবা পাঙ্গল অমসুং মৈরী নত্রগা ইতিহাসগা শাগোন্নবা বন্দেমাতরমগী মতৌদু য়াওদে। তশেংনমক, তোখায়না তাবগী মতৌদা য়ানিংদবা মওংদু কনাগুম্বা অমনা মুন্না য়েংশিল্লুরবদি, মসিদা জাতীগী ইশৈ ওইবগী থোইদোক হেন্দোকপা মতৌদু চেনবা উবা ফংগনি। তোংঙান তোংঙানবা ধর্ম্ম চৎপা, তোংঙান-তোংঙানবা জাতী কয়ানা থল্লবা লৈবাক অসিদা বন্দেমাতরম্না ভারতকী ওইবা

জাতীগী ঈশৈ ওইবা য়ারোই হায়নৈ, মরমদি মসিনা লাই ময়াম লাৎপগী মতৌ উৎলি অমসুং মরদ্ ওইনা হিন্দুশিংগী চৎনবী লাইরেম্বীশিংগী মতাংদদা পল্লি। অদুবদ্ অসিগুম্বা মত অসিদি মপান্থোংদদা য়েংবা লান্না লমজিংবা মত্তংনি।

কবিগী ওইনা অমসুং অচুম্বা ৱাখলগী মতৌদা বন্দেমাতরমগী মপুঙ ওইবা ৱাকৎতি ইমা মাদি'মশক নাইদবা, মফম খুদিংদা লৈবা অমসুং পুম্নমক্তগী পুমহেন হেনবনি হায়না উৎপসিনি। ক্যারডুসি (Carducci) গী 'ওড্ ওন দি ক্লিটম্নস' (Ode on the Clitumnus) গুম্বা কবিতাশিংদগী খেন্নরিবসু মসিদনি, হায়রিবা কবিতা অদুদদি ইটালিয়া (Italia) বদ্ মপান নাইদবা তাইবংগী লমদমসিদা থম্মি অমসুং মসিগী ইতিহাসদা য়াওহল্লি, অদুগা মরক মরক্তা মমাংঙৈগী লাইশিংগগী মরী তাকপা নত্তনা, মতম-খরদংগী ওইবা পোৎলমশিংসিগী ৱাংমদা ৱাংনা পাইহন্দে। চপমান্নবা মওংগী খেন্নবসি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'জন-গণ-মন'-অমসুং মদুগা মান্নবা কবিতাশিংদসু অদুম উবা ফংই, মসিদদি ভারত অসি মহাক্কী লাইবক লেংপিবা ঈশ্বর অমগী মখা পোন্না লৈ নত্রগা অতৈ লৈবাকশিংদা তৌবগুম্না ভারতসিসু মতম পুম্বগী ওইনা দোলাই শাদোংলিবা (Eternal Charioteer) মহাক্না খুদুম চল্লি। ঈশৈ অসিদা উৎলিবা লাই অসিদি মমায় য়াম্বা পোৎকী মতৌগুম্না, ইমা মাগী হিরম শুনা তাইনবাঙম্বা মীওইবগী মতৌদুবুনি। মসিগা মান্ননা চৎলিবা হায়বদ্, ঐগী মরুপ এন. সি. এম. না ঐগী পুক্লিং চিংশিনখিবা ডেলফিক প্রিষ্টহুড (Delphic Priesthood) কৌবা অশেংবা সংস্থান অদুগীদা থেংনরিবা পান্দম অমসুং ধর্ম্মমত অদুদনি, মসিনা তরনিপালশুবা শতাব্দীগী অঙনবা মতমদা ইটালীগী নিঙতম্বা অমসুং শেংদোক্লবা মতৌ অমা পুরক্লবা হোৎনখি। মমিং অসিমক্লা মূর্ত্তি-লাৎপা (idolatry, heathen) শিংগী ওইবা নীংশিংবদ্ পুথোকপনি হায়না লৌনৈ ঃ 'ডেলফিক পুরোহিত, মরৈবাক নিঙবা পুরোহিত, লান্থেংনরিবা পুরোহিতনা অসুম্না হায় ঃ 'সমুদ্রনা ঐগী ইমাগী জোন্-জোন্ লাউবা ফুরিৎনি, অৱাংবা চীংজাউশিংনা মাগী ৱায়েঙ্গৈনি,' অদুগা মাগী মমাদ্ কনানো হায়না হংবা মতমদনা অসুম্না পাউখুম পিরম্মি, ঃ 'অমুবা শম্মাংনা লৈতেংবী ইবেম্মা মহাক্লি, মহাক্কী খুদোলশিংদি ফজবনি, লৌশিংনি অমসুং মমাংঙৈগী ওইবনি।

See N. C. M. Portraits and Memories, 1975.

পাঙ্গলনি ; মাগী অউনপোৎনা ফ্ং ফ্ং চাউৎৎলক্রিবা লৈকোন অমনি, ন্ংশিবা লৈনম চেনবা লৈরাং কয়ানা থল্লবা, মদ্দা চোফোনি অমস্ং অঙ্গ্রনা নিংথি-ফজনা মপাল-শাৎলিবীনি অদ্গা মহাক্ত্ হৌজিক্ত তেংথা-নাওইরি মথশ্মোইদা থাংনা খিনজিঞ্জরি।' ('ডি সেক্রেট সোসাইটিজ ওফ ওল এজেজ এণ্ড কণ্ট্রিজ,' অইবা সিঃ ডবলিউঃ হেকেথর্ন, লণ্ডন ১৮৯৭ ভোল II লমায় ১৮৮) (The Secret Societies of All Ages and Countries by C.W, Heckethorn, London 1897, Vol. II. p. 18১)। সত্যানন্দ হায়বা আনন্দমঠকী খ্বাইদগী মর্ ওইবা চরিত্র অমা ওইরিবা মহাক্সি মরৈবাক নিঙবা প্রোহিতনি, খ্ৎলায় পায়বা প্রোহিতনি, মহাক্না ইমা মানা ওইরম্বা, মানা ওইরিবা অমস্ং মানা ওইরক্কদবা পুন্নমক্কী মমি লাকশিল্লি। বঙ্কিমচন্দ্র শিঙথাবা য়াবা অনৌবা শেমজিন-শাজিনবা কলাকার অমা ওইবগা লোয়ননা য়াম্না লাপথ্বা মতৌগী খঙনিংবনা-লাঙতক্নবা মওংদ্ উৎপা ঙম্বা পন্ডিত অমস্ ওইরম্মি। করিগদ্ম্বা তান চার্বা অমদগী মহাক্না ডেলফিক সোসাইটি (Delphic Society) ব্ খঙলকখিব্রা ?

# ইশৈদু

[ 'বন্দেমাতরম'গী মশাগী ওইবা য়েক্লববু নমথাক তৌনবা শিজিন্নরিবা পাম্মৈসিনা অপাবশিং অমস্নুং অতাবশিংনা লৌনরিবা ৱাখলদা নমথাক তৌবা য়াই। অদুবু কনাগুম্বা মীওই অমনা মসিবু মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবদা তেংবাংখিবা থোক্লবা অমস্নুং মসিবু মরৈবাক্কী ৱাখল চেনবা ভারতমচাশিংগী দমক্ত লানগী-লাল্লাউ ওইহনখিবা তারবদি মহাক অদু মসিবু ইংরাজীদা অমস্নুং ৱারেং অনিমক্তা অর্থ হন্দোকখিবা শ্রীঅরবিন্দনি। শৈরেংদা হন্দোকপা অনুবাদ অদুনা য়াম্না হেন্না ফজরবস্নু, অশেংবা অর্থ হন্দোকপদগীদি কবিগী নৌনা শেমজিনবা মতৌনা-হেল্লি। অনুবাদ অমত্তনা মশাগী হান্না লৈজবা ফজবদু নৌনা পুথোকপা ঙমদ্রবস্নু, মসিদা নৌনা অস্নুক পুথোক্লিবা ৱারেংগী মওং অসিনা বঙ্কিমচন্দ্রগী ঈশৈগী হেন্না নিংথিবা ৱাফম অমদি অপাবশিংনা ফংবা ঙমগনি, মরমদি মসি ৱাহৈগী অশেংবা অর্থনি অমস্নুং গীতিকাব্যগী স্নরগা ৱারেংগী চূশিন্নবা-কয়াগা পুনশিন্নবদস্নু মায় পাকই। ]

# বন্দেমাতরম্

## অনুবাদ তৌরিবগী হায়নিংবা কয়া

[ নুংশিবা, অচম্বা, চুমদ্রিংনা ফোঙদোকপা অমস্তুং অৱাংবা মতৌগী ওইবা কবিগী শক্তি পুন্নমকসিগী লাম্বা লৈররোইদবা মওংদা পুল্লবা বাংলাগী জাতী ঈশৈ অমবু অতোপ্পা লোল অমদা শৈরেংগী মওংদা অর্থ-হন্দোকপা হায়বসি অরুবা ৱাফম্নি। মসোমদা হোৎনরুবশিংসি মায়থীদুনদা তোক্লে। মরম অসিনা, বাংলাবু হৈনদবা অপাবশিংবু মসিগী মশাগী ওইবা চপচাবা শক্তিদুদা খরমখৈ নকশিন-হন্নবগী দমক ঐগী পরেং-পরেংগী ওইনা ৱারেংদা হন্দোকপা অর্থসি পিরি। ]

ঐনা খুরমজরি নংবু ইমা,  
ঈশিংনা নীংথিহল্লবা, উহৈনা চঙখোলহল্লবা,  
থাগী নুংশিৎনা ঈংহল্লবা,  
লৌরোক—থাগী মহৈমরোংনা মুলহল্লবা,  
ইমা !  
মহাক্কী অহিংসিনা হরাউহল্লি ফজবা থাবলদা  
মহাক্কী লমশিংবু ফীজোল ফজনা শেৎহল্লি মাগী-উপালশিংগী  
শাৎকায়রবা মপালনা,  
মীনোক নুংশিবী, ৱাঙাং নিংথিবী,  
ইমা, বর পীবিরিবী, নুংঙাইবা পীবিরিবী।  
অকিবা ফংলবা অহোবা খোঞ্জেলনা মী কোটি তরেৎকী মখনাউদগী  
অমস্তুং থোরবা থাঙশাংশিং অনিরক হন্না থাঙ্গৎলিবা খুৎ কোটি তরেৎনা,  
নঙোন্দবু কনানা হায়গনি, ইমা, নংদি পাঙ্গল শোনবীনি ?  
অপুনবা পাঙ্গল পায়রিবী  
ঐনা খুরুমজরি ঐবু কনবীরিবী মহাক্তুবু,  
মহাক্কী লমদমদগী মাগী য়েক্লবশিংবু তান্থোক্লিবী মঙোন্দা,  
ইমাদুবু !  
নহাক্তি লৌশিংনি, নহাক্তি লমচৎনি,  
নহাক্তি থম্মোইনি, নহাক্তি আত্মানি,

মরম্মদি নহাক্না ঐখোয়গী হকচাংদা য়াওরিবা থৱায়নি,
পাম্মোমদা নহাক্না পাঙ্গলনি, হে ইমা,
থম্মোয়দা, হে ইমা, নহাক্তি নুংশিবনি অমসুং থাজবনি,
নংগী মর্তিনি ঐখোযনা লাইশঙ খুদিংদা থাঙ্গৎলিবা।
নংদি দুর্গানি লানগী খুৎলায় তরা পায়রিবী,
'কমলা'না থম্বালশিংদা শান্নর্জারিবী,
লাইরেম্বী অমগী মমিং
অমসুং ৱা ঙাঙলিবী লাইরেম্বীদুনি, পাউতাক পুম্বা পিরিবা
নঙোন্দা খুরুমজরি।
ঐনা নংবু খুরুমজরি; লনগী লাইরেম্বী
শেংলবী অমসুং লাম্বা লৈব্রবী,
ঈশিংনা নিংথিহল্লবা, উহৈনা চঙখোলহল্লবা,
ইমাদুবু!
ঐনা নঙোন্দা খুরমজরি, ইমা,
অমুবা মচুদা খোয়দাবী,
নুংশিনা মোমোন্নবী, মনিমুক্তা থোল্লিবী অমসুং লৈতেংলিবী,
লনগী মপু ওইরিবী, ৱাক্ত-পাদবগী মবেম্মা,
ইমাদুবু।

—শ্রীঅরবিন্দ জন্মশতাব্দী লাইব্রেরী,
ভো. ৮, ১৯৭২, লামায়শিং ৩১১-১৪
[ Sree Aurobindo Birth Centenary Library,
Vol. 8, 1972, PP. 311-14 ]

# বঙ্কিমচন্দ্রগী অইবশিং

১। ললিতা ও মানস ঃ নহাওইরিঙৈগী শৈরেংশিং ১৮৫৬
২। দুর্গেশনন্দিনী ঃ উপন্যাস, ১৮৬৫
৩। কপালকুণ্ডলা ঃ উপন্যাস, ১৮৬৬
৪। মৃণালিনী ঃ উপন্যাস, ১৮৬৯
৫। বিষবৃক্ষ ( হূপাম্বী ) ঃ উপন্যাস, ১৮৭৩
৬। ইন্দিরা ঃ উপন্যাস, ১৮৭৩
৭। যুগলাঙ্গুরীয় ঃ উপন্যাস ১৮৭৪
৮। লোক রহস্য ঃ নোংক্লিংবা ৱারী মতৎশিংগী খোমজিনবা, ১৮৭৪
৯। বিজ্ঞ্যান রহস্য ঃ ( বিজ্ঞ্যানগী অঙ্ককপশিং ) বিজ্ঞানগী মরমদা ইবা অতেনবা ৱারেংশিং খোমজিনবা, ১৮৭৫
১০। চন্দ্রশেখর ঃ উপন্যাস, ১৮৭৫
১১। রাধারাণী ঃ উপন্যাস, ১৮৭৫
১২। কমলাকান্তের দপ্তর ঃ ( কমলাকান্তগী চেশিং ) ; ১৮৭৫
১৩। বিবিধ সমালোচনা ( মখল—মথেলগী সমালোচনাশিং ) ঃ অতেনবা ৱারেংশিং ১৮৭৬
১৪। রজনী ঃ উপন্যাস, ১৮৭৭
১৫। কৃষ্ণকান্তের উইল ( কৃষ্ণকান্তগী উইল ) ঃ উপন্যাস, ১৮৭৮
১৬। কবিতা পুস্তক ( শৈরেংগী লাইরিক ) ঃ শৈরেং, ১৮৭৮
১৭। সাম্য ( মান্নবা মতৌ ) ঃ অতেনবা ৱারেংশিং খোমজিনবা, ১৮৭৯
১৮। প্রবন্ধ পুস্তক ( অতেনবা ৱারেংগী লাইরিক ) ঃ অতেনবা ৱারেং, ১৮৭৯
১৯। রাজসিংহ ঃ উপন্যাস, ১৮৮২
২০। আনন্দমঠ ঃ উপন্যাস, ১৮৮২
২১। মুচিরাম গুরের জীবন চরিত ( মুচিরাম গুরগী পুন্সিৱারী ) ১৮৮৪
২২। দেবী চৌধুরাণী ঃ উপন্যাস, ১৮৮৪
২৩। কৃষ্ণ চরিত্র ঃ অতেনবা ৱারেং ১৮৮৬
২৪। সীতারাম ঃ উপন্যাস ১৮৮৭

২৫। বিবিধ প্রবন্ধ মথল মথেনগী অতেনবা ৱাৱারেংশিং ) পার্ট I ঃ অতেনবা ৱারেং ১৮৮৭

২৬। ধর্ম্মতত্ত্ব ( ধর্ম্মগী নিয়মশিং ) পার্ট I ঃ অনুশীলন ( সংস্কৃতি ), ১৮৮৮

২৭। বিবিধ প্রবন্ধ ( মথল মথেনগী অতেনবা ৱারেংশিং ) পার্ট II ; ১৮৯২

২৮। সহজ রচনা শিক্ষা ( অচম্বা পাউতাক ৱারেংগী মরমদা ) তম্নবা লাইরিক, অনিশুবা নম্বা, ১৮৯৪

২৯। সহজ ইংগ্রেজী শিক্ষা ( ইংরাজী তম্নবা অচম্বা পাড়া ) তম্নবা লাইরিক, অহুমশুবা নম্বা ১৮৯৪, লাইরিকসিগী কোপি-ফংদ্রে

৩০। শ্রীমদভাগবত গীতা ঃ ( অনুবাদ অমস্থং মশাগী ৱাহন্দোক কয়াগা কোন্নবা গীতা, মপুঙ ফাদ্বা, মশা—শিরবা মতুংদা ১৯০২ দা ফোঙবা

৩১। Rajmohon's Wife ( রাজমোহনগী নুপী ) ঃ ইংরাজী উপন্যাস, ইণ্ডিয়ান ফিল্ডদা ১৮৬৪ দা মথং মনাও নাইনা ফোঙখিবা ঃ ১৯৩৫ দা অহানবা ওইনা লাইরিক ওইনা ফোঙখিবা।

---

Indian Institute
117839
21.12.04
SHIMLA

বঙ্কিমচন্দ্র চট্টোপধ্যায় ( ১৮৩৮-১৮৯৪ ) না বাঙ্গলা সাহিত্যগী সংসারদা খোংদারকখিবা অসি কোরৌহন্‌বনা নোংপোকথংবা অতিয়াদা খোংদোয় হুন্দোরকপগা পাঙ্‌খকনি। বঙ্কিমচন্দ্রগী রাথলগী গুণ নত্রগা মশাগী-ওইবা-মীঙোন্দগী-পুরুদবা (originality) কয়া অসি নৈনবদগী মহাক অসি অনৌবা ভারতকী ( Modern India গী ), ইহান হানবা উপন্যাসকারনি হায়বদা হায়মনবা থোকলোয়। মহাক খুনায়দগী রাংবা থাক্কী উপন্যাসকারনি।

থাক্-রাংবা উপন্যাসকার অমা ওইবতা নত্তনা বঙ্কিমচন্দ্র মমিংলৈবা সমালোচক অমসুনি ; অদুবু মহাক্না তুমদুনা লৈরুরবা ভারতপু নোনা য়াকায়হনবদা, রাখল অমসুং থবক্ত, লৌখিবা থোদাং অসিনা মহাকপু অরাংবা থাক্কী সমালোচকনি হয়েবসি মমি শামাখিবগুম তৌরে।

বঙ্কিমচন্দ্রগী “বন্দে মাতরম্”, ভারত সংস্কৃতিগী খুনাইগা মান্নদবা ললঙৌনি। ঈশৈ অসিগী অহানবা পরেংনা ঐখোয়গী ইরৈপাক ভারতকী, রাজনৈত্যিক অমসুং সংস্কৃতিগী, নিংতম্বগী লাঞ্জংদা ঈনোৎ অমা হাপখি মসিনা ইরৈপাক নিংবা ভারত’ চাসিংগী লল্লাও অমা ওইখি।

মমিং লৈরবা পণ্ডিত অদুগা বঙ্কিমচন্দ্রগী মরমদা মসুৎতানা খংলবা (authority), ডাঃ সুবোধচন্দ্র সেনগুপ্তনা, ভারতকী সাহিত্য শেমখিবশিং” হায়রা পরিংদা ইবা (monograph) অসিদা শুপচিনা মওংদা বঙ্কিমচন্দ্রবু উপন্যাসকার অমা ওইনা, সমালোচকু অমা ওইনা অমসুং রচনা ইবা অমা ওইনা শক তাকলি। মগুণ লৈরবা পণ্ডিত অমনা ভারতকী খুনাইদগী রাংলবা উপন্যাসকার অমগী মরমদা নৈনবা অসিদগী, পণ্ডিত কয়ামুক্কী মফমদসু কান্নবা ফংগনি হায়না খঞ্জে।

SAHITYA AKADEMI
REVISED PRICE Rs. 15.00

ISBN 81 7201 076 1

Library IIAS, Shimla
MN 891.440 92 C 39 S
00117839